ভূ-জ্যোতির্বিজ্ঞান

অহানবা শরুক

(মণিপুরী সংস্করণ)

(Science তা যুক্ত ওইবা Astrologer গী লাইরিক)

ভূ-জ্যোতির্বিজ্ঞান

অহানবা শরুক

(মণিপুরী সংস্করণ)

অইবা ঃ


রাজকুমার গোবিন্দলাল



[illegible]

[illegible]

ভূ-জ্যোতির্বিজ্ঞান



ফোঙবা :
পি, এস, পব্লিকেসন মণিপুরগী ৩৩ সুবা লাইরিক ওইনা
অইবা মশানা ফোঙবা।

অহানবা ফোঙবা :
১৯৯৯

হক :
অইবা মশা

কপি মশিং :
২০০০

মমল :
লুপা ৬৫/-

নম্ফম :
পি, এস, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরী
সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক
ইম্ফাল—৭৯৫০০১

বিষয় সুচী

———— —— ——

কচ্চবা

চিংথৈগী ফিজংদা পম্লৌনা কৈরাংবা
পালেমগী শায়োনবু লৈচিনগী শাথেক্তা
লিক্লাগী মিশানা খিক্লম্বা লাইজনি ।

তায়োম্লবা থে য়াংদা লৈকংলাগী তম্পাক্তা
পম্লৌগী পাম্বোমদা থম্মোইনা রাংজবা
তাইবংগী নাওশুমদা পুন্সিনা খোংদোইখি ।

অশিংথাগী তানথাদা বসন্তনা য়াকাইখা
আশাগী ইপাক্তা যৌবনা পোন্থাবা
ঋতুগী জগোইদা য়েনিংনা শাফোংখি ।

থরাইনা পিখম্বা নরাগী মৈচাক্তা
লাংলোনগী রাহংদা পুন্সিনা য়াওনবা
ঈন্নুংগী নোংথাংদা চেক্লানা য়াকাইখি ।

পম্লৌগী খোঙ্কুলদা হৈনাগী খোংথাংদা
কোরৌগী মশেক্তা গুক্ষনা কৈরাংবা
লাংলেনগী শায়োনফম তাইবংগী মঙালনি ।

তোরৈগী লাংলক্তা শিন্থাগী ইরৈদা
পুন্সিবু কচ্চবা তাইবংগী মৈরাদা
মপুনা কুবিবা ননাইগী শিন্থাখি ।

হাহেং-গে.-লাল

"য়াহৈ থর"

হিন্দী লোলদা "ভূ-জ্যোতির্বিজ্ঞান" কৌব লাইরিক অমা ফোংগে হায়দুনা ইং ১৯৮০ দগী হোৎনজরকই। তশেংবদি ইং ১৯৫৬ তগী পুন্সিগী মাওলদা জ্যোতিষ বিদ্যা অসি হেন্না মশ্বিকচুম্না থংনবগীদমক জ্যোতিষ শাস্ত্রগী লাইরিক কয়াগী সিদ্ধান্ত কয়া বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা ইদুনা নৈনজরকপনি। লাইরিক অমা ইগে-ফোংগে হায়বগী রাথল পোক্রমদে। মতম অদু ঐহাক অসম রাষ্ট্রভাষা হিন্দী প্রচার সমিতিগী বৈতনিক হিন্দী প্রচারক ওইবম্মী। লোইননা আদিমজাতি শিক্ষা আশ্রম, ইম্ফালদসু হিন্দী প্রচারগী থবক তৌরম্মী।

নোংমা ১৯৬২ গী মেরা থাগী অয়ুক অঙনবদা ঐজ্ঞাশ্রী অতোম্বাপু শর্মানা ঐখোয়গী য়ুমদা লেংলক্লমই। মতম অদু ঐজ্ঞাশ্রী গী "অনুপ্রাংলোকশ" নচিংবা লেখক কয়া ঐনা হিন্দীদা অনুবাদ তৌবগী থবক চংথরম্মী। ঐনা জ্যোতিষ শাস্ত্র নৈনবগী নোটশিং অদু ঐজ্ঞা শ্রীনা থরাই য়াওনা পানিংবা থর খল্লগা মতেক-মতেক পাংলম্মী অমসুং তাকপীরম্মী "অতো নংগী নোটশিং অসি থরা শন্দোক্লা ইথোক্লগা লাইরিক অমা ওইনা ফোংদোকউ নংনা জ্যোতিষ শাস্ত্রবু বিজ্ঞানদা য়ুম্ফম ওইবগা নৈনবা অসিগুম্ন ইংলিশ, হিন্দী অমসুং বঙ্গালীনাচিংবা লোলশিংদা ওসি ফাওব লাইরিক অমত্তা ফোংবা উদ্রি। থাগৎশেংনমক ঐজ্ঞাশ্রীনা তাকপীরম্বা ওসি চাহি ৩৬ কী মতুং ফাওবা জ্যোতিষ শাস্ত্রগী লাইরিক অমা ফাওবা বিজ্ঞানদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবা পুথোকতরি। আধুনিক বিজ্ঞানা যৌদ্রিবা অমদি খোংদান্দ্রিবা মীওইবা অমসুং পৃথ্বীগা নুমিৎ থাজ অমসুং গ্রহশিংগা মরি লৈনবগী অথুপ্পা হিরম কয়া বিজ্ঞানদা য়ুম্ফম ওইরগা ইনৌ লৌনা নৈনবা লাইরিক অসিগী

অহানবা পন্দুপ ভু-জ্যোতির্বিজ্ঞান্দা উবিগনি। খুদম ওইনা মথাদা মতেক খরা উৎচরি।

কোয়েগী মরেক-মণ্ডল, পৃথ্বী অমসুং গ্রহশিংগী গুরুত্বাকর্ষনগী ইন্নলদগী চৌরকপা পনথৈ লৈতত্তা মেগনেট অমসুং করেন্টগী ইথক ইপোম ইরৈদা পরমাণু খুদিংমক, লেংইপাল্লিবা জীব খুদিংমক, গ্রহ উপগ্রহ খুদিংমক বিরাট বিশ্ব তান্থাগী ইন্নলদা, মশা-মশাগী লুং অমসুং পানগী য়াওসদা ইকাবি। তৌইগুম্বসুং পৃথ্বীগা অতৈ গ্রহশিংগা থেন্নবা কয়া লৈরি। কোরৌ মানী মশেক্কী অকোইবদা থরাই পোকপা যাবা পনখৈ (zone) জীবাত্মা বলয়গী মযাইমত্তদা পৃথ্বীগী ওর্বিট (Orbit) ওইবা মরম্না মালেমগী লৈরিবা খুদিংমক, পরমাণু খুদিংমক থরাইগী লৈশেম পুংনি। বিশ্বজগৎকা থরাই পোকপা য়াবা মরেক মণ্ডালগী যৌগক (Compo-e) লৈবা অসি পৃথ্বী মথন্তুনি। অতুগুম্বা মরেক মণ্ডালগী যৌগিক ওইনা ভৌতিক তত্ত্বগা হেক শম্নবদা থরাইগী ইনিল ফাওরকই। থরাই কয়না, (Cell's) কয়না পুন্নগা স্বর্গগী পাংথক ওইরবা তাইবংপাল অসি ওইবক্লিবনি। বিশ্ব জগৎকী মনুংদা এপুগী শায়োনফম, নুংডাংবা থিংবকী হৌরফম ওইরিবা পৃথ্বীগুম্না লাইপক-চাওবী গ্রহ অমা লৈতে।

ঐথেয়গী পৃথ্বীদা লৈরিবা জীবশিংগীদমক্তদ নুমিৎনা থরায়নি, পৃথ্বীনা হৌচংনি অমসুং থাজনা পুক্লিংনি, নুমিৎনা মশাবু অমুক চংবা, থাজনা মশাবু অমুক উংবা অমসুং পৃথ্বীবু থাজনা অমুক কোইবা মতম চপ মান্নে:— নুমিৎ ২৭ পুং ৭ মিনট ৪৩ সেকণ্ড ১৪ মতম চংই। নুমিৎ অমসুং থাজনা মশাবু অমুক উংবা মান্নরমদ্রবা অমসুং থাজনা পৃথ্বীবু অমুক কোইবগী মতম মান্নবনদ্রবদি পৃথ্বীদা লাকপা মপানগী শক্তিশিং, মণ্ডালগী শজং অমসুং পৃথ্বীবু য়োমলিবা করেন্ট মেগনেটকী শাজৎ-লিচৎতা অওনবা অকাইবা কয়া লাকনি। মরম অদুনা নুমিৎ, পৃথ্বী অমসুং থাজগী লিচিং মাংরোই, অদুনা চাওখৎপা জীব পোকপা ওইথোকলোই।

থাজ অসি অপিকপা উপগ্রহ অমা ওইরবশু পৃথ্বিগা য়াম্না নক্লবা অমসুং এঙ্গলচ বা মফমদা লৈবা মরম্না থাজগী আকর্ষন শক্তি কুমিংতগী শকক অহুম হেল্লি। মাগী আকর্ষন শক্তিনা ইশিং অমসুং কংফালদা ইথক ইপোম তত্তনা কায়। পৃথ্বীম্না চিংশিনবা অমসুং কুহিংনা কাপথোকপা মরেক মণ্ডালগী পোরে, করেন্ট কী ইথক ইপোম অমসুং গ্রহশিংগী আকর্ষনশক্তি, মেগনেটকী ইথক ইরৈগা লোইননা সৌরজগৎকী য়াংমদগী লাকপা শক্তি পুম্নমক পৃথ্বীগী দমক্তদি চন্দ্রনা ওপরেট (operate) তৌই।

[মীওইবদা গ্রহ অমসুং চন্দ্র শক্তিগী মমি তারিবসি থম্মে ই অমসুং পুক্লিংদনি মরমদি মুমিৎ থা অমসুং গ্রহশিংগী মেগনেট অমসুং আকর্ষন শক্তি চিংশিল্লিবা হকচাংগী য়োৎ পুম্নমক ঈদা লৈ। ঈগী কেন্দ্র বিন্দুদি থম্মোইনি। মরম অদুনা চন্দ্রগী আকর্ষন শক্তিগী মমি থম্মোঙ্গী অমসুং বৈদ্যুতিক জ্ঞানতন্তুশিং (Nerves) গী থৌবু পুক্লিংদা মমি তায় মরম অসিনা হকচাংগী মিহুন চন্দ্রতালগী মতুং ইম্না হুল্লি; চংনরিবা পৃথ্বীনা উংবদগী লৌবা ঘড়িদগী থর য়াংবা হেল্লি। মরম অসিদগী পৃথ্বীদা চংনরিবা দশা মথল ৪২ অসি চন্দ্রগী খোংচত্তগী পুথোকপনি ঋষি পরাশরনসু হায়রি "য়া দশেন শশাংকেন সঞ্চরতে নরোংতাদৃশং ফলমাপ্নোতি শুভম বা অশুভম।" চন্দ্রগী খোংচৎ মতুংইম্না গ্রহশিংনা অফ-ফত্ত ফল পিদনি। মরম অদুম্না চন্দ্র য়াওদ্রবদি জ্যোতিষ শাস্ত্র থম্লবা যাদে।

মীওইবগী পুক্লিং কর্মগী থৌবুনি। তাইবংমীনা মুংঙাইবা অমা য়াওনা মশাগী মথৌ পুক্লিং চপযুংনা তৌরবদি মীওই অদু মশাগী শিনফমদা ফাওদনিংঙাই মমিং চংতনিংঙাই লৈতে। মতৌ অদুম্না কর্ম সাধনা তৌরবদি শক্তি লৈবা লাইবক শেম্বা ঙম্বা মীওই অমা ওইবা ঙম্মী। কর্মনা তাইবংমী লাই ওনবা ঙম্মী বিধাতা অমসুং বিশ্বজগৎ পুম্নমক কর্মগী মথা পোল্লি। পম্না অরম্বা শক্তি অমত্তা

কর্ম্ম য়া'মা লানবা ওমদে। কর্ম্মগী মগুন দেবতাদগী হেল্লি, মতোন্দা বিধাতা পোকপা ওমবগী শক্তি লৈ।

গ্রহশিংগী মেগনেট অমসুং মরেক মণ্ডালগী য়াওলগী শক্তি অচং-চংতা থরাই পানবা পুম্নমক্কা মমি তারি। মালেমসু মশাগী মসুং অমসুং পানগী তোপতোপ্পা শৈরুল তাম্বাগা লোইনা কোরৌ মারু কোইরি। বিশ্বজগৎকী পনথৈ খংদ্রবা শক্তিগী ইথক ইপোমগী য়াওল-মুংদা মালেমদা লৈবা লেংই পাল্লিবা জীব খুদিংমক মশা মশাগী তোপতোপ্পা য়াওলদা ই কারি। অসিগুম্বা বিশ্বজগৎকী শক্তিগী সমুদ্রগী শৈরুল তাম্বা চন্দ্রনা মাধ্যম ওইদুনা মীওইবদা অনাদি কালদগী হৌনা নবগ্রহনা ফল পিদুনা লাকই। মরম অসিনা মীওইবগী মশা মশাগী ফিভম অমসুং য়াওল লিচিং নবগ্রহনা ওইরি। মী মীগী তোংডাল তোংডালবা মরনাইগী য়াওল লৈজবনা গ্রহ মশা অমত্তনা মী অমদনা শাফবা ফল পিবি অমসুং মী অমদনা ফত্তবা ফল পিবি। জ্যোতিষ শাস্ত্রগী মথৌদি মীওই খুদিংগী মরনাইগী য়াওলগা গ্রহশিংগী খোং-চংকা মরি লৈনবা লৈনদবা, চান্নবা চান্নদবনা মরম ওইদুনা অফ-ফত্ত মহৈ ফংবগী মরমদা ওইনবনি।

ইনিংথৌ পামহৈবা মহারাজ ১৭২৮ ইং, গী মতমদগী হৌনা ইবুধৌ পুরেন শ্রীলক্ষমন ফৈদেপ'পাঞ্জী ইবুধৌ শ্রীহরসিং যথৈহন পাঞ্জী ইপুরোক শ্রীথাবল পাঞ্জী শংলাকপা অমসুং ঐবু পোকপীরম্বা গুরু শ্রী অতোম্বোই পাঞ্জী শংলাকপা গুরুবর্গনা জ্ঞান লৌশিংগী পুকৈ কয়া, জ্যোতিষকী চৎনপথাপ কয়া অমসুং খোমজিনবিরম্বা মঙল যাম্নবা লাইবিক কয়া নৈনজবা ফংলি। মসিদা নত্তনা মরি লৈনবা অফংবা লাইরিক কয়া বিজ্ঞান্দা মুমকম ওইরগা নৈনজবি।

ইং ১৯৮১ গী মতুংদা খুদোংচাদবা কয়া মাইয়োক্নবদগী ইং ১৯৯০ ফাওবা হন্না য়েংবা ওমলমদে। কায়নথংদা ইং ১৯৯২ নবেম্বর থাদা হিন্দীদা ইবা লোইখি। মরুপ মপাংশিংনা মৈতৈলোন্দসু ফোংনবা

কল্লা তকশিনখি। পিঃ এসঃ পল্লিকেসন মনিপুরগী ঐগী ইচা শক্রবা পুষ্পম শরতনা পোৎলুম তংখাই অমা পুখিহুনা মৈতৈলোনগী সংস্করন আস থগু অনি থোক্লা কোংনবা হোৎনজার। তিথি-নক্ষত্রনচিংবগা মরমদা কুপনা নৈনবগা লোইননা গ্রহশিংগা মীওইবগা মার্ল লৈনবগী মরমদা বৈজ্ঞানিক ওইনা নৈনবা জ্যোতিষকী নীতি-নিয়ম পথাপ কয়, মসিংগী অথুকপা কয়াগা লোইননা অহানবা থগু লাপ্পোবচরি। অনিশুবা থগুদা ময়াল্লা থোরাংনা ডাইনবিবা য়ুম ১২ গী ফলগী মরমদা গ্রহশিংগা য়ুমশিংগা মরি লৈনবদগী পুথোকপা অথুপ্পা ফল কয়া কুপনা নৈনয়া উবিগনি। জ্যোতিষকী অঙ্ক পুন্নক্লা মপুং ফারবা লাইরিক অমা থুনা কোংনবা হোৎনজার।

অরাংপা কয়া অশোয়বা কয়া অমগুং প্রুফকী অরানবা কয়া মথগী সংস্করনদা শেংদোক্লবা হোৎনজগে, ইস্বরনা খাজানবীরসি।

রাজেং-গো-লান

ভূ-জ্যোতির্বিজ্ঞান

মীওই রাখলনা লাপ্পা যংদ্রবা, উমথৈ পনথৈ খংদনা পাকচাওরবা, মৈগী ব্রহ্মাণ্ড অমদগী হৌবককফম ওইবা, নিংথৌভুবেন (GALAXY) লাখ কযানা মহাক্কী পাঙ্গল্লবা লিচিংনা মবম ওইডুনা মবোল কযা থোক্লা মহাকপু অমুক হন্না ওইওইন কোইডুনা মশা-মশাগী শিল্লা পাংথোকলি। মশালগী বিশ্ব-জগৎদা ধরালামিচাক, গ্রহ, উমং-রামং অমস্তং লেংই-পাল্লিবা থবাই পানবা পুন্নমক ইপোম অমদা, ইহল অমদা শাওবি অনদি অবোই অথম নাইদবা শক্তি অমগী ভানিক ফানথর্গী ইপোন্না পুবি। তোংদবা, আবপ্লা, অকনব, অথোংপা পোং হাযবা অমা নৈতে। ঐথোয় পুন্নমক ইশাগী পামজবা মতুং ইন্না চৎপা উমাদ, নৌবা উমাদ। ঐখোইনী থবাই হকচাং, জ্ঞান লৌশিং অমস্তং রাখল ফাওবদা ওন্না ইথল শিবি। পুন্নমক পালেপফম নাইদনা পাঙ্গল্লবা ইপোম অমদা ইকাবি। মঙালনোল (Astrology) গী অসিগুম্বা পথাপ (Theory) অমদি যুমফম অসিবু অনৌবা বিজ্ঞানগী লমযানবা অলবর্ট আইনষ্টাইননা ব্যাখ্যা তৌবদগী ইসি বৈজ্ঞানিকশিংনা মঙালনোলবু থোইদোকপা বিজ্ঞান অমা ওইনা লৌবি। গ্রহশিংনা চিংশিন্নবা (Gravitation) না মবম ওইডুনা মঙালগী লমচৎ-ভানথা হোংলকপা অমস্তং মঙাল ভবেংকী মাবক্কী মবমদা থিজিনবগী খোংথাং হৌজিক্কা থাংজিনবা তৌবকলি।

মঙাল (Light) না সেকেণ্ড অমদা মাইল ১,৮৬০০০ শিনথুংনা কাপ্পুনা চংলি মপাল নাইদনা শক্তি লৈববা মঙাল ভবেংকী ইপাক্কী ইপোমশিংনা ওইওইননা লৈহুনা সেকেণ্ড অমদা লিশিং কুন্থ্রাদগী খবব অল্লুম ফাওবা ইপোমগী ইহলদা নিকলি। তত্ত্ব (Element) গী শকফম ওক্কপদগী শক্তি অমস্তং মঙাল পোক্লকপনি। মঙাল অমস্তং

শক্তিনা মশাবু চুপশিনবা ঙম্বা তিনশিনবা ঙম্বা শক্তি নক্ষত্রগা মণ্ডালগী ইপাক নক্ষত্রগা মখোইবু চুপশিনবা ঙম্বা গ্রহ-উপগ্রহ, থবালমিচাকনচিংবা অমা থেংনদ্রিবা ফাওবা পাইদুনা লৈ। মসিদগী ঐখোইনা তশেংনা খংলে— শক্তি, মণ্ডাল অমসুং থবাই (আত্মা) কৈদৌনুংদা মাংবা লৈতে শক্তম ওনবা থক্তনি। হায়রিবা শক্তিশিং অসি নত্তবা "ব্রাংম" গী মহাশক্তি অমা লৈরি — মিৎনদি উদবা, ঙমখৈ পনখৈ খংদবা, অমাং-অতা লৈতবা "শক্তি পুঞ্জ" অমা লৈরি— পোকপসু মণ্ডোন্দগীনি, শিন্থাসু মহাক্কা পিরিবনি অরোইবদা শক্তি পুন্নমক মণ্ডোন্দা তিনখিগদৌরিবনি।

শক্তিগী পাঙ্গলতনা তত্ব ফংবা ঙম্মী মীওইবনা চৎলিবা ধর্ম্ম অমসুং দর্শনগী আত্মা অমসুং পরমাত্মা, প্রকৃতি অমসুং পুরুষ, দ্বৈত অমসুং অদ্বৈতবাদ শক্তি অমসুং তত্ববু ব্যাখ্যা তৌবতনি। খুদম ওইনা রামগী শক্তি সীতানি, কৃষ্ণগী শক্তি রাধানি, শিবগী শক্তি দুর্গানি অমদি নুপাগী শক্তি নুপীনি। মহাশক্তিনা শিবশক্তিদা অন্তর্ধ্যান ওইখিবা, লুপখিবা-তিনখিববু পুরুষ তত্ব কৌই। বিশ্ব-জগৎতা অমুক অমুক তাইবং লৈশেম্বগী মতাং লাকপদা পুরুষ তত্বনা মশাগী শক্তম পুন্নমক স্ত্রী-শক্তিদা পুং-নুপ-নুপীনা ইতিন্নখি। মতুংদা পুরুষ তত্বগী কযাৎ পুন্নমক্তা প্রলয়গী নোংথাং কুপলকপদা তাণ্ডবরুপ ধারন তৌদুনা, নিংথাইরক্তনা-পোকথাইরক্তনা মহাশক্তিগী রুপ ধারন তৌরকই মতম অতুদা মাগী শক্তম পুন্নমক "ব্রাংম" গী নুংঙাইববা অরাম খুভম ফংদুনা মহাপ্রকাশতা ইতিন্নখি। মবম অসিনা পুরুষ তত্বগী ধর্ম্মদি পানগী অবান খুভম— "ব্রাহ্মগামী মোক্ষ" ফংবনি। হ্লাদিনী-শক্তিগী শক্তম লৌনী স্ত্রী তত্বনা পুরুষ তত্বদগী চাইথোরকপা মহাপ্রকাশ পুন্নমক মশাগী ফিগাওদা কংথোকপগা লোইনন। খোমজিল্ল। মতুদগী তাইবং পানবগী নুংঙাইবা পুন্নমক্কা শক্তম অমা ওইনা চোংথোক্লকই। মাইগৈ তরাদা পুন্সিগী নুংঙাইরবা হৈনম-লৈনমনা ইথক-ইপোম ওইনা কারকলি। অসুম্না পুরুষ তত্বনা মশাগী শক্তম পুথোরকপদা স্ত্রী-তত্ব পুন্নমক "ব্রহ্মলীন" ওইখি। মরম অসিনা নুপীগী

ধৰ্ম্মদি অন্তর্গামী-মুংদা তিনবনি। বিশ্বজগতকী ধৰ্ম্মদি খোংজেলনি৷ খোংজেলগী মহৈদি মঙালনি, মঙাল হায়বদি শক্তিগী পন্থুং অমসুং ধৰ্ম্মদি "ব্রাহ্মানন্দ" হাংমগী মুংঙাইবনি।

পৃথ্বীদা লৈরিবা ঐখোই পুম্নমক ঐখোইগী সৌরমণ্ডলদা লৈরিবা গ্রহশিং অমসুং মাগী লম্বীদা লৈবা নক্ষত্র মণ্ডলশিং খোইদোক্না থান্নবা য়াত্রবনি। মুমিংকী মঙাল জীব পুন্নমক্কী হৌরকফমনি। পৃথ্বীগীদমক্তদি মুমিংনা থবায়নি৷ মুমিংনা শক্তিনি, মুমিংনা পুন্সিনি— "অয়মাত্মা সর্ব্বেষাং ভূতানামধিপতিঃ সূর্যাত্মঃ জগতস্থুশ্চ য়োঅয়ং বিজ্ঞানময়ঃ প্রাণেষু হৃদয়ন্ত জ্যোতিঃ পুরুষঃ সূর্যদেবনা বিরাটপুরুষ ভগবানগী আত্মানি। মহাক্না জীব পুম্নমকী হবচাংদা থবাই ওইনা লৈরিবনি। মহাক্না বিজ্ঞান তত্বনি অমসুং জীব পুন্নমক্কী হৌরকফমনি।

প্রকৃতিগী লৈতেং পুম্নমক্না থল্লবা৷ জীব পুম্নমক্কী শায়োনফম ওইবা অসিগুম্বা ঐখোইগী পৃথ্বীগী হৌরকফম মুমিং, সৌরজগত অমসুং গেলেক্সী (Galaxy) পুম্বনি। পৃথ্বীদা লৈরিবা ঐখোই পুম্নমকপু মুংশিং, এলক্ট্রিক, নাইট্রোজন, আক্সিজন, মঙাল অমসুং গ্যেস (Gas's) কী লৈবোন কয়ানা কুয়োম ওইদুনা ঙাকশেল্লি।

কোরৌ মাগী মশেক্কী অকোইবদা অঙৈং অশাগী পনথৈ (Climatic Zone) থবাই পানবা পোকপা য়াবা মফম অমা লৈ। হায়রিবা পনথৈ (Zone) অসিদা পৃথ্বীগী ওর্বিট (orbit) ওইরি। থবাইনা থল্লবা পৃথ্বীগী জীবশিং, উমং-হ্রামং, ঈশিং—মুংশিংতা মুমিং নত্তবা গ্রহ-নক্ষত্র-নচিংবা পানগী শক্তিশিংগী মমি তাবা উরি। শক্তিশিং অদু মশাক থংনবগীদমক মুমিং-থা অমসুং গ্রহশিংগী চিংখোক চিংশিন (Gravitation) গী করেন্ট (current) কয়া, মঙালগী শাক্তং নিংথিজনা থংবা মথৌ তায়। ভৌতিকবিজ্ঞান (Physics) তা ঐখোইনা থংখরে-উখরে পরমানু অমদি গ্রহনচিংবা মতুম খুদিংমক অমনা অমবু চিংশিন্নরি— অমনা অমবু থান্নদ্রি। ঐখোই পুন্নমক মুমিংকী মঙাল, গ্রহশিংদগী থকতোরকপা মঙাল অমসুং অরোই-অথম নাইদনা থাদোরকপা করেন্ট

(current) শিংগী ইপাক্পা তাওরি। গ্রহশিংগী অমগা-অমগা চিংশিন্নবা অমসুং মণ্ডলগী য়াওলগী শক্তি অচৎ চৎতা থরাই পানবা পুন্নমক্তা চপ মান্নবা মমি তারি। তৌইগুমসুং জীব খুদিংমক্কী থোইদোকপা মরনাইগী য়াওস মখল কয়া লৈজবনা গ্রহ মশা অমত্তনা তোঙাল-তোঙালবা মীদা মখল কয়াগী ফল পিবা উরি — অমদনা অফবা ফল পিরি, মী অমদনা ফত্তবা ফল পিরি। জ্যোতিষ শাস্ত্রগী মথৌদি মীওই খুদিংগী মরনাইগা তোঙাল-তোঙালবা য়াওলগা গ্রহশিংগী শক্তিশিংগী য়াওলগা মবি লৈনবা লৈনদবা, তিন্নবদা চান্নবা চান্নদবনা মবম ওইহুনা অফ-ফও মতৌ ফংবগী মরমদা নৈনবনি।

হুমিংনা মশাবু ওমক উংবদা থাজগা মান্নবা হুমিং ২৭ নিগা পুং ৭ই বোম চংই। চহি ১১ খুদিংগী হুমিংকী অরাং মেরুগী পোজি-টিভ (Positive) কা খা মেরুগী নেগেটিভ (Negative) কা ওনৈ, অসুম্না হুমিংকী মেগনেট (Magnet) না হুমিংকী মশাবু অমুক কোইন্দা চহি ২২ চংই। চহি ১১ খুদংগী নেগেটিভকা পোজিটিভকা ওন্নবা মতাংদা হুমিংগা তত্তনা পোখাইবা থোক্লনা মৈরি রাংনা-রাংনা কাই। মতাং অদুদা হুমিত্তা লৈবা তত্ত্ব (Element) খুদিংগী পরমানুনা মশাগী মণ্ডলগী ইপোম থাদোরকই। মতুদগী বৈজ্ঞানিক-শিংনা অয়াম্বা তত্ত্বশিং মশক থংবা ঙমখরে। তৌজিক ফাওবদা পৃথ্বীদা ফংবা তত্ত্ব (Element) ৯২ গী মনুংদা ৭২ দি হুমিত্তা লে হায়বা খংখরে।

হুমিত্তা লৈবা মরু ওইবা তত্ত্বদি হায়দ্রোজন অমসুং হিলিয়মনি। লোইননা যোৎ, কোরি, সনানচিংবা মখল-মখা অয়াম্বা ধাতুশিংগী গোস (Gas's) সু লৈ। হুমিংকী গ্যেস অসি ময়াম্না খংনবা গ্যাসকা মান্নদে। হুমিংকী লৈনাইগী ডেনশিটি (Density) ঈশিংদগী শরুক অনি হেল্লা কুংই; মাগী লৈমায় অসি ভোলকেনো (Volcano) গী লাবা (Lava) না সোবগুম্না মতম লৈবা থিবিক্লা পুতুক-পুতুক সোহুনা লৈ। অহুম্না থৌরাল-মিচাক খরগী স্ত্রকচরগা য়েংনবদা বিশ্ব-জগত

ওইরিবা তত্বশিং অসি অমত্তনি। মৈশা (Heat) না মরম ওইদুনা য়ৌগিক (compos) তোঙাল-তোঙালবতনি। অয়াম্বা থৱালমিচাক-শিং অয়াংবা তত্বশিংনা ওইবনি। ঐখোইগী গেলেক্সি অসিদা নুমিৎকুম্না ধাতুশিংগী তত্ব য়াওবা থৱালমিচাক তাংই।

থবালমিচাক করোড কয়াগী মনুংদা কবিগুম্দা থৱালমিচাক অমগী মশাগী গ্রহপ্রনালী Planetary system লৈজরবসু ইলায়-লাইনা জীব পানবা লৈবমগনি হায়নিংঙাই লৈতে। মরমদি থৱালমিচাকশিংগীসু অককনবা মপুন্সি অমা লৈজে। মপুং ফারবা, ধাতুনচিংবা য়াওবা, মশাগী গ্রহ প্রনালী Planetary system লৈজবা থৱালমিচাক্না মশাগী পুন্সি তংথাই চল্লবপদা জীবাত্মা বলয় (থবালমিচাক্না কোইদুনা লৈবা জীব পোকপা যাবা রিং) পোকলকই। জীবাত্মা বলয়গী মযাইমক্তদা ধাতুনা ক্রোর (Megma) (ধাতুশিংগী অশাবা মহী) ওইবা গ্রহ অমগী গ্রহ অমগা ওর্বিট (orbit) ওইগদবনি। অরাম্বা অমদি বোন চানা পৃথ্বীগী থাজগুম্না উপগ্রহ অমা লৈগদবনি। মতৌ অসুম্না তৌরবদি চাওখৎপা জীব লৈবমগনি হায়বগী আশা তৌবা য়াই। মবম অদুনা বিশ্ব-জগতা জীব যাম্না তাংই।

নুমিৎনা নহা ওইরিবৈদা জীবাত্মা-বলয় নুমিৎপু কোইদুনা লৈরিবা "রিং" অসি চাওরম্মী, অগল ওইশিল্লকলগা অসুম অসুম পিকশিল্লকই। মতম অমদা নুমিৎকী জীবাত্মা-বলয়, মঙ্গলগ্রহগী ওর্বিটতা মযাই তাবম্মী। মতম অদুদা মঙ্গল হানৌনা লেং-লেং চৎলম্মী, প্রকৃতিগী শাম্নপুং ওইবম্মী; তৌইগুম্বসুং মঙ্গলগ্রহদা তিল-কাং নত্তনা চাওখৎপা জীব পোকপা ঙমলমদে। মরমদি মঙ্গল পৃথ্বীদগী পিকই, মাগী ব্যাস মাইল ৪২৬০ দনি। মাগী উপগ্রহ অনি লৈ— ফোবোস (Phobos) অমসুং ডেভোস (Devos)। মখোই অমমমগী ব্যাস মাইল ৩০ দগীসু তায়। মখোইগী ওর্বিট গ্রহগা অসুক্কী মতিক নকনৈ, মঙ্গলগী ক্রুবদগী য়েংবদা মশক উবা ফংদে। চাওখৎপা জীব পোকপগীদমক নুমিৎ, গ্রহ অমসুং উপগ্রহ মখোই অহুমগী শক্তি অসি অমনা অমবু নপুং

ফাহনবা অমসুং অহুমগী পাঙ্গলনা জীব ওইবা অমসুং পোকপদা লিচিং অমদা চৎমিন্নগদবনি। মতু মঙ্গল গ্রহদদি ওইথোক্তে। মরমদি উপগ্রহ অনি লৈবনা শক্তি মশেল চিংখাই-রকপনা ১পুং ফাবা চাওখৎপা জীব ওইবা উমদে। পৃথ্বীগী ওর্বিটতা লৈরিবা [illegible] জীবাত্মা-বলয় অসি পিকশিল্লক্লনা নোংমদি শুক্র গ্রহগী ওর্বিটতা তারনি; মতম অতুদা শুক্রদসু চাওখৎপা জীব পোকপা উমলোই, মরমদি শুক্রগী উপগ্রহ অমত্তা লৈজদে।

বুধ শুক্র, পৃথ্বী অমসুং মঙ্গল গ্রহশিংবু আন্তরিক গ্রহ (Inner Planet) কৌই; মখোইগী ক্রোড় (Megma) ধাতুনা ওই। বৃহস্পতি, শনি, য়ুরেনস, নেপচ্যুন অমসুং প্লুটোনাচিংবু বাহ্য গ্রহ (Outer Planet) কৌই: মখোইগী ক্রোড় নুংঙাইনা ওই। মতম অমদা জীবাত্মা-বলয়না মখোইগী ওর্বিট, মপাচানা তাখরে: তৌই-শুবসুং জীব অমত্তা ওইবা উমখিদে। মরমদি জীব অমা ওইনগী য়াংলেন শক ওইরিবা ধাতুশিং মতিক চানা ফংদে।

ঐখোইগী পৃথ্বীদা লৈরিবা জীবশিংগী দমক্তদি নুমিৎনা থবাইনি, পৃথ্বীনা হকচাংনি, থাজনা পুক্লিংনি। জীবদা ফল পিবা ঙংগী শক্তি অসি গ্রহশিংদদা লৈ। নক্ষত্র অমসুং রাশিদি হৈগী মথৌ ঙাংতনি গ্রহশিংসু থাজনা লৈবা ফিভমগী মতুং ইন্না অফবা ফল পি। কনাগুম্বা মী অমগী জন্ম কোষ্ঠিদা অফবা যোগ কয়া য়াওরবসু চন্দ্র অমসুং লগ্নপতিনা ৬, ৮ নত্রগা ১২ সুবা য়ুমদা লৈরবদি কৈদৌনুংদা অফবা ফল ফংলোই। মরম অদুনা চন্দ্র অসি জ্যোতিষ শাস্ত্রদা য়াম্না মরু ওইবা গ্রহ ওইনা লৌই। ঋষি পরাশরনসু হায়রি:—

যা দৃশেন শশাঙ্কেন সংচরাতে নৃনাং।
তা দৃশং ফলমাপ্নোতি শুভং বা অশুভম॥

মী খুদিংগী কোষ্ঠিদা চন্দ্রগী মতুং ইন্না গ্রহশিংনা অফ-ফত্তবা ফল পিরি

মিশ্র, ভারত, চীন, গ্রীক, ইটালীনচিংবগী জ্যোতিষ-শাস্ত্রদা দশা মথল ৪২ চংনৈ, হায়রিবা দশাশিং অসি চন্দ্রগী খোংচংতগী পু থাকপা ভাক্কনি। মরমদি ঐখোইগী হকচাংগী ঘড়ী হায়বদি মিৎলগী খোংজেলগী মতুং ইন্না চংপনি। চন্দ্র ঘড়ী অসি সৌর্য ঘড়ীদগী খোংজেন খর য়াংই। মিওইবনা পুক্লিংনা পান্না মতুং ইন্না মশা-মশাগী লমচং চংলি। অসুম্না মী মহাক-মহাক্কী থাজগী খোংচংকী মতুং ইন্না দশাসু তোঙাল-তোঙাল পুথোকই। নুপী-নুপা শরুবা য়েংবদা অহানবদা অনিমক্কী চন্দ্রগী লৈফম মতুং ইন্না য়েংই, মরমদি চন্দ্র অসি মিওইবগী পুক্লিংগী মপুনি। পুক্লিং অনিনা তিন্নদ্রবদি লৈমিন্নবা ওইখোক্তে। মবম অতুনা চন্দ্র অসি পুক্লিংগী মপু ওইবনা জ্যোতিষ শাস্ত্রদা খ্বাইদগী মরু ওইবা গ্রহনি।

থাজ হায়বা অসি সৌরজগৎতা থোইনা মগুন লৈতবা, পৃথ্বীগী পিকখ্রবা উপগ্রহ অমনি; তৌইগুম্সুং জ্যোতিষ শাস্ত্রদা চন্দ্রগী শক্তি অমসুং মগুন অতুক য়ান্না লৈরিবা অসি করিগীদমক্কুনো? মাসগী মরম মখাদা উৎচনি। হুসিফাওবা হিরম অসোমদা কনা অমত্তনা নৈনদবি।

ভারতকী জ্যোতিষ শাস্ত্রদা নক্ষত্র অমসুং তিথিযলগী মরমদা য়াম্না কুপনা শন্দোক্লা নৈনখরে। রাশিগী মরমদা ইজিপ্ত অমসুং গ্রীক্কী পণ্ডিতশিংনা শন্দোক্লা হায়খরে। নক্ষত্র ফল, রাশিফল অমসুং তিথিফল পুন্নমক্কী হৌরকফম থাজগী খোংচংতগীনি। থাজনা নক্ষত্র ২৭ কী মনুংদা নক্ষত্র অমদা লৈবদা নক্ষত্রতুগী ফলনি হায়নৈ থাজগী ফলান হায়নদে। থাজনা রাশি ১২ গী মনুংদা রাশি অমদা লৈবদা রাশিতুগী ফলনি হায়নৈ। মতৌ অসুন্না নোংমা পানবদগী থানিল ফাওবা চন্দ্রকলা হায়রবদি থাজনা নোংমা-নোংমগী চাওখৎলকই অমসুং ১৬ নি পানবদগী থাশি ফাওবা মথং মথং পিকথরকই। মরম অসিনা নোংমা নোংমগী পৃথ্বীদা লৈবা চন্দ্রগী চিংশিনবগী শক্তি তৎতনা হোংছুনা লৈ মতৌ অসুম্না থাজগী নোংমগী কলা হায়বদি খোংচংপু জ্যোতিষ

শাস্ত্রদা তিথিফল কৌই। পৃথ্বীনা ৬৬২ কোনদা লুকথদুনা নুমিৎপু য়েক্রুম মওং মানবা ওর্বিট (Orbit) তা কোইবা মরম্না ঋতু নাইরিবনি। পৃথ্বীগী ওর্বিট য়েক্রুম মওং মান্না নুমিৎপু কোইবা মরম্না নোংমা-নোংমগী ওইনা থাজগী আকর্ষন শক্তি (Gravitation) গী লমচৎতা য়াম্না কুপ্না খেন্নবা লাকই।

নুমিৎকী মণ্ডাল অমদি করেণ্টনা য়োমদুনা লৈবা পৃথ্বীদা থাশি-থানিলদা তন্দুনা জ্বার-ভাটা কারকই। সমুদ্রগী ইথক অসি করিগুম্বা মফমদা ধুট ৫০´´ রাংনা ফাওবা কাবা লৈ, অমসুং কংফালদসু করিগুম্বা মফমদা ইঞ্চি ৫´ ফাওবা জ্বার কায়। কংফালগী জ্বার কাবগী মরমদি পৃথ্বীগী লৈন্নংগী মযাই (Megma) ক্রোড অসি মহী চেনবা অশাবা ধাতুনি; মদুদা মহাদেশশিংনা তাওদুনা লৈবা মবম্না যংগাহাবদা লৈপাক নিকপসু মরম অসিননি। হিরম পুন্নমক অসিদগী গ্রৈথোইনা তশেংনা থংবা ওমলে— মদুদি থাজ অসি খ্বাইদগী নকুবা য়ুমলোনবা ওইবা মরম্না মাগী আকর্ষন শক্তিনা খ্বাইদগী হেন্না পৃথ্বীবু চিংথৎলি। মথা অমুক থঙবিয়্:— মালেমবু য়োমশিল্লিবা মণ্ডাল, অয়ন-মণ্ডল, রান-এলেন বেল্ট, করেণ্ট, ঈশিং-নুংশিৎতা চন্দ্রগী শক্তিনা বদায় ফাওবা শান্নরমগনি? কোরৌ অমসুং গ্রহশিংগী পৃথ্বীদা তারকপা শক্তিশিং অদুবু থাজনা বদায় ফাওবা ক্তমদুনা পুবগে? মিওইবদা চন্দ্র শক্তিগী মমি তাফম ওইরিবা থম্মোই অমদি পুক্নিং, ঈ অমদি বাথল চন্দ্রনা হুমদুনা পুরি। চন্দ্রনা মফম চানা লৈত্রবদি বাথল চোই থাশি-থানৌ হৌই। অসিদা নত্তনা থোপ, শিংলি অমসুং হকচাংগী করেণ্ট পুরিবা জ্ঞান-তন্তুশিংদা বদায় ফাওবা শান্নরকপগে?

হায়বনচিংবা কয়াগী পাওখুম জ্যোতিষ শাস্ত্রনা পিদুনা লাকই। তোইগুম্বসুং মরম অমদি হিরমগী মরমদদি করি অনত্তা হায়বা, নৈনবা থেংনদে। ফল হায়বদি মহৈ পিবগী মরমদদি জ্যোতিষ শাস্ত্রনা য়াম্না শন্দোক্না তাকলি। থুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মিওই অমগী জন্ম কোষ্ঠিদা চন্দ্রনা সপ্তম হায়বদি নুপী মফমদা লৈরবদি মাগী পুক্নিং

ৱাখলদা অয়াম্বা মতমদা মুপীগী ৱাখলতা খনগল্লি। মরিম্মুবা যুমদা লৈরগনা মুংঙাইনবা, য়ুম ইংখোল মরুপ-মপাং অমসুং সাংসারিক বৈভবগী মরমদা অয়াম্বা মতমদা খনগনি। মতৌ অসুমনা চন্দ্রনা লৈবা য়ুম যুমগী মতুং ইন্না মিওইবনা ৱাখল খল্লি।

পাম্বীগী মরুনা মশা-মশাগী পারি-পুরি (Hereditary) গী মতুং ইন্না লৈশা অমত্তদগী মাচঞ্জাক চিংখৎল। নোংবালখা পাম্বীগী সেলস (Cell's) গী মথৌদি অখাবা মহী শেম্বনি; অতুনা অখাবগা মবি লৈনবা পোৎলমশিংদা লৈপাক্কুগী চিংখৎলি। অসুমনা চু পাম্বীগী সেলসনা অথুম্বগা মরি-লৈনবা পোৎলমশিংদা চিংখৎলি। সেলসশিং (Cell's) দা মশাগী মগুণ অমা লৈজে, মতুদি লৈশা অমত্তদগী তোঙাল-তাঙালবা মহাও চিংখৎপা ঙম্মী অমসুং মচুম মখল কয়া, রসায়নগী পোৎলমশিং অমসুং বিটামিন কয়া ওলহনবা-পুথোকপা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না মু শাগী মঙাল তৱেৎতগী মথৌ লৈবা মঙাল অমসুং মাচঞ্জাক পাম্বীগী মনাশিংনা চুপাশিল্লি।

নিভৃইবস্তু মশাগী মথৌ লৈবা পোৎলমশিং চিঞ্জাক অমসুং মুংশা মঙালদগী লৌরি। তৌইগুম্বসুং প্রকৃতি অমসুং অতৈ জীবগা তাইবং মীগা যান্না খেন্নবা লৈরি। মতোন্দা লাইপোক ওলহনবা ঙম্বা খুৎপা অমসুং ঈশ্বরগী শক্তিগা মান্নরবা কোক্তা থোন অমা যাওরি; মতুনা বুদ্ধি অমসুং জ্ঞানগী পুকৈ তুংশন্দুনা থম্বা ঙম্মী অমসু মতম লাকপদা শেজিন্নবস্তু ঙম্মী। মিওইবগী খোপকী জ্ঞান, বুদ্ধি ৱাখল অমসুং কল্পনাগা মরি লৈনবা ইপোম অমসুং শক্তিশিংগী মথৌ পাংথোকলিবা অসি পুক্নিংনি। পুক্নিংদা তুমদুনা লৈবা, তুমফাৎত্রিবা অমসুং য়াকায়দুনা লৈরিবা লৌশিং অমসুং জ্ঞানগী শক্তি কয়াগী পুকৈনা থন্দুনা লৈ। হেন্না খং-হৈগনবা, অতিমানস ওইবা, লৌশিং জ্ঞানগী ইছলনা নচিন তুম্বা, মসিবু জৈনশিংনা "লব্ধি" কৌই; বৌদ্ধশিংনা ঋদ্ধি নত্রগা অভিজ্ঞান কৌই অমসুং যোগ পরমপরাদা বিভূতি কৌই। পুক্নিংগী শক্তিশিংগী অঙকপা থৌদৌ কয়াগী শিংথাবা

ফংই। মিওইবনা পুক্লিংগী শক্তিশিং অতুবু মপুং ফানা শিজিন্নবা ঙমলবদি অঙক-অঙকপা থবক কয়া তৌবা ঙমগনি অমসুং মিওইবগী কোক অচৌবা রিমোট সেন্টর (Remote centre) অমা ওইবা ঙমগনি। হৌজিক জর্মনগী বৈজ্ঞানিকশিংনা রিমোট (Remote) য়াওদনা টি ভীগী চেনল হোংবা অমদি এলক্ট্রীকনা তৌবা যাবা থবক খুদিংমক মিওইবগী পুক্লিংগী অপাম্বগী সিগনেলনা পাংথোক্লবা হোৎনরি, থর খোইদি মাযপাকপগী মতাং য়ৌশিল্লকলে। মসিগা লোইননা আকর্ষন শক্তি (gravitation) শিজিন্নবা ওইবং মীনা শম্নক্লবদি সৌরগত শিনথুংনা কোইক্লবা লাইনা থোক্কনি। শাস্ত্রনস্থু পুক্লিংগী মরমদা হায়বি— "মনঃ সার্বেন্দ্রিয় প্রবর্ত্তক অন্তরেন্দ্রিয় মনঃ সর্বময়ঃ কর্ত্তা।" পুক্লি – ইন্দ্রী পুম্নমক্কী হৌরক ফম্নি, পুংগী ইন্দ্রী পুম্নমক্কী থৌবুস্থ পুক্লিংনি। মিওইবগী পুক্লিংদা বা মগী শক্তি যাওবা ইহল বযাবু পাকপিবা ঙম্না "চেতনা" বযা যাওরি। চেতনা হায়বদি 'জ্ঞান-লৌশিংগী ইহলগী নোংথাং" মিওইবগী অমত্তা ঙাইবা "ব্রহ্ম" গী শক্তিনি। মওইবা অসি অথোইবা সেলস (Cell's) কাবোড বযাগী বিশ্বরূপনি। মহিরেন বযানা, তত্ত্ব কয়ানা অমসুং মঙালগী ইপোম কয়ানা পুনর্শিল্লগা ওইবা। "দিব্য রূপ" নি, অবতার পুরুষনি, লাইপোকনি।

মিওইবনা চপহনা নিংথিবা অপাম্বা অতুত্তযাম্বা মতমদা নিংবা থংই। মরমদি ইচ্ছা শক্তিগী হৌবকফমদি মী মহাক্কী, নহানমপোক্কী অপাম্বা অতুনি। ভাগ্য মখল অনি তুই নহানপোক্কী কম্মফলদগী ফংকপা লাইপক অমা, হননক মপোক্কী ইশা-ইশানা ভুক-ফত্ত তৌত্তুনা তানজবা লাইপক অমা। মিওইবনা মশা-মশানা লৈরিবা অকোয়বগী ফিভম (Environment) গী মতুং ইন্না অমসুং পারি-পুরি (Hereditray দগী যাওজবকপা অফ-ফত্তবা গুণ কয়ামক্কম অতু থবক ওইনা পাংথোকপস্থ মী মহাক্তি অমসুং থৌবুস্থ মহাক্তি। মানা-মানা তৌরিবা কর্ম্ম অতুগী ফল মপোক মপোক ফংতুনা চৎথরি। মিওই খুদিংমক মশাগী

কর্ম্মনা মরম ওইদুনা ভূত, বর্ত্তমান, ভবিষ্যগী অফ ফত্ত পুন্নমক্কী মল ফংনবা মী মহাক-মহাক্না মশা-মশাগী য়াওল শেমজবনি। য়াইফবা যাইফদবা মানা-মানা তৌবা কম্মগী ফলনি। গ্রহশিংনা কনাদসু শবাবা নুংঙাইবা ফল পিদে। মখোইদি মশাগী ইচেল অমসুং য়াওলদা মশা-মশাগী ওর্বিটতা লৈদুনা লৈজবতনি। গ্রহশিংনা মিওই খুদিংমক্কী নহানপোক্কী কর্ম্ম অমসুং হন্দক মপোক্কী কর্ম্মনা মরম ওইদুনা অককনবা মতমদা ফংগদবা অফ-ফত্ত ফল তাকপতনি। পুম্ব লৈবা, মশাগী আত্মশক্তি অমদি পুক্লিংবু মাইগৈ পিবা ওম্পা, জ্ঞান-লৈবা চুপা থোবপা শিংনা গ্রহশিংনা তাকলিবা অফ-ফত্ত শক্তিশিংবু যাইফ-মঙ্গলগী মাইগৈরোমদা পুবা ওম্বগী শক্তি লৈ। মদু নত্তবশিংদি নহানপোক্কগী যাওজবকপা মূল প্রকৃতি (Instinct) অমসুং গ্রহশিংগী মপোক-মপোক নাইথং ওইবা তাবান। মহৌ করম তৌরগা নাইথাং অ স কোকপা উমগদগে হায়ববু অক্ষবা কর্ম্ম সাধনা তৌবা হায়রবদি তাইবং যু ন শথাপকী থবক পুম্নমক সাত্বিক ভাবনা অশেংবা অচুম্বা রাখলনা মাংওইনবগা কম্ম তৌবা ঙমনবা হোৎনবা। ওম্মি মথৈ মতম-মতমগী মতুং ইন্না অডাপলবা লম্বী খল্লগা চৎনবা হোৎনবা। ডাইহাক্কী পেন্নবসু পেনবা স্থকনাই নাইদবা কল্পবা ভাবনা আস সাংসারিক শক্তিগী পুমদমনি, মসি সাধনান মরম ওইদুনা মিওইবা জাতিগী যাইফবা অমসুং শান্তিগী পান্থে ওইনবা হোৎনবা তাবান। ওসি মিওইবা সমাজ পুম্নমক্কী আত্মানা শান্তি অমসুং য়াইফবা পামম্লি। ঐ অমা, সমাজ অমা অমসুং দেশ অমা হিংগে, নুংঙাইগে, যাইফগে হায়রবদি মহাক্না মতোপ্পা মী, সমাজ অমসুং দেশপু হিংহল্লগা, নুংঙাইনবা হোৎনমিন্নবগা ঐ হিংগনি, সমাজ অমসুং দেশ হিংগনি নুংঙাইগনি। তৌজিক্কী যুগ অসিদা শান্তি হায়বা অসি থাইদোকপা, মচেৎ তাহনবা স্থকযা যাদগা পোৎশকনি। শান্তিবু লৈববদি মশানা নুংঙাইজবকপা তাবনি।

লক্ষ্মীনা তুংগী উদবা মীগা কৈদৌনুংদা লৈমিন্নদে। থাংচৈশেংবদি থবক খুদিংমক্তা পুক্লিং চংদবা অতনবনা মাংওইনবা, তুংগী থনদবা

মিওইশিংদি অয়াম্বনা শেন-থুম ৱাৎত-পাদবা, চাওখৎপা নুংঙাইবা মপুন্সিদা মশক খংদবা তোকই। মশাগী থবক্তা পুক্সিং চংবা, হোৎনবা তনদবা মিওইদি যন লাইরদনস্থ লাইরবনা লাহৎপা ঙমদে, অমদি মুপা থোকপগী নাপল অমা লৈজবস্থ মাংহনদে। নুংঙাইবা অমগা য়াওনা পুক্সিং চপ য়ুংনা মশাগী মথৌ তৌরিবা সাহিত্যকার, কলাকার, বৈজ্ঞানিক নত্রগা থুংনা শুবা মিওইস্থ ওইসনু মায়পাক্তনিঙাই, মমিং চৎতনিঙাই, ফাওর্দনিংঙাই লৈতে। মতৌ অম্বম্বা কর্ম্ম সাধনা তৌতুনা শক্তি লৈবা, লাইপক শেম্বা ঙম্বা মিওই অমা ওইবা ঙম্মী। কর্ম্মনা তাইবং মী লাই ওনবা ঙম্মী। বিধাতা অমস্থং বিশ্বজগত পুম্নমক কর্ম্মগী মথা পোল্লি। পরা-অপরা শক্তি অমত্তনা কর্ম্ম ৱাংমা লানবা ঙমদে। কর্ম্মগী মগুন দেবতাদগী হেল্লি, মতোন্দা বিধাতা পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈ।

জ্যোতিষ শাস্ত্রদা পৃথ্বীনা সৌরজগতকী ময়াইনি হায়না লৌই। মরমদি গ্রহশিংগী শক্তিগী মমি অমস্থং গ্রহশিংবু মথৌশংলিবা নক্ষত্র অমস্থং রাশিশিংগী ইথিনগী শক্তি পৃথ্বী অমস্থং পৃথ্বীদা লৈরিবা প্রকৃতি অমস্থং জীবশিংদা মতৌ করম্না মমি তাবগে অমস্থং করম্বা মওংদা মহৈ ফংবগে হায়বা অসি জ্যোতিষ শাস্ত্রনা নৈনবনি। হিরম অসি নৈনবা তাবনা পৃথ্বীনা সৌরজগতকী ময়াই ওইনা লৌবা অসি মশানা তাবনি। ভুমিংকী শক্তি অমস্থং মণ্ডাল, গ্রহশিংগী আকর্ষন-প্রত্যাকর্ষনগী অরোই-অথম নাইদবা শক্তিশিং, পৃথ্বীগী হাযঙমদনা খেংবা বিজলীগী ৱান এলন-বেল্ট, ওজোনগী কুয়োম, করেন্ট কয়াগী ইথিন, ইশিং-নুংশিৎনা চিংবা শক্তিশিংগী মমি লেংই পাল্লিবা জীব অমস্থং প্রকৃতিদা মতৌ করম্না তাবগে অমস্থং পানগী শক্তিশিংগী হৌরকফম ওইরিবা নক্ষত্র, রাশি, ভুমিং অমদি গ্রহশিংগী মরমচৎ, গ্রহমশেল অমগা অমগা লৈনবা মরিগী ফল মতৌ করম্না মিওইবদা মশা-মশাগী য়াওনগী মতুং ইন্না মমি তাবগে হায়বনচিংবা পৃথ্বীনা সৌরজগতগী ময়াই ওইরগা নৈনবনি। গ্রহশিংগী অকুপ্পা খোংজেল অমস্থং অঙ্ক লাইনা

খোংনবগী দনক নুমিংনা সৌরজগতগী সেণ্টর ওইনা লৌবনু মথৌ লৈ। মথক্কী হিবম কয়া অসিদগী তশেংনা থংলে তাইবং মী অমা ওইবদা গেলেক্সীদা লৈরিবা গ্রহ, নক্ষত্র থরালমিচাকশিংগী অপুনবা শক্তি অমা চংই।

জ্যোতিষ শাস্ত্রদা নোংমগী কয়াৎ নুমিৎ থোকপা অমদগী মথংগী নুমিৎ থোকপা অমা ফাওবা লৌই। পৃথ্বীদা তারকপা নোংমগী নুংশা মণ্ডাল, গ্রহশিংগী আকর্ষন শক্তি অমসুং করেন্টকী মতুং ইন্না য়েংলবদি জ্যোতিষনা নোংমগী লৌরিবা পুংকম অসিনা বৈজ্ঞানিক ওই। নুমিৎ থুদিংগী মণ্ডাল অমদি করেন্টকী শাজৎ অসি হোংই। নোংমগী অপুমবা শক্তম যেংবদা চাওবাক্লা নুমিৎ থোকপা অমদগী নুমিৎ থোকপা অমা ফাওবা, মণ্ডাল, করেন্ট অমদি ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম মান্নে। নুমিৎ থোকপদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা লৈরিবা মণ্ডাল, মেগনেট, করেন্ট অমসুং ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অহিং চুপ্পা নুমিৎ থোকত্রিবা ফাওবা অযাম্বা মতমদা লৈ। নুমিৎকী শাজৎতা করিগুম্বা মতমদা অহোংবা লাকপ; পৃথ্বীদা অচৌবা মৈগী চীং পোকখাইবা, সমুদ্রগী শাজৎ হোংহনবা ঙম্বা অচৌবা যুহাহাবনচিংবা নত্রবদি পৃথ্বীগী মৈ, ঈশিং, নুংশিৎকী ফিভম অযুক, নুংথিল অহিং চুপ্পা মান্নগল্লি। মরম অহুনা জ্যোতিষনা নোংমগী কাযাৎ নুমিৎ থোকপা অমদগী নুমিৎ থোকপা অমা ফাওবা লৌই

জ্যোতিষ শাস্ত্রগী মাইরিক খুদিংমক্তা চন্দ্র অমসুং লগ্নগী মতুং ইন্না ফল লেপকদবনি হায়বা অমা তোযনা থেংনৈ। মসিনা মরম ওইদুনা অপাবা মী অমসুং মসিগী শিনফমদা লৈবা মিওইশিংদা চমমনবা হেক-হেক থোকহল্লি; চন্দ্রগী মতুং ইন্না ফল লৌগদরা নত্রগা লগ্নগী মতুং ইন্না ফল লৌগদবা? হিরম অসি মুন্না নৈনবা তাবনি। বদায়-কদায় ফাওবা চন্দ্রগী মতুং ইন্না ফল লৌগদগে অমসুং লগ্নগী মতুং ইন্না ভাবফলনা কদায় ফাওবা কোনবগে হায়বা অহু কুপ্পা মুন্না খংদোকদবনি।

মীওইবগী পুক্লিংবু পুরিবা গ্রহ অসি চন্দ্রনি ; ঈ অমসুং থম্মোয়গী ১পুন্ন চন্দ্রনি। মরম অতুনা ঈ, থম্মোয় অমসুং পুক্লিংনচিংবগী মরমদা চন্দ্রগী ফিভম কুপ্পা নৈনরগা খন্নগনি। যুম ১২ গী মন্থংদা মরিস্সুবা যুম পুক্লিংগী মফমনি। মরম অতুনা পুক্লিংগী অফ ফত্ত খন্নবদা চন্দ্রগা লোই-ননা মরিস্সুবা যুমগী ফিভম অমসুং যুমবুগী অফ-ফত্তা অমসুং মপাঙ্গলগী মরমদা নৈনগনি। মরম অতুনা চন্দ্র অমদি মরিস্সুবা যুমগী যুমবু, কেন্দ্র হায়বদি ১, ৪, ৭, ১০ সুবা যুমদা লৈবা নত্রগা কোন হায়বদি ৫, ৯ সুবা যুমদা লৈবা অমসুং পাপগ্রহনা যেংদবা লৈমিন্নদবা শুভ গ্রহগা লৈমিন্নবা অমসুং য়েংলবদি ৪ সুবা যুম্না পিবা অফবা ফল ফংই। খুদম ওইনা হায়ববদা লৌবি যুমফম, যুম-কৈ, গাড়ী, মরুপ, ইমা, শিনফম অমসুং পুক্লিংগী মরমদা অফবা ফল ফংই। চন্দ্র অমসুং ৪ সুবা যুমবুনা ৬, ৮, ১২ সুবা যুমদা লৈবা ; অমদি ৬ সুবা ৮ সুবা যুমবুগা লৌমিন্নবা নত্রগা মখোইনা য়েংলবদি পাংদে। তবং চৎপা, না-পু ভাবা রাৎপা, হেক্সিন্নগা ভাওবা অমসুং ৪ সুবা য়ুমগা মরিলৈনবা অফবা ফল লোইনা মাংবগা লোইননা ফত্তবা ফল ফংই। লেমহৌরিবা গ্রহ অমদি ভাবনচিংবা লগ্নগী মতুংইন্না ভাবফল বিচার তৌগনি। ফল পুন্নমক্কী ভাব ফল হায়বদি যুম-য়ুমগী ফল মতুং ইন্না লৌবা ফলনা খ্বাইদগী চুম্বা হেল্লি।

ভাব হায়বদি যুম খুদিংমক নৈনবা অমসুং খন্নবা মতমদা খন্নরিবা ভাব অতু অহানবা ভাবনি হায়না লৌরগা ভাব ১২ মক সুনা খন্নগনি। ভাব অতুগী কেন্দ্র কোনদা লৈবা গ্রহশিংগী মরমদা নৈনগনি। মতুংদা মী মহাক মহাকী লগ্নগা লোইননা মীমাংসা তৌগনি। খন্নগ-দৌরিবা যুম অতুগী কেন্দ্র কোন্দা লৈরিবা গ্রহশিং অতু য়ুমবুগা মিত্র ওইবরা, শত্রু ওইবরা ? করি-করি যোগ তায় হায়বা কুপ্পা য়েংগনি। ভাব অমতং খনগৎলগা নৈনবদা কৈদৌনুংদা ফল মপুং ফারোই। যুম ১২ হায়বদি ভাব ১২ অসি মীওই অমগী অপুনবা শক্তমনি। মতৌ অসুম্না ভাব ১২ মকসুনা নৈনরবদি মপুং ফাবা, অচুম্বা ফল ফংবা ঙমগনি।

নুমিৎ অমসুং নক্ষত্রশিংগী মরেক-মণ্ডাল, মপান নাইদবা অতিয়া'দা শন্দোকলিবা অসি গ্রহ খুদিংমক্না চিংশিল্লি। মতৌ অসুম তৌদুনা অতৎ-অথম নাইদবা মরেক-মণ্ডালগী ইচেল গ্রহ খুদিংমক্না চেনথরি। চেন্থরকলিবা মরেক-মণ্ডালগী মরিকশিং অদু গ্রহ অদুদা লৈরিবা মরি লৈনবা তত্ব (Element) থেংনরগা চুপশিনখি। মদুনা তত্ব অদু অমুক হেন্না মপুং ফাহল্লি অমসুং হেন্না মথৌ পাংথোকহল্লি। মরি লৈনদবা মণ্ডাল-মরেক্না থকথোকখি। তত্ব অদুদা মরি লৈনদবা মরেক-মণ্ডালনা তৎতনা তাশিল্লক্লবদি তত্ব অদুগী শক্তম মাংশিল্লকই ; মদুনা প্রকৃতি অমসুং মীওইবদা অমাংবা থোকহল্লি। গ্রহশিংগী আকর্ষন-প্রত্যাকর্ষন্না মরম ওইদুনা মণ্ডালগী শাজৎ-লমচৎকী অথুপ্পা মওং অমসুং চন্দ্রগী লিচিংনা মরম ওইদুনা পৃথ্বীদা য়োৎকলিবা মণ্ডাল, করেন্ট, মেগ'নটকী ইবৈ অমসুং করিগুম্বা মতমদা নোংলৈগী শক্তিগী মমি মীওইবদা তৎতনা তায়। তারকলিবা মমি অমদি শক্তি অসিগী ফল মান্নদে ; মরমদি জীবশিংগীসু মশা-মশাগী তোঙাল-তোঙালবা য়াওল লেজবনা ফলসু তোঙাল-তোঙাল্লি হায়বদি ফল অদু জীব অমদনা অফবা ওই, অমদনা ফত্তবা ওই। নবগ্রহগী শক্তিগী অথুপ্পা দশাগী মরমদি অসিনি।

বিজ্ঞান্না পরমানু যুগতগী থোংফম অমা থাজিল্লগা মণ্ডালগী যুগতা চংবা মতম ওইরে। মরেক-মণ্ডাল তরেৎকী হৌরকফম, য়াওল অমদি নিকপগী চাং, ইতিহাস, হৌরকফম তত্ব, লমচৎ-শাজৎ থংবা মথৌ তায়। গ্রহশিংগী আকর্ষন-প্রত্যাকর্ষন্না চিংথোক-চিংশিন তৌবদগী মরেক মণ্ডালগী শক্তম-মগুণ, শাজৎ অমসুং মাগী তৌবা ঙম্বা শক্তিদা অহোংবা লাকই-থংদোকনি। মতম অদুতদা প্রকৃতি অমসুং মীওইবগা নুমিৎ অমদি গ্রহশিংগা মরি লৈনবা বৈজ্ঞানিক ওইনা ব্যাখ্যা তৌবা ঙমগনি। মীওইবনা তৌবা ঙমলোইদোবা থবক লৈরোই। মীওই খুদিংমক অথোইবা "দিব্য মানব" লাইপোক ওইবা ঙমগনি।

কেলেণ্ডর
(CALENDAR)

পৃথ্বীগী (Megma) নুংগী অশাবা মহীনা ইংখরক্কপা অমদি নুমিৎকী মৈশানা খজিক্তুং হোংলকপদা মালেমগী ঈশিং-নুংশিংকী ফিভম অমদি খোংজেল পুমহোং হোংলকই। পৃথ্বীনা পোক্লকপদগী ঈশিং অমসুং কংফালগী শক্তম শর্মদ অইং অশা ওল্লনা হোংলকই অমসুং হোংখিনি। মসিগী মতুং ইন্না চৎ-চংত লেংই পল্লিবা থরাই পানবা খিবিক ঋতুগী য়াওলগী মতুং ইনবা ঙমনবা হোংনৈ; মতুং ইনবা ঙমলকত্রবদি মশাগী ফিভম-শক্তম হোংবা তারকই; হেন্না ঙমদ্রবদি মাগী কাংলুপ পুংমুৎ-মুৎখিবা হায়বা অসি মশানা তারনি।

তাইবং পরিং লাশং মশক থংগে হায়রবাদ চহি লাখ ৫০ গী মমাংদগী তাইবং চাওখৎ-খোংথাংগী লৈবোন মথং-মথং যাক্কৎতুনা য়েলহৌইদগী মালেমদা খোংদারকপা মীওই কাংলুপ বয গী পুন্সিরোল নৈনবা তারনি। য়েলহৌ মীনা চহি লাক্ষ ১০ গী মমাংদা মালেমদা মপুং ফারবা তাইবং মী অমা ওইনা খোংদারকই। মরক অসিদ উনগী যুগ (Ice-Period) মরি হৌখিরম্মী। জাভা, চীন, ম্যনমার ভারত, আফ্রিকা অমসুং ইয়ুরোপনচিংবা লৈপাকশিংগী শুরুংদা ফংবা শরু-ভারু (Fossil's) দগী ঐখোইনা থংবা ঙম্মী মতুদি চিঙ্গাক থিব অমদি হিংনবগীদমক তাইবং মীনা মালেম শিনথুংনা চৎপা তারম্মী।

পৃথ্বীগী অবাং থংবা নাপোম (Northern Hemisphere দা লৈবা শুরুং মীনা ঋতু খুদিংগী ওন্নকপা য়াওল অনদি শক্তং তত্তনা উরম্মী। নিংথমথাদা মথা ওনবা শুরুংশিংদা নুংশা মঙাং শাংনা চংই, কালেন্দদি নুংশা মঙাল চংদে। অসুম্না নুমিৎনা ঋ খুদিংগী মফম হোং-হোংদুনা থোকপা শুরুংদগী উরম্মী।

মালেমগী লৈচেন-ঈচেল অমদি ঈশিং-নুংশিংকী থাংডমজবা য়াওল কয়া থাংডুনা যেলহৌ মীনা চহি লাখ কয়াগী লৌশিং তাক্লকই। খোমলাংগা লোইননা ইমাদগী লোল, য়াথল অমদি লৌশিং ক্নমলকই। লোন্দ হাযবা অসি বাথল-লৌশিং পোকপিনী। মবমদি য়াথল হায়বা অসি খোম্লাক যাওদবা লোলনি। তাইবং মীনা কৈদৌনুংদা লোল যাওদনা য়াথল খনবা ঙমদে। মালেমগী মফম খুদিংদা লৈবা যেলহৌ মীশিংনা মানা-মানা লৈবা মফমগী লৈচেন-ঈচেল অমদি ঈশিং-নুংশিংকী চহি চুপ্পগী যাওল ইবানী খংলম্মী। সমুদ্রগী তোর্বান্দা লৈবা মীশিংনা খংলম্মী-অচৌবা ইথক-ইপোম কাবকপা অসি থাগা নবি লৈনৈ। ইথক কাবকপদা কংফালগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা যেলহৌ মীনা অতুপ্পা চৈ পাযডুনা শা-তানবগুম থিন্দুনা ঙা ফানবা হোৎনরম্মী। মথক্তা হাথখিবদা লৈঙোই খোৎলগা থরোই-কোঙ্গুং, ঙা ফারম্মী। তদুনা খেংনবদগী অকনবা নোং-নুংশিং নাকনি হায়বা অসি ইপাক্কী ইপোম অমদি হবাওখোলদগী খংলম্মী। কংফালগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবশিংনা খলম্মী শানা ঈশিং থকপা করম্না মতম অমদি মফমদা চৎলি করম্না মতমদা মচিঞ্জাক ভায; অমসুং করম্না তাঞ্জাদা খুদোং থিপ্পিডাই ওই। পৃথীগী অরাং থংবা নাপোমদা লৈবা শওমশিংনা শাংলবা নিংথম-থাহিপ করম্না মতমদা হৌগনি হাযবা মখোইনা খংলম্মী। শাঙা অমসুং উচেকশিংনা অবাপ্পদা চাকতাবা অমদি চাগোকপা করম্না মতমদা চৎকনি হায়বা খংলম্মী। নুমিদাংয়াইরম অমদি নোং ঙাল্লমদাইদা শজিনা চাকতাবা খংলম্মী। মানা মানা লৈফমগী তম্পাক লৈকংলা, অকুকপা উনং, সমুদগী তোর্বানগী চহি চুপ্পগী য়াওল খংলম্মী। পৃথীগী ঋতু খুদিংগী শক্তম খংননবগীদমক মহৌশা লাইবেন্থীগী খোংচৎ তানথা কযা লৈ। অসিগুম্না মালেম ইমাগী যাওল অমদি শক্তম থবা হিংননবগীদমক মখৌ তায়। গুইদগী হেন্না শিংথানিডাই ওইবদি য়েলহৌ মীনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাকপা কুমগী যাওল (Calendar) খংলকপনি

কোরৌগী তপ্পা হোৎলকপা য়াওল শক্তম খবগী মল্লুপ্পা থুনা হোৎলকপা থাজগী খোংচৎ-শক্তম খৎবনা হেন্না লাইনা থোকই; মরমদি মুমিদাং খুদিংগী মফম অমসুং শক্তম হোংই। থাশিদগী থানিল ফাওবা থাজনা নোংম- নাংমগী চ'ওখৎলকই; থানিলদগী থাশি ফাওবা নোংম-নোংমগী পিকথরকই। য়েলহৌ মীনা থাপনা শা তানবা চৎপা মতমদা মতম অমদি অরাপ্পা, থাগী খোংচৎ-য়াওলদগী খংনরম্মী। মখোইনা অর'প্পগী অশাংববু মতম্না ওন্নমই। হৌজিকসু চিংমী অমদি অতৈ জাতি কযানা অরাপ্পবু "কুইবা" হায়নৈ। মখোইনা থর়ালমিচাক থরবু মশক খংলম্মী। চিংথৈ শুল্লকপদা শজিক থাবানা থোকপা তনো উরম্মী। অরিবা মীনা কুমগী য'ওল খংলকপা অসি অচৌবা খোংথাং অমনি। মখোইনা পুথোকপা ঋতুগী খোংচৎকা থা খুদিংগী হোৎলকপা অতিয়াগী শক্তমগা চাংদমনরম্মী। য়েলহৌ মীনা ময়েক পুথোকপগী চহি লিশিং কুনগী মমাংৱায়দা অতিয়াগী কুমগী য়াওল (Calender) খংলম্মী।

মফম থরদা মহৌশা লাইরেম্বীগী লৈচেন ঈ'চল অমদি অইং-অশানা মৱম ওইতুনা হিংনবগীদমক চানবা উচৈ-ৱাহৈ ৱাৎলকপা যানবা শাগা লৈশিল্লকবা অমদি মখোইনা চারগা হুন্দোকখিবা উচৈ ৱাহৈগী মরুনা হৌগৎলক্কনা মহৈ পাল্লকপা উবা, লউশিন্নাগীদমক চান্নবা মফম অমসুং ঈশিং নুংশিৎকী খুদোংচাবা লৈবা অসি খিবিক্কা মরম ওইতুনা ভল্লিভৈগী মীনা অখন্নবা মফম খরদা লৌউ শিন্নাগী থবক পাইখৎপা হৌগৎলমই।

লৌউ-শিন্নাগী থবক হেক পাইখৎলকপদা পৃথ্বীগী য়াওল, ঋতু চপ চানা খংবা মথৌ তায়। লৌউবগীদমক নিংথম মরু, কালেন মরু, ঋতু, ঈশিং-নুংশিৎ অমদি পৃথ্বীগা মুনিৎকা মরি লৈনবা খংবা তায়। মরম অসিনা লৌউ-শিন্না পাইখৎলকপদা চমমনবা কয়া মাইয়োকনরমই। অতিয়াগী ফিভম, উচেক-য়ান্না, হারিনচিংবা অমদি পাম্বী কয়াদগী খংবা চাওরকপা ঋতুগী য়াওল (Calendar) লৌউ-শিন্নাগা

চান্নদরে। মরম অতুনা ঋতুগী খোংচৎ খংনবগীদমক মতম অহুগী চাওখৎলবা পৃথ্বীগী মফম বয়াদা লৈবা ভুল্লিভৈগী মীশিংনা অরেপ্পা ঋতু খংনবগীদমক হিদাম্নরম্মী। মখোইনা বিজ্ঞানদা য়ুমফম ওইতুনা খংলকপা ঋতুগী খোংচৎকা অতিয়াগী কুম অমগী য়াওল-শক্তমগা চাংদম্নরম্মী। মসি অতিয়া-লোল (Astronomy) অঙ্ক অমদি ময়েক পুথোকপগী অহানবা খুদমনি।

পৃথ্বীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরম্বা ভাল্লিভৈগী মীপুম খুদিংমক্না লৌউ-শিন্থা খংলমদে। ঋতুগী খোংচৎ-য়াওল খংবা মীশিংবু লাইপোক্নি হায়না লৌনরম্মী। খুদম ওইনা-মিশ্রগী পুজারী, ভারতকী ঋষি, মযাইথংবা আমেরিকাগী মায়া জাতিগী অমাইবা অমদি মৈতৈগী পাখংবনচিংবনি।

লৌউ-শিন্থা পাইখৎলকপদা পুন্না খুন্দাতুনা লৈবা তারম্মী। পৃথ্বীগী খুন্থোং রারিশিংদগী ঐখোইনা খংবা ভম্মী-খুন্দা অয়াম্বা লৈহাও লৈবা ভুরেলগী অম্পাক, লম্নহৌবা উমং, শাহিং চাবা শা কয়া লৈতবা, শুবা হুংঙাইবা লৈহাও লৈবা লৈপাক, ঈশিংগী খুদোংচাবা লৈবা মফমশিংদা খুন্দারম্মী। মরিশুবা উনগী যুগ (Ice period) কী মাংওইননা চাওখৎ-খোংথাং অমা মীওইবনা থাংজিল্লমই। অপুনবগী পাঙ্গল লৌশিংগী কান্নবা অমদি খুন্দাতুনা পুন্না লৈবগী চাওখৎ-মৈরা মঙাল ইহান-হান্না ফংলম্মী। মরিশুবা উনগী যুগনা থমথেংবা ফাওবা সমুদ্রগী তোর্ব্বান্দা তাইবং মীনা খুন্দারম্বগী খুদম ফংই। বৈজ্ঞানিকশিংনা থা অমম্ভুং অয়াং থংবা মেরুগী লৈন্নুংদা হুৎতুনা য়েংবদা খংখরে চহি লিশিং ১২ গী মমাং ফাওবা মেরু অনিমক কংফাল ওইরম্মী। অরাং থংবা মেরুগী সমুদ্রগী তোর্ব্বান্দা উনগী যুগনা থম থেংবা মতম ফাওবা চহি লিশিং কয়াগী মমাংদগী খুন্দাতুনা মীওইবনা লৈরম্মী। চহি ১২,০০০ গী মমাংদা সাইবেরিয়াগা অলাস্কাগা ফাওনরম্মী। অসুম্না এশিয়া অমদি আমেরিকাদা য়েলহৌ মীশিংনা চৎখোক-চৎশিন তৌরম্মী। মতম অতু এশিয়া, ইয়ুরোপ, আমেরিকানচিংবা মহাদেশশিং শিনবা

থুংনা থারবা উন্না পুংকুপ কুপশিল্লমই। তৌইগুম্বসুং সমুদ্রগী ঈশিংদি হৌজিক লৈরিবা অসিদগী খর হেন্না শাবা মরম্না অম্বাম্বা সমুদ্রগী খোংবাল উন্না কুপ্পলমদে। মরম অসিদগী মেরু অনিমকী সমুদ্রগী খোংবাল চহি ৫০০০ গী মমাং ফাওবা উন্ন কুপলমদ্রি।

মরিস্থবা উননী যুগ (Ice period)কী মমা দা চীনাগী হ্বাঙ্গচেকিয়াং অমসুং গো আঙ হো তোর্বান্দা মিশ্রগী নীল তুরেলগী তম্পাক্তা, ইরাক্কী দজলা অমসুং ফরাতকী তোর্বান্দা অমসুং ভারতকী সিনধু-গঙ্গাগী পাক চাওরবা তম্পাক্তা মীওইবগী চাওখৎ মওানগী মরু হুনখরে। মোহনজোদড়ো অমসুং হরপ্পাগী লৈনুংদগী ফংবা পোৎলমাশংদগী খংবা ঙমখরে সিনধু-গঙ্গাগী চাওখৎলধা মীওই কাংলুপ অদু আস্ত্রিক জাতিনি হায়বা। মসিগা লোইননা-লোইননা ভারতকী খা থংবা সমুদ্রগী তোর্বান্দা দাবিড় সভ্যতাস্থ চাওখৎপগী খোংথাং থাজিল্লমই।

মরিস্থবা উনগী যুগ (Ice period) না খম থেংলকপা মতাংদা সমুদ্রগী ঈশিংগী লৈমায় হৌজিক লৈরিবা অসিদগী ফুট ৩০০ লোম নেমলমই। উনগী যুগনা লোইরকপদা মহাদেশশিং শিনথুংনা কুপলম্বা ভমথৈ-পনথৈ খংদবা উননা শোদোকলম্মী। মরম আসদগী সমুদ্রগী লৈমাই মথং-মথং হাংখৎলক্তুনা পৃথ্বী শিনখুংনা অচৌবা ঈচাও অমা লাকখি। অদুগুম্বা প্রলয়গী মশক ওইরবা ঈচাও অদুদা অরাংবা অতোংবা লমদা খুন্দাবা মিশ্রগী সভ্যতা নত্তনা লেমহৌরিবা ইরাক, ভারত অমদি চীনাগী সভ্যতা ইরোলনুংদা লুপখিরম্মী। পৃথ্বীগী তাইবং মীনা অহানবা চাওখৎলকপগী লিরবা সভ্যতাগী পুক্কৈ কয়া মাংখিরম্মী। মতম অদুগী চাওখৎলবা সিন্ধু গঙ্গাগী তম্পাক ইরোলনুংদা লুপখিবনা খুন্দারম্বা মীশিং অদু অতোংবা চীং মান্দা শন্দোক্তুনা মানাশমানা থোকপা খুন্দাখি।

পৃথ্বীগী খ্বাইদগী লিরবা লাইরিকশিং চীনাগী লুংকিং ভারতকী বেদ, পারসীশিংগী গাথা অবস্তা অমসুং মৈতৈগী অরিবা পুয়াশিংদা কুমলোল (Calendar)গী হ্বারি থন্না লৈরি বৈদদা জমদগ্নি ঋষিগী

মালেমগী লৈচেন-ঈচেল অমদি ঈশিং-মুংশিংকী থাংগমল্লবা য়াওল কয়া থাংহুনা য়েলহৌ মীনা চহি লাখ কয়ামগী লৌশিং তাল্লকই। খোমল্যাংগা লোইননা ইমাদগী লোল, রাখল অমদি লৌশিং তমল্লকই। লোল হায়বা অসি রাখল-লৌশিং পোকপিনী। মরমদি রাখল হায়বা অসি খোঙ্থোক য়াওদবা লোলনি। তাইবং মীনা কৈদৌন্নুংদা লোল য়াওদনা রাখল খনবা ঙমদে। মালেমগী মফম খুদিংদা লৈবা য়েলহৌ মীশিংনা মানা-মানা লৈবা মফমগী লৈচেন-ঈচেল অমদি ঈশিং-মুংশিংকী চহি চুপ্পগী য়াওল উরমী থংলম্মী। সমুদ্রগী তোর্বান্দা লৈবা মীশিংনা থংলম্মী-অাচৌবা ইথক-ইপোম কারকপা অসি থাগা মরি লৈনৈ। ইথক কারকপদা কংফালগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা য়েলহৌ মীনা অতুপ্পা চৈ পায়হুনা শা-তানবগুম থিন্দুনা ঙা কানবা কোৎনরম্মী। ইথক্লা ক্লাথখিবদা লৈঙোই খোৎলগা থরোই-কোঙ্গেং, শা ফারম্মী। অতুনা থেংনবদগী অকনবা নোং-মুংশিং লাক্কনি হায়বা অসি ইপাক্কী ইপোম অমদি ইরাওথোলদগী থংলম্মী। কংফালগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবশিংনা থংলম্মী শানা ঈশিং থকপা করম্বা মতম অমদি মফমদা চৎলি করম্বা মতমদা মচিঙ্‌'ক তায়; অমম্বুং করম্বা তাঞ্জাদা খুদোং থিন্নিঙাই ওই। পৃথ্বীগী অরাং থংবা নাপোমদা লৈবা শওমশিংনা শাংলবা নিংথম-য়াহিপ করবা মতমদা হৌগনি হায়বা মখোইনা থংলম্মী। শা-ঙা অমম্বুং উচেকশিংনা অরাপ্পদা চাকতাবা অমদি চাগোকপ' করম্বা মতমদা চৎকনি হায়বা থংলম্মী। হুমিদাংরাইরম অমদি নোং ঙাল্লমদাইদা শজিনা চাকতাবা থংলম্মী। মানা মানা লৈফমগী তম্প'ক লৈকংলা, অপ্পকপা ঊনং, সমুদ্রগী তোর্বানগী চহি চুপ্পগী য়াওল থংলম্মী। পৃথ্বীগী ঋতু খুদিংগী শক্তম থংনবগীদমক মঙ্গৈশা লাইরেম্বীগী খোংচৎ তানথা কয়া লৈ। অসিগুম্না মালেম ইমাগী য়াওল অমদি শক্তম থংবা হিংনবগীদমক মখো তাম্ল। খাইদগী হেন্না শিংথানিঙাই ওইবদি য়েলহৌ মীনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাকপা কুমগী য়াওল (Calendar) থংলকপনি।

কোরৌগী তপ্পা হোংলকপা য়াওল শক্তম থ বগী মহুত্তা থুনা হোংলকপা থাজগী খোংচৎ-শক্তম খংবনা হেন্না লাইনা থোকই; মরমদি নুমিদাং খুদিংগী মফম অমসুং শক্তম হোংই। থাশিদগী থানিল ফাওবা থাজনা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকই; থানিলদগী থাশি ফাওবা নোংম-নোংমগী পিকথরকই। য়েলহৌ মীনা থাপনা শা তানবা চৎপা মতমদা মতম অমদি অরাপ্পা, থাগী খোংচৎ-য়াওলদগী খংনরম্মী। মখোইনা অবাপ্পগী অশাংববু মকন্না ওন্নমই। হৌজিকসু চিংমী অমদি অতৈ জাতি কয়ানা অরাপ্পবু "কুইবা" হায়নৈ। মখোইনা থরালমিচাক থরবু মশক খংলম্মী। চিংথৈ ভুক্লকপদা শজিক থাবানা থোকপা তত্নো উরম্মী। অরিবা মীনা কুমগী যাওল খংলকপা অসি অচৌবা খোংথাং অমনি। মখোইনা পুথোকপা ঋতুগী খোংচৎকা থা খুদিংগী হোংলকপা অতিয়াগী শক্তমগা চাংদমনরম্মী। য়েলহৌ মীনা ময়েক পুথোকপগী চহি লিশিং কুনগী মমাংৱায়দা অতিয়াগী কুমগী য়াওল (Calender) খংলম্মী।

মফম খরদা মহৌশা লাইরেন্গী লৈচেন ঈচল অমদি অইং-অশানা মরম ওইহুনা হিংনবগীদমক চানবা উহৈ-বাহৈ য়াৎলকপা যানবা শাওা লৈশিল্লক্তবা অমদি মখোইনা চারগা হুন্দোকখিবা উহৈ বাহৈগী মরুনা হৌগৎলক্তুনা মহৈ পাল্লকপা উবা, লউশিন্থাগীদমক চান্নবা মফম অমসুং ঈশিং-নুংশিৎকী খুদোংচাবা লৈবা অসি খিবিক্লা মরম ওইহুনা উল্লিউৈগী মীনা অখন্নবা মফম খরদা লৌউ শিন্থাগী থবক পাইখৎপা হৌগৎলমই।

লৌউ-শিন্থাগী থবক হেক পাইখৎলকপদা পৃথ্বীগী য়াওল, ঋতু চপ চানা খংবা মথৌ তায়। লৌউবগীদমক নিংথম মরু, কালেন মরু, ঋতু, ঈশিং-নুংশিৎ অমদি পৃথ্বীগা নুমিৎকা মরি লৈনবা খংবা তায়। মরম অসিনা লৌউ-শিন্থা-পাইখৎলকপদা চমমনবা কয়া মাইয়োকনরমই। অতিয়াগী ফিভম, উচেক-য়ান্না, হারিনচিংবা অমদি পান্বী কয়াদগী খংবা চাওরকপা ঋতুগী য়াওল (Calendar) লৌউ-শিন্থাগা

চান্নদরে। মরম অদুনা ঋতুগী খোংচৎ থংনবগীদমক মতম অদুগী চাওখৎলবা পৃথ্বীগী মফম বয়াদা লৈবা ওহ্নিভৈগী মীশিংনা অরেম্না ঋতু থংনবগীদমক হিদান্নরম্মী। মখোইনা বিজ্ঞানদা যুমফম ওইদুনা থংলকপা ঋতুগী খোংচৎকা অশিংয়াগী কুম অমগী য়াওল-শক্তমগা চাংদম্নরম্মী। মসি অতিয়া-লোল (Astronomy) অঙ্ক অমদি মন্নেক পুথোকপগী অহানবা খুদমনি।

পৃথ্বীগী তোঙান-তোঙানদা মফমশিংদা লৈরবা ভাগ্নিংগী মীপুম খুদিংমক্তা লৌউ-শিন্থা থংলমদে। ঋতুগী খোংচৎ-য়াওল থংবা মীশিংবু লাইপোক্নি হায়না লৌনরম্মী। খুদম ওইনা-মিশ্রগী পুজারী, ভারতকী ঋষি, ময়াইথংবা আমেরিকাগী মায়া জাতিগী অমাইবা অমদি মৈতৈগী পাথংবনচিংবনি।

লৌউ-শিন্থা পাইহৎলবপদা পুন্না খুন্দাদুনা লৈবা তারম্মী। পৃথ্বীগী খুন্থাং বারিশিংদগী ঐখোইনা থংবা ওম্মী-খুন্দা অয়াম্বা লৈহাও লৈবা তুরেলগী তম্পাক, লন্নহৌবা উমং, শাহিং চাবা শা কয়া লৈতবা, শুবা চ্ছংভাইবা লৈহাও লৈবা লৈপাক, ঈশিংগী খুদোংচাবা লৈবা মফমশিংদা খুন্দাবম্মী মরিশুবা উনগী যুগ (Ice period) কী মাংওইননা চাওখৎ-খোংথাং অমা মীওইবনা থাংজিল্লমই। শপুনবগী পাঙ্গল লৌশিংগী কান্নবা অমদি খুন্দাদুনা পুন্না লৈবগী চাওখৎ-ইরা মঙাল ইহান-হান্না ফংলম্মী। মরিশুবা উনগী যুগনা থমথেংবা ফাওবা সমুদ্রগী তোর্বান্দা তাইবং মীনা খুন্দারম্বগী খুদম ফংই। বৈজ্ঞানিকশিংনা থা অমম্থুং অম্বাং থংবা মেরুগী লৈন্থুংদা হুৎতুনা য়েংবদা থংখরে চহি লিশিং ১২ গী মমাং ফাওবা মেরু অনিমক বংফাল ওইরম্মী। অরাং থংবা মেরুগী সমুদ্রগী তোর্বান্দা উনগী যুগনা থম থেংবা মতম ফাওবা চহি লিশিং কয়াগী মমাংদগী খুন্দাদুনা মীওইবনা লৈরম্মী। চহি ১২,০০০ গী মমাংদা সাইবেরিয়াগা অলাস্কাগা ফাওনরম্মী। অসুন্না এশিয়া অমদি আমেরিকাদা য়েলহৌ মীশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌরম্মী। মতম অদু এশিয়া, ইয়ুরোপ, আমেরিকানচিংবা মহাদেশশিং শিননা

থুংনা থারবা উন্না পুংকুপ কুপশিল্লমই। তৌইগুম্বসু সমুদ্রগী ঈশিংদি হৌজিক লৈরিবা অসিদগী থর হেন্না শাবা মরম্না অয়াম্বা সমুদ্রগী খোংবাল উন্না কুপলমদে। মরম অসিদগী মেরু অনিমক্কী সমুদ্রগী খোংবাল চহি ৫০০০ গী মমাং ফাওবা উন্ন কুপলমদ্রি।

মরিস্নুবা উনগী যুগ (Ice period)কী মমা দা চীনাগী হ্বাঙ্গচেকিযাং অমসুং হো আঙ হো তোর্বান্দা মিশ্রগী নীল তুরেলগী তম্পাক্তা, ইরাক্কী দজলা অমসুং ফরাতকী তোর্বান্দা অমসুং ভারতকী সিনধু-গঙ্গাগী পাক চাওবা তম্পাক্তা মীওইবগী চাওখৎ মঙানগী মক হুনখরে। মোহনজোদড়ো অমসুং হরপ্পাগী লৈন্নুংদগী ফংবা পোৎলমশিংদগী খংবা তমখরে সিনধু-গঙ্গাগী চাওখৎলম্বা মীওই কংলুপ অদু আস্ট্রিক জাতিনি হায়বা। মসিগা লোইননা ভারতকী খা থংবা সমুদ্রগী তোর্বান্দা দ্রাবিড় সভ্যতাসু চাওখৎপগী খোংথাং থাজিল্লমই।

মরিস্নুবা উনগী যুগ (Ice period) না খম থেংলকপা মতাংদা সমুদ্রগী ঈশিংগী লৈমায় হৌজিক লৈরিবা অসিদগী ফুট ৩০০ লোম নেমলমই। উনগী যুগনা লোইরকপদা মহাদেশশিং শিনথুংনা কুপলম্বা ওমথৈ-পনথৈ খংদবা উননা শোদোকলম্মী। মরম অসিদগী সমুদ্রগী লৈমাই মথং-মথং হ্বাংখৎলক্তনা পৃথ্বী শিনথুংনা অচৌবা ইচাও অমা লাকখি। অদুগুম্বা প্রলয়গী মশক ওইরবা ঈচাও অদুদা অহাংবা অতোংবা লমদা খুন্দাবা মিশ্রগী সভ্যতা নঙনা লেমহৌরিবা ইরাক, ভারত অমদি চীনাগী সভ্যতা ইরোলন্নুংদা লুপখিরম্মী। পৃথ্বীগী তাইবং মীনা অহানবা চাওখৎলকপগী লিরবা সভ্যতাগী পুক্কৈ কয়া মাংখিরম্মী। মতম অদুগী চাওখৎলবা সিন্ধু গঙ্গাগী তম্পাক ইরোলন্নুংদা লুপখিবনা খুন্দারম্বা মীশিং, অদু অতোংবা চী মান্দা শন্দোক্তনা মানা-মানা থোকপা খুন্দাখি।

পৃথ্বীগী খ্বাইদগী লিরবা লাইরিকশিং চীনাগী শুংকিং ভারতকী বেদ, পারসীশিংগী গাথা অবস্তা অমসুং মৈতৈগী ভূরিবা পুয়াশিংদা কুমলোল (Calendar) গী হ্বারি থম্না লৈরি বেদদা জমদগ্নি ঋষিগী

সুর্য বেধগী ৱারি ; মৈতৈ পুয়াগী খ্বাই নুংজেং পিরাগী নুমিৎ কাপ্পগী ৱারি ; চীনাগী শুংকিংদা "চিহ্ন-নীগী পিরাং" গী ৱারি—খোংজোংনুবী (কৃত্তিকা নক্ষত্র) গা মরি লৈনবা স্বর্গগী লাইরেম্বী ৭ কী নুংশি-নুংঙোলগী ৱারিনি। মালেম থক্তা পিরাংনা শিন্থরকপা (নোংগী অহানবা মবিক্কী) গী থম্মোয় শোকলবা ৱারিনী। মহাভাবত্তা খোংজোংনুবীগা মরি লৈনবা "কাত্তিক ষডানন" গরুড় পোকপগী ৱারি অমদি মৈতৈ পুয়াগী "খোংজোংনুবী নোঙ্গারোল" দা নোংজু থা হৌরকপগী ৱারিবু ৱাংলবা সাহিত্যগী থাক্তা ফোংদোকলি। ইজিপ্তকী নীল তুরেল্লা ঈহৌরকনি হায়বা অসি অতিৱাদা "লুবধক" থৱালমিচাক্কা নুমিৎকী মাংওইননা থোরকপদা খংনরম্মী। মতৌ অসুম্না খোংজোংনুবী (কৃত্তিকা নক্ষত্র) অসি মানস্নগী ঈশিং-নুংশিৎনা কোনবা লমশিংদা য়াম্না মক্ক ওই। খোংজোংনুবীনা নুমিৎকা থোকমিন্নবক্তবদি নোংজুথা হৌরক-পগী অহানবা খুদমনি। মৈতৈগী কুমলোন (Calendar) পুথোকপগা মবি লৈনবা ইতিহাসকী মাংওইনববা অরিবা পুযাগী ইহান হায়া এক শলাই থায়বগী ৱারিগী শমলপ্পা শক্তম অমা উৎচরি।

"কোরৌশিদবা", মশানা শেমজবা মখল মথা অয়াম্বা খুৎশেমবু পেন্না যেংলম্মী। লাইবৈপাক্কী পুক্কে পুন্নমক মচাশিংদা শিন্নবা পামলম্মী। তৌইশুম্বসুং হায়া মচা অনি কুপত্রেং অমসুং শেম্ত্রেংগী লৌশিং চাং যেংখিগে অমদি মপাবু মশক খংত্রা যেংখিগে হায়না খল্লি। কোরৌ শিদবনা যন অমগী মশক লৌহুনা ইম্ফাল তুরেন্দা তাওখ্রকই।" কুরুম চীংগী নাপ্পদা কুপত্রেং অমদি শেম্ত্রেংনা যন অমা তাওথবা উরম্মী। মনাও ইবুংঙো শেম্ত্রেংনা ময়াম্বদা হংগংচন্নকই :—যাম্নুং ইবুংঙো যন অসি অমুক্তা সনা মিৎয়েং তাবিয়ু। কুপত্রেংনা হঙ্গোইনা হায়রকই-চৎলশি ইনাও ইবুংঙো মনম নমখিরম্মনি। মনাও শেম্ত্রেংনা হংগৎচরকই—ঙাকপিগনি ৱাঙ্খুং ইবুংঙো—ননাই অমুক্তা য়েংজক্লখিগে শিরমদবসু য়ারি। অসুমনা ময়াম্বুংদা হায়জরমলগা যন য়েংলহুনা মথন্তা শোল্লমই—যন অশিবনা মমৈ হুম্বা হৌনবরা? ৱাহৈ অসি

হেক তাবদা কোরৌশিদবনা ঐবু মশক খংলমালে হায়দুনা মশাগী শক্তম হুঞ্জিন্দুনা মচাগী মাংদা লেপ্লগা মচা শেন্ত্রেংবু মপা মশক খংবা ঙম্মী হায়তুনা খ্বাইদগী ইহান-হান্না "পাখংবা" (মপা ওইবা নুমিৎ, ঋতুবু খংবা) মিংথোল পিবম্মী।

পন্থৌ শিদবগী যাথ মতুংইন্না যন অশিবা অদু তবেৎ থোক্লা খাইদোক্লগা কাংলুপ তবেৎতা যেন্থোকলম্মী—ঙৌনা তাংবা ঙকশমগী শরুক লৌবা কুপত্রেংগী ইয়েক্লা অঙোম হায়না মিংথোল্লে। নিংথিজবা মিৎম্না অনি লৌবা শেন্ত্রেংগী ইযেক্লা নিংথৌজা; কোক্কী শরুক লৌবা পামবিংবাগী ইযেক্লা লুরাং হায়না মিংখৈবে। কোবৌনা ওইবা যনগী মখোংগী শরুক লৌবা লৈশংতাওগী ইযেক্লা খুমন; মমৈনা কুপ্পা মচু মথল কযানা লৈত্তেংবা শরুকপু লৌবা কোনশৌবেনগী ইযেক্লা মোইবাং হায়না থোল্লে। চিনগী শরুক লৌবা চেংলৈগী ইযেক্লা চেংলৈ-খাবা অমসুং থঙ্মোইগী শরুক লৌবা তুমাঙানবগী ইযেক্লা ঙানবা হায়না মিংথোল্লে। হৌজিক ফাওবা মৈতৈ নত্তুনা চীংমী, থাই অমদি নোংপোক লমগী অতৈ জাতি কযা সলাইদা যুমফম ওইবা লৈবি

মথক্কী শক্তম অসি খুন্থোক অহানবা মৈতৈনা কৌবরুদা খুন্দাবিঙৈগী রানি। শেন্ত্রেং পাখংবনা নিংথমথাদা নুমিৎ অসি বদায ফাওবা মখা-রোমদা হাযথবগে হাযবা অসি কৌবরুদগী কুপ্পা যেংলম্মী। নিংথমথাগী তুরেন্দা, ঈশিংনা মবুক তপ্পা মতমদা যন অশিবনা তাওথবগুম অরাংগী কর্করেখাদা থোকপা নিংথৌনাগা থরালমিচাক (পূণর্বসু নক্ষত্র) মপাদগী নুমিৎনা মখারোমদা তপ্পা-তপ্পা মকররেখা যৌনা হাযথরকই। মকর রেখা মপাদা থোকপা হাবৈমাযে থৌরালমিচাক (উত্তরাষাঢ়া) হেক রৌবদা অরাংলোমদা অমুক মমায লৈরকই। কৌবরুদগী যেংবদা হাইরেমায়ে থৌরালমিচাক অসি কুরুমচীংগী মতোন্দা থোকপা ওইনা উই; মরম অদুনা কোবৌনা ওইবা যন শেন্ত্রেং পাখংবনা কুরুমচিংমাদা, হৌজিক্কী কংলাদা লোকপনি।

নোংপোক ভারত অমদি চীনাগী মরক্তা লৈবা দেশশিংগী মসুংদা

মৈত্রবাক্কী শেক্রু পাথংবনা ইঙান-হান্না কুমলোল (Calendar) পুথোকই। মহাক্না খাযবা শলাই ৭ কী মতুং ইন্না চহী অমাবু ঋতু ৭ থোক্না খায রগা শলাই খুদিংবু মথং মথং থা অনি-অনি লৌউ-শিন্থা পাংথোকহল্লমই। শেক্রুং পাখংবগী কুমলোল অসি চহী খরগী মতুংদা ঋতুগা চান্নবক্তাবে। মবমদি মহাক্না চহী অমবু থা ১৪ হাযবদি নুমিৎ শিংবুম ৪২০ না শাবন্মী। অমুম্না নুমিৎ হেল্লে খংলহুনা অশোযবা অসি চুমথোক্নবগী-দমক চেংলৈথাবগী ইযেক্কা তুমাঙানবগী ইযেক্কা পুন্সিল্লগা খাবা ভানবা ত্তাযনা অপুনবা শলাই অমা ওইহন্দনা লৌউ-শিন্থা পাযহল্লে। মতৌ অমুম্না ঋতু ৬ থোক্না খাইদোক্তুনা নুমিৎ শিংবুম ৩৬০ হাযবদি থা ১২ না শাবা চহী পুথোক্লে। সৌরবর্ষ (Solar year) গী ম্নাংহৌবা নুমিৎ ৫ পুং ৬ অসি চহি ৫.৫ দা থাংবান্নহন্দুনা ঋতুগী খোংজেলগা চান্ননবা অমুক-মুক চুমথোকই। শেক্রুং পাখংবনা পুথোকপা চহীগী মতুংইন্না লৌউ শিন্থা পাযহৎপা মায পাকলে। হিংনলবগী দমক মহৈ-মরোং নিংথিজনা লোকলে। শেক্রুং পাখংবগী কুমলোল (Calendar) অসি ওসি ফাওবা মৈত্রবাক, ম্যানমাব, থাই, কম্বোজ, বিএতনাম অমসুং চীনাগী যুনান প্রদেশ ফাওবা চৎনবি।

খৃষ্টমাং চহি ৪০০০ গী মাংওইননা মৈতৈ কুমলোল (Calendar) পুথোকপা শেক্রুং পাখংবনা চহী ভামগী অশাংবা মতম যান্না মযেক শেংনা পুথোকঅন্মী। মানা তাকপা মতুং ইন্না ইচম চহা লৌমীনস্ত ঋতুগী মশক ইলায লায়না খংবা ঙম্মী। মসিগীদমক লৈতেম নাম্নবা লৈমাযদা যুট ৬ রাংবা চৈ অমা যুংলগা নুংশা মডান্না যৌহুনা তাবা চৈগী মমি যেংবগী বাদনি। ঋতু খংবসু যান্না লায। নুমিৎখুংবা মতমদা চৈগী মমিনা প্পাইদগী তেল্লবদি কালেন থানি; চৈগী মমিমা প্পাইদগী শাংবা মতম ওইরগনা নিথম থানি অমসুং চৈগী মমিনা মযাই ওইনা শাংলবদি যৌনিংথা (বসন্ত ঋতু) নত্রগা মেরা থা (হমন্ত ঋতু) ওইগনি।

ঋতু মশক খংননবগীদমক খবালমিচাকশিং শিজিন্নবা হৌরক্লে। ঋতু খুদিংগী অতিযাগী তোঙান-তোঙানবা শক্তম মশক খংলক্নে।

অহিং মুংথিল শাংবা, পুংজা-মিকুপ লেপনবগীদমক লৈঙোই নত্রগা ঈশিং ওন্নবা চকু নত্রগা তেঙ্গোৎ শিজিন্নরমী। থাইনগী কুমলোল (Calendar) পুথোকপা কাংবুনা থানা পৃথীবু অমুক কোইবা হায়রবদি পুর্ণিমা অমদগী পুর্ণিমা অমা ফাওবা নুমিৎ ৩০ নিনা থাবুম অমা শারম্মী। মতৌ অসুমনা বৈদিক ঋষিশিংনা পুর্ণিমাগী অহিংদা থানা বিশাখা নক্ষত্র লৈরবদি বৈশাখ থা অসুন্না পুর্ণিমাগী অহিংদা জ্যেষ্ঠানক্ষত্রদা থাজনা লৈরদদি জ্যেষ্ঠ মাস ; পূর্ব্বাষাঢ়া + উত্তরাষাঢ়া লৈরগনা আষাঢ মাস ; শ্রবনাদা লৈরগনা শ্রাবন মাস; পূর্ব্ব ভাদ্রপদ-উত্তরভাদ্রপদদ লৈরগনা ভাদ্র মাস; অশ্বিনীদা লৈরগনা আশ্বিন মাস; কৃত্তিকাদা লৈরগনা কার্ত্তিক মাস; মৃগশিরাদা লৈরগনা মার্গশীষ পূষ্যাদা লৈরগনা পৌষ মাস, মঘাদা লৈরগনা মাঘমাস; পূর্ব্বফলগুনী-উত্তরফলগুনীদা লৈরগনা ফালগুন মাস; অমসুং চিত্রা নক্ষত্রদা থাজনা পুর্ণিমাগী অহিংদা লৈরবদি চৈত্রমাস কৌই।

থাজগী কুমলোল (Calendar) গা কোরৌগী কুমলোলগা থেম্নৈ অমসুং অতিযাদা থোকলিবা গ্রহ,-নক্ষত্র, থৱালমিচাকশিংনা থোকপদগী পুথোকপা কুমলোলগা কৈদৌনুংদা মান্নরোই; মরমদি থাজ, কোরৌ, গ্রহশিং, নক্ষত্র থৱালমিচাকশিংগী থোংচৎশিং পৃথীদগী য়েংবদা তোংঙাল-তোংঙাল্লি। মরম অসিদগী মালেমদা লৈবা জাতি কয়ানা তোঙাল-তোঙালবা চহী কয়া চৎনরি। খুদম ওইনা হায়রবদা ভারতা থাজগী থোচৎতগী পুথোকপা চহী, নুমিংকা থোংচৎতগী পুথোকপা চহী অমসুং নক্ষত্রগী থোংচৎতগী পুথোকপা চহী মথক্ল অহুম চৎনৈ। জ্যোতিষ শাস্ত্রদা মঙ্গল অমদি শুক্রগী থোংচৎতগী পুথোকপা চহীসু চৎনৈ। মধ্য আমেরিকাগী মায়াজাতিশিংনা চহী মথল মরি চৎলি। থাজ, কোরৌ, নক্ষত্র অমসুং শুক্রগী থোংচৎতগী পুথোকপা চহীশিং; তোঙাল-তোঙালবা ধর্ম্মগা মরি লৈনবা থৌরমশিংদা শিজিন্নৈ। মসিমদি তশেংনা থংলে, মতুদি অতিয়াদা থোকলিবা মতুম খুদিংমক্কী থোংচৎ পৃথীদগী য়েংবদা খেন্নবনা চহী অমগী অশাংবা তোঙাল-তোঙাল্লি।

পৃথিবীগী খোংচৎপু চাং নাইদে, অমুক য়াংই-অমুক ভমী। বৈজ্ঞানিকশিংনা পৃথিবীগী খোংচৎপু থাজ অমদি নক্ষত্রশিংগী খোংচৎকা কুপনা চাংদমনরম্মী। পৃথিবীগী খোংচৎতা কুপনা খেন্নবা থর লাকইবসি কোরৌ অমদি নুলৈমা (গ্রহ) শিং অমনা অমবু চিংশিন্নবদগী লাকইবনি। মসিনা মবম শুইদুনা চহি নিশিং কয়াগী মতুংদা য়াম্না হেন্না খেন্নবা লাকই। পৃথিবীগী খোংচৎতা মিৎকুপ থর খেন্নবা ল'কইবা অসিনা ঐখোইগী পুন্সিগী খোংচৎতা করিমত্তা তকায়বা পীদে; অদুবু বৈজ্ঞানিকশিংগী মাংদা অচৌবা য়াহং অমা লাকখি—পৃথিবীগী খোংচৎনা চাং মান্নদ্রবদি মতৌ করম্না অবেপ্পা মতম পুখোক্কদগে ?

১৯৩৯-৪০ ইংদা অবেপ্পা মতম থংনবা, থাজনা নক্ষত্র অমদগী নক্ষত্র অমা ফাওবা মথং-মথং চৎলিবা অসি বৈজ্ঞানিকশিংনা কুপ্পা য়েংশিল্লমই। য়াংনা চৎলিবা থাজনা ঘড়ীগী কটানি, নক্ষশিংনা পুংজাগী খুদমশিংনি। জ্যোতিষশাস্ত্র (Astronon y) গী বৈজ্ঞানিকশিংনা থাজগী অবুপ্পা খোংচৎ থংই, অমসুং মসিসু মুন্না থংই-নক্ষত্র বদায বদায়দা লে হায়বা অসি। মরম অসিনা মখোয়না মতম তাবপা ঙমই। বৈজ্ঞানিকশিংনা নক্ষত্রনা থন্না থোকপা অাতয়াগী ফিজংদগী থাজগী ফোটো লৌবগা থাজগা হাইদগী নকনবা নক্ষত্রগী অরাপ্পা পুথোকই। মখোইনা অসুক্কী মতক কুপ্পা পুথোকই—থজগী লৈমাইদা লৈবা চীং লোক ফাওবা চিৎথদে। পৃথিবীনা উংবদগী পুথোকপা ঐখোইনা শিজিন্নরিবা ঘড়ীগী মতুং ইন্না ফোটো অদু করম্না পুজাদা লৌই হায়বা জ্যোতির্বিদ (Astronomer) শিংনা লাইনা থংই। মখোইনা নুলৈমা (গ্রহ) শিংগী খোংচৎ লোল (Calendar)গী চাট (Chart) য়াওবা লাইরিক অদু য়েংলগা থংবা ঙমী মতুংদি ফোটোদা উৎলিবা নক্ষত্রদা থানা লৈবা মতমদা পুং কয়া তাকম থোকই হায়বা।

চৎনরিবা ঘড়ীগী মতমগা থাজদগী পুথোকপা পুংফমগা মিৎকুপ থরদনি খেন্নবা। অদু ওইরবসু থাজগী মতমদি লেংদবা অমদি অবেপ্পা মতম ওই। মরম অসিদগী জ্যোতির্বিদ (Astronomer) শিংনা থাজগী

খোংচৎতগী পুথোকপা মতমনা অচুম্বা ওইনা শিজিন্নরি। মসিগী পুংযম অসি যাম্না চেকশিন্না এফিমেরিশ (Ephemeris) খুৎলাইনা চাং যেংদুনা পুথোকপা মতমনি হায়দুনা এফিমেরিশ মতম (Ephen eris-Time) কৌই।

ইনৌ নৌনা বৈজ্ঞানিকশিংনা পরমানু সেকেণ্ড (Atomic Second) পরমানু (Atom) গী মখোইদা য়াওরিবা এলেক্ট্রোনগী ফ্রিকেন্সি (Frequency) না তারেপ্পা চাং অমদা নিক্তনা লৈববু লৌবগা অনৌবা পরমানু সেকেণ্ড (Atomic Second) পুথোকপনি।

গ্রহ নক্ষত্র, থা থবালমিচাক গেলেক্সি, বিশ্ব-ব্রহ্মাণ্ডপুম্বা মশা-মশাগী তানথাদা চংলি। প্রকৃতি অর্মাদ লেংই-পাল্লিবা জীবশিংগী জীবকোষ (Cell) দগী এলেক্ট্রোন (Electron) গী ফ্রিকেন্সি (Frequency) ফাওবা গ্রহশিংগী চিংশিন্নবগী পাঙ্গল (Gravitation) মসিদগী হেন্দোক্তুনা মঙাল (Light) গী জগত পুম্বা ইতল অমদা তানথা অমদা চৎলি। সঙ্গিতনা মসিবু নাদব্রহ্ম কৌই—বিজ্ঞান্না তাল হায়না কৌই। মঙাল তরেৎকী ইপোম (Frequency) দা এথোই পুন্নমক ঈবারী। মসিবু সঙ্গিতকী লোলদা সপ্তছণ্ড হায়বদি সপ্তচেতনাগী সংবাদী স্পন্দন কৌই। হায়রিবা সপ্তছণ্ড অসিনা হাঞ্জিন-হঞ্জিন অকা-তকুম তৌবনা ঙসি বিশ্ব-জগত অসি লেংদনা লৈরির্বনি। তরোই-অথম নাইদবা সপ্তচেতনা অসিবু মথল-মখা তযান্না শ্বর-সংবাদনা সংঙ্গিত্তা হরাও তুজুংলবা, "ব্রাংমগী" থুংঙাইরবা শক্তম অমা ফাওবকই মসিবু "নাদব্রহ্ম" গা হাকথেংনবা কৌই।

মিশ্রগী পিরামিড অমসুং চহি লিশিং বয়াগী মতুংদা শাবা মেক্সিকোগী পিরামিড অমসুং বেবিলোনিয়াগী লাইশংশিং তশেংবদ অতিয়া-লোল নৈন্নবগীদমক শাবনি। ইজিপ্তকী পিরামিডকী মতুংদা জ্যোতিষকা মরি লৈনবা লাইরিক কয়া ফংখরে। মিশ্রগী অথোইবা লাইপোকশিংনা ইহান হান্না গ্রহশিংনা চৎলিবা লম্বীদা লৈবা নক্ষত্রশিংবু রাশি ১২ থোক্না খাইদোকলগা রাশি অমমমবু থবাই পানবা জীবগী শক্তম ওইনা পুথোকই।

নুমিৎ ৩৬৫ না শাবা নুমিৎকী খোংচৎতগী পুথোকপা চহি (Solar year) ইজিপ্তকী লাইপোকশিংনা খ্বাইদগী হান্না পুথোকই। মখোইনা অতিয়াদা থোকলিবা গ্রহ-নক্ষত্রশিংগী চকুপ্পা খোংচৎ খংনবা খুৎলাই কয়া পুথোকখি। ইজিপ্তকী জ্যোতির্বিদ (Astronomer) শিংনা অতিয়াগী বিষুবরেখাবু ডিকেড (Decade's) ৩৬ থোক্না খাইদোক্লম্মী অমসুং ডিগ্রী (Degree) ৩৬০ থোকনা য়েন্থোক্লম্মী। খৃষ্ট মাং চহি ৫৫০ দা সৌরজগতকী গ্রহশিং অমগা অমগা লাপ্পবা পুথোক্লম্মী।

সুমেরিয়া, ইরানী, গ্রীক অমসুং ভারতকী ঋষিশিংনা গ্রহশিংনা চৎপদা লৈবা নক্ষত্র ২৭ পু হায়বদি থাজনা নোংম-নোংমগী লৈফম ওইবা নক্ষত্রশিংবুদা য়াম্না কুপ্পা নৈনরম্মী। লেমহৌরিবা থৱাল্মিচাক (নক্ষত্র) বুল, চবুলগী মরমদা করি অমত্তা নৈনদে। চীনানা ইহান হান্না চহি চুপ্পদা উবা থৱালমিচাকশিংবু চবুল ৮৮ থোক্না খাইদোক্লগা নৈনরমই চবুল অমমমবু ড্রাগোনগী শক্তমদা শাগৎলমই। মাস মৈতৈনসু লাইরেন কয়াগী শক্তম ওইনা শাগৎলম্মী। খুদম ওইনা সপ্তঋষিনা ধ্রুবতারাদা কোইববু লাইরেল লাবা য়াওনবা হায়না হায়নবা কয়া লৈরি। অসুম্না লিন পূজা তৌবা ভারতকী তরাং নোংপোক্তা তাবা মীশিংদা চৎনবগী খুদম কয়া ফংই। বঙ্গালী, অসামী জাতসু মনসা লিল পূজা তৌবা চংনরি। চীনাগী নক্ষত্র ৮৮ গী অতিয়া লোল অসি কাইনথংদা ইয়ুরোপকী মীশিংনা তমখিবনি।

নক্ষত্রগী পাদগী মতুং ইন্না মিংথোনবা সুমেরিয়াগী পণ্ডিতশিংনা ইহান-হান্না হৌদোকপনি। ভারতদি পূর্ব্ব-বৈদিককালদা হায়বদি বেদ হৌগৎলকপা মতমদা নক্ষত্রগী অধিষ্ঠাতি দেবতাগী মীং লৌরগা মীং থোন্নরম্মী। ঋগবেদদা নক্ষত্রশিংগী মরমদদি য়াম্না শন্দোক্না নৈনবা য়াওই। রাশিগী জীব'কারস্বরূপকী মরমদদি করিগুম্না মফমদা পনবা লৈতে।

বেদগী অহানবা ঋষি বিশ্বামিত্র ২৪৭১ খৃষ্ট মাংরাইদা লৈরম্মী। ঋষিগী চৎনবি অসি বিশ্বামিত্রদগী থিদরকপা চহি ৭০০ ফাওবা চৎনরম্মী

বেদগী ঋচাশিং অসি চোয়না লৈরম্মী। মহাভারত লাল্লগী মাংওইননা শ্রীকৃষ্ণ দ্বৈপায়ন মুনিনা মাগী মতমদা ফংবা ঋচা পুন্নমক খোমজিল্লগা বিষয়-বিষয়গী মতুং ইন্না সংহিতা কয়া শেমলম্মই মতু হৌজিক ফাওবা চংনরি। মহাক্না ঋষিশিংগী মথং-মনাও অমদি বিষয়গী মতুং-ইন্না ঋক সংহিতা অর্থব সংহিতা, অমসুং পুরান সংহিতানচিংবা শেমলম্মী।

নুমিত্তা গ্রহশিংনা কোইনা চৎপা পুথোকপা ভারতকী ঋষিশিংনা ইগাল-ভাল্লা পুথোকপনি। ঋক্‌বেদগী সাহিত্যিক ভাষাদা অসুন্না ফোংদোকই:—

অষ্টৌ পুত্রাসো আদিতেয়ে জাতাস্তন্পারি।
দেবা উপপ্রেত সপ্তভিঃ পরা মার্ত্তণ্ড মাস্যাত॥ ৮॥
সপ্তভিঃ পুত্রৈরদিতি রুপাপ্রেত পূর্ব্বময়ুগম।
প্রজায়ৈ মৃত্যবে ত্বৎ পুনর্মার্ত্তণ্ড মাভরত॥ ৯॥

ঋগ-বেদ ১০। ৭২। ৮। ৯ ঋক॥

মথক্কী বেদগী ঋচানা অসুমনা হায়রি অদুগা পরব্রহ্মস্বরুপ ওইবা নুমিৎ মশাদগী মচেং ৭ থোকখরগা মহাকপু অমুক হন্না কোয়রি। অদুগুম্বা অংশ ৭ অদুবু গ্রহগী শরুমদা থংনরি। অসুম্না মার্ত্তণ্ড (নুমিৎ) গী প্রজা ওইনা গ্রহ চরেংমক্কা মহাকপু লৈনা কোইরি।

উত্তর বৈদিক হায়বদ বেদকালগী অরোইবা মতমদা বৈদিক সাহিত্যগী অরোইবা শরুক ইরম্মী:— মতুদা ব্রাহ্মন, উপনিষদ অমসুং বেদাঙ্গনাচিংবা মথং-মথং ইথরকই। বেদাঙ্গ মখল ৬ থোকনা থাই-দোকই—১, ব্যাকরন ২, নিরুক্ত ৩, শিক্ষা ৪, ছন্দ ৫, কল্প অমসুং ৬ অঙ্ক অমদি জ্যোতিষ শাস্ত্রনি। বেদাঙ্গগী মতম খৃষ্টমাং ৮০০ দগী খৃঃ মাং ৫০০ ফাওবগী মতমনি। বেদাঙ্গ ইদ্রিৈগী মমাংদা জ্যোতিষ শাস্ত্র বেদগী মন্নং চল্লমই। উত্তর বৈদিক কালগী মতমদা তোংডান্না বিজ্ঞানগী বিষয় অমা ওইনা লৈরকপনি।

ঋগবেদগী চরনব্যুহগী পরিশিষ্টদা মহর্ষিশৌনক্না হায়রি "চতুর্লক্ষং তু জ্যোতিষম" হায়বদি জ্যোতিবিজ্ঞানগী শ্লোক লাখ ৪ নি। নারদ

সংহিতা, কাশ্যপ সংহিতা পরাশর সংহিতা অমসুং ভৃগু সংহিতাদা জ্যোতিষ বিজ্ঞানগী পুথোকপা অহানবা ঋষি ১৮ নি হায়না ইরি —

সুর্য পিতামহো ব্যাসো বশিষ্ঠোঅত্রি পরাশর
কাশ্যপো নারদো গর্গো মরীচির্মনু রঙ্গিরা ঃ ॥
লোমশ ঃ পৌলেশশ্চৈব ভর্গব যবনো গুরু ঃ।
শৌনকোঅষ্টাদ শাশ্চৈতে জ্যোতি ঃ শাস্ত্র প্রবর্ত্তক ঃ ॥

সুর্য, পিতামহব্রহ্মা, বেদব্যাস, বশিষ্ঠ, অত্রি, পরাশর, কাশ্যপ, নারদ, গর্গ, মরীচি, মনু, অঙ্গিরা, লোমশ, পৌলিশ, ভৃগু, যবন, বৃহস্পতি গুরু অমসুং শৌনক ঋষি মখোই ১৮ অসিনা ভারতীয় জ্যোতিষ শাস্ত্র ইহান হান্না লেংবা ঋষিশিংনি। মখোইদা নত্তনা গ্রীক (Greek) বা যবনাচার্যশিংনা সংস্কৃত লোন্দা ইবা "যবন জাতকাখ্য" অমসু "তাজিকাখ্য" কৌবা লাইবাক অনিসু ফংই, হায়ন "রত্ন" লাইরিক্কী মতুং ইন্না মথক্কী লাইরিক অনি অসি লেংবা মীশিংদি খণ্ডখুক্ত, রোমক, হিল্লাজ, খিবন অমসুং দুর্মুখনচিংবা আচার্য-শিংনা লেংবনি।

খণ্ডকুণ্ডো, রোমকশ্চ হিল্লাজো খিরনহৃয় ঃ।
দুর্মুখাচার্য ইত্যেতে তাজিকাখ্য প্রবর্ত্তক ঃ ॥

ভারতকী ওইনা উত্তরবৈদিক্কী মতম অঙ্ক অমদি জ্যোতিষ-শাস্ত্রগী শিথানিডাই ওইবা যুগনি। সংসারদা ইহান-হান্না অলজেব্রা (Algebra) নচিংবা অঙ্কগী পথাপ (Theory) কয়া পুথোকলম্মী। খৃষ্ট মাং ৫০০ গী মমাংদা অঙ্কদা শূন্য শিজিন্নবা ভারতনা ইহান-হান্না পুথোকই। ভারতগী অতৈ দেশশিংনা তমখিবনি। মশিং খিবগী চৎনবী, মতম অদুগী পৃথ্বীগী জাতি খুদিংমক্কী লৈরম্মী। ইবগা ১০, ২০, ১০০ হায়বদি শূন্যনা লোইবা মশিং খুদিংমক্কী তোঙান-তোঙানবা খুদম শিজিন্নরম্মী। ভারতকী জ্যোতির্বিদশিংনা বেদগী অহানবা শরক্তা, অদুগী পথাপ পুম্নমক বাইহেনা ইরম্মী। শূন্যগীদমক অতিগা হায়বা বাইহে কয়া শিজিন্নৈ। খুদম ওইনা খ, অম্বর, নভস, বিব, গগন,

অম্বর, বিয়ত অমসুং ব্যোম ; ৱাহৈ পুন্নমক অসিগী অর্থদি অতিয়া হায়বনি, অতিয়াগী অউবা শক্তমদি ০ নি। উত্তরবৈদিককী মতমদা অঙ্ক ময়েক শিজিন্নবা মতমদা অঙ্কদা ০ (শূন্য) শিজিন্নবা হৌখি। ইয়ুরোপকী মীশিংনা ১৩০০-১৪০০ ইংগী মতমদা কায়নথংদা অঙ্কদা শূন্য শিজিন্নবা ভারতকী তমখিবা আরবশিংদগী তম্বনি। উত্তরবৈদিককী মতমদা মেসোপোতামিয়া, রোম অমসুং অলেকজেন্দ্রিয়াগী জ্যোতিষকী অনৌ-অনৌবা পথাপ (Theory) কয়াসু ভারতনা লৌশিন্নমই। তৌইগুম্বসুং মীওইবদা গ্রহশিংগী প্রভাব হায়বদি মখোয় তাবগী মরমদা কুপনা নৈনবা ভারতনা খুাইদগী হেন্না। বৌদ্ধ আচার্যশিংনা ভারতকী ধর্ম, সংস্কৃতি, জ্যোতির্বিজ্ঞান অমসুং দর্শনশাস্ত্রচিংবা পৃথ্বী শিনথুংনা শন্দোকলম্মী।

খৃষ্টমাং ২০০০ গী মমাংৱাযদা ঋগবেদনা হায়খ্রে। মুনিত্তগী অংশ ৭ থোকখরগা মহাকপু অমুক হন্না কোয়হনা লৈরি হায়বা। কাযনা থংদা গ্রীক (Greek) কী হেরাক্লিডস (Herachlid's) খৃষ্টমাং ৩৮৮ অমসুং ভারতকী আর্যভট্ট ৪৫০ ইং পৃথ্বী অমদি অতৈ গ্রহশিংনা মুমিৎপু কোয়রবনি হায়বা, ককপা য়াক্লবা প্রমান কয়া পিরম্মী। তৌইগুম্বসুং মতম অতুগী মীশিংনা করিসু থৌশারমদে। জ্যোতিষ শাস্ত্রনা অসুম-অসুম চাওখৎলকপনা পৃথ্বীনা বিশ্বগী (Universe) কী ময়াই (Center) নি হায়বগী মায়োক্তা লেংবা য়াক্লবা ৱাহং কয়া লাকই। তৌইগুম্বসুং মতম অতুগী জ্যোতিষীশিংনা মখোইগী অরিবা পথাপ (Theory) হোংদোক্তনা শেমদোক্লবা হোৎনৈ। বিজ্ঞানগী অহানবা যুগ য়ৌবক্লবা ফাওবা ইয়ুরোপকী টোলেমী (Ptolemy) ১৫০ ইং পৃথ্বীনা সৌরজগতকী ময়াইনি হায়রম্মী। মহাক্কা মশাগী পথাপ (Theory) অসি ভাক্লবগীদমক গ্রহশিংগী ওর্বিট (Orbit) অসি অনি সুই হায়জিল্লমই। নিংথৌ অমদি চর্চ কিবদগী ইয়ুরোপকী মীশিংনা মশাগী ৱাখল ফোংদোকপা কিম্নরমই। ১৬০০ ইং চংলকপদা ইয়ুরোপ্তা নিংখা-তম্না মশা-মশাগী ৱাখল ফোংদোকপগী

ইহৌ অমা লাকই। মতম অতুদা হোলেণ্ডগী কোপরনিকস (Copernicus) ১৪৭৩-১৫৪৩ ইংনা ভারত অমদি গ্রীককী জ্যোতিষীশিংনা হায়বা পৃথ্বীনা মুমিত্তা কোইবগী পথাপ্প অঙ্ক অমদি চেনবা য়াদ্রবা চাংয়েং কয়ানা প্রমান ভোরম্মী। মহাক্না হায়রম্মী পৃথ্বীনচিংবা গ্রহ পুম্নমক মুমিত্তা কোই হায়না লৌরবদি গ্রহশিংগী খোংচৎ অমদি ওর্বিট (Orbit) পুথোকপা লাইনা থোকই টোলেমীগী লৌকম খংদবা ভাবনা শাবা কয়াগী মথৌ তাদে। অসুম্না কোপরনিকস অমসুং মাবু সৌগতপা কেপ্লর (Kepler) গী ৱাহৈশিং অতু মতম অতুগী মীশিংনা মপুং ফানা থাজরমদে। মমৈদা গেলেলিয়োনা দূরবীন পু'থাক্রবা মতুংদা মিৎনা শংশং উবগা থাজনরকই। মথোইনা বুধ অমসুং শুক্রনা মুমিৎপু কোইবা উরম্মী। তুববীন্দা বুধ অমসুং শুক্রনা থাগুম্না অমুক চাওবা অমুক পিকপা উরম্মী। থাজগুম্না অমুক চাওবা অমুক পিকপগী মবমদি গ্রহ অনিমক পৃথ্বীগী ওর্বিট (Orbit) মনুংদা লৈবা মরম্ননি। অসুম্না গ্রহ পুম্নমক মুমিত্তা কোইনা লৈতুনা চংলি হায়বা অসি মপুং ফানা থ'জতুনা য়ান্নবে।

———

দণ্ড অমসুং বার নৈনবা

নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা, য়ুমশকৈশা, শগোলশেন, ঈরাই, থাংজ নুমিৎ মশিং তরেৎনি। মথোইগী মনুংদা নিংথৌকাবা য়ুমশকৈশা, শগোলশেন অমসুং ঈরাই অফবা নুমিৎনি। নোংমাইজিং, লৈপাকপোকপা, থাংজ হিরম থরদদি ফৈ।

নিংথৌ অভিষেক তৌবা, মন্ত্রী মণ্ডল রাশক লৌবা, রাষ্টপতি অমসুং প্রধান মন্ত্রীনা যাত্রা তৌবা, শাসনগী থবক, সরকারগী থৌরম, রাষ্ট্রপতি, প্রধান মন্ত্রী উন্নবা, মৈগী থবকন'চংবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাংথোকপা ফৈ। লমন খুম্বা, কুটনীতি, দণ্ডী পিবা, অণ্ডবগী য়াথং পিবা, শা'লানগী থবক, ছুরানবা চৎপা, হকচাং শাজেন তৌবা, অরোনবা থবক তৌবা লৈপাকপোকপা নুমিত্তা তৌবা ফৈ। পাপকী থবক জাৎ পুন্নমক থাংজ নুমিত্তা তৌবা ফৈ।

নুমিৎ-মপু :— নোংমাইজিংগী মপু নুমিৎ, নিংথৌকাবগী থাজ, লৈপাকপোকপগী মঙ্গল, য়ুমশকৈশগী বুধ, শগোলশেনগী মপুনা বৃহস্পতি, ঈরাইগী মপুনা শুক্র থাংজগী মপুনা শনিনি।

অযুক-নুংথিলগী যামাদ্ধ'পতি পুথোবপা :— অযুক নুংথিলগী অপুনবা দণ্ডগী শরুক নিপাল থোকপগী শরুক অমাবু যামাদ্ধ' কৌই। নুমিৎ নুমিৎকী নুমিৎ মপুনা অহানবা যামাদ্ধ'গী মপুনি। নুমিৎ মপুদগী থিরকপা ৬ সুবা নুমিৎনা অনিসুবা যামাদ্ধ'পতিনি। মতৌ অসুম্না ৬-৬ থিরগা যামাদ্ধ'পতি পুথোকনি। খুদম ওইনা নোংমাইজিংগী অহানবা যামার্দ্ধগী মপুনা রবিনি, অনিসুবনা ঈরাইনি, অহুমসুবনা বুধনি, মরিসুথনা চন্দ্রনি।

অহিংগী যামাদ্ধ' মপু পুথোকপা :— নুমিৎ তাবদগী নুমিৎ থোকত্রিভৈগী মনুংদা লৈবা অপুনবা দণ্ডশিং তাত্নগী নিপাল থোকপগী শরুক অমবু যামাদ্ধ' কৌই। নুমিৎ মপুনা অহানবা যামাদ্ধ'গী মপু

ওইগনি। সুমিৎ মপুদগী থিরকপদা মঙা তাবা সুমিৎ অতুনা অনিসুবা যামার্দ্ধমপু ওইগনি। মতৌ অসুম্না থিরকপদা মঙা-মঙাদা লৈবা সুমিৎ অতুনা অহিংগী যামর্দ্ধমপু ওইগনি।

অযুক-সুংথিলগী যামার্দ্ধমপু

১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮
র	শু	বু	চ	শ	বু	ম	র
চ	শ	বৃ	ম	র	শু	বু	চ
ম	ব	শু	বু	চ	শ	বৃ	ম
বু	চ	শ	বৃ	ম	ব	শু	বু
বৃ	ম	র	শু	বু	চ	শ	বৃ
শু	বু	চ	শ	বৃ	ম	র	শু
শ	বৃ	ম	ব	শু	বু	চ	শ

অহিংগী যামার্দ্ধ মপু

১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮
র	বৃ	চ	শু	ম	শ	বু	র
চ	শু	ম	শ	বু	র	বৃ	চ
ম	শ	বু	ব	বৃ	চ	শু	ম
বু	র	বৃ	চ	শু	ম	শ	বু
বৃ	চ	শু	ম	শ	বু	র	বৃ
শু	ম	শ	বু	র	বৃ	চ	শু
শ	বু	র	বৃ	চ	শু	ম	শ

অয়ুক মুংথিলগী দণ্ড মপু পুথোকপা :— যামান্ধ অমদা ফংবা অপুনবা দণ্ড অতুগী শরুক মরি থোকপগী শরুক অমগী মপুবু দণ্ডমপু কৌই। যামান্ধ মপুনা অহানবা দণ্ড মপু ওইগনি। অহানবা দণ্ডমপুগী গ্রহ অতুগী মশিং অতু অনি থোকউ—অফংবা মশিং অতু অনিস্থবা দণ্ড মপু ওইগনি। অনিস্থবা দণ্ডমপু অতুবুস্ অনি খোকউ-অফংবা মশিং অতু অহুমস্থবা দণ্ড মপু ওইগনি। অহুমস্থবা দণ্ডমপুবু অনি থোকউ—অফংবা মশিং অতু মরিস্থবা দণ্ড মপু ওইগনি।

রবিগী দমক্তদি অতোপ্পা নিযম অমা লৈ—মবমদি রবিগী গ্রহ মশিং ১ নি, থাইদোকপা য়াদে; মরম অসিনা গ্রহ মশিংগী মতুং ইন্না রবিদগী থিবদা নিপালস্থবা গ্রহ'দ রাহু'নি মরম অসিনা রবিগী মথং খুদিংগী দণ্ডপতি অসি রাহু ওইগনি। মরম খুদিংমক্তা গ্রহ মশিং মচেৎ তারবদি মচেৎ অতু হুন্দোক্লগা লেস হৌবা মপুম অতু গ্রহগী মশিং ওইনা লৌগনি। খুদম ওইনা হাযরবদা মঙ্গলগী গ্রহ মশিং ৩নি— তংখাই তারবদি ১১, ১১ নি ফিভম অসিদা তংখাই হুদোক্লগা ১ হায়না লৌগনি—মরম অদুনা মঙ্গলগী মথংগী দণ্ডপতি রবি ওইগনি।

অহিংগী দণ্ডপতি পুথোকপা :— যামান্ধ মপু খুদিংমক অহানবা দণ্ডমপু ওইগনি। অহানবা দণ্ডমপুগী গ্রহমশিংদগী মশিং থিবা হৌরগা তরুকস্থবা মফমদা ফংবা গ্রহ মশিং অদুনা অনিস্থবা দণ্ডমপু ওইগনি। মতৌ অস্থমনা ৬, ৬ কাল্লগা লৈবা গ্রহ অতুগী মশিংগী মতুং ইন্না দণ্ডমপু ওইগনি। হেন্না খুদোংচানবা মখাদা চক্র উৎলি :—

অয়ুক মুংথিল দণ্ড মপু

১		২		৩		৪	
রবি	বায়ু	রাহু	বরুন	বুধ	যম	চন্দ্র	মাহেন্দ্র
চন্দ্র	মাহেন্দ্র	রবি	বায়ু	রাহু	বরুন	বুধ	যম
মঙ্গল	যম	রবি	মাহেন্দ্র	রাহু	বায়ু	বুধ	বরুন
বুধ	বরুন	চন্দ্র	যম	রবি	মাহেন্দ্র	রাহু	যুবা

গুরু	বায়ু	চন্দ্র	বরুন	রবি	যম	রাহু	মাহেন্দ্র
শুক্র	মাহেন্দ্র	মঙ্গল	বায়ু	রবি	বরুন	রাহু	যম
শনি	যম	মঙ্গল	মাহেন্দ্র	রবি	বায়ু	রাহু	বরুন

অহিং দণ্ড মপু

১		২		৩		৪	
রবি	বায়ু	শুক্র	বরুন	বুধ	যম	চন্দ্র	মাহেন্দ্র
চন্দ্র	মাহেন্দ্র	শনি	বায়ু	গুরু	বরুন	মঙ্গল	যম
মঙ্গল	যম	রবি	মাহেন্দ্র	শুক্র	বায়ু	বুধ	বরুন
বুধ	বরুন	চন্দ্র	যম	শনি	মাহেন্দ্র	গুরু	বায়ু
গুরু	বায়ু	মঙ্গল	বরুন	রবি	যম	শুক্র	মাহেন্দ্র
শুক্র	মাহেন্দ্র	বুধ	বায়ু	চন্দ্র	বরুন	শনি	যম
শনি	যম	গুরু	মাহেন্দ্র	মঙ্গল	বায়ু	রবি	বরুন

দণ্ডাদি জ্ঞান

অনুপল ৬০ = বিপল ১

বিপল ৬০ = পল ১

পল ৬০ = দণ্ড ১

দণ্ড ৬০ = নোংম (অহোরাত্র)

নুমিং ৭ = হপ্তা ১

নুমিং ৩০ = খা ১

খা ১২ = চহি ১

অনুপল ২$\frac{১}{২}$ না = সেকেণ্ড ১ না ৬০ খোকপগী ১ নি।

বিপল ২$\frac{১}{২}$ না = সেকেণ্ড ১

বিপল ১০ না = প্রান অমা = সেকেণ্ড ৪

পল ২$\frac{১}{২}$ না = মিনট ১

দণ্ড অমা = মিনট ২৪, দণ্ড—২ না মুহুর্ত ১ = মিনট ৪৮।

দণ্ড ২$\frac{১}{২}$ না পুং ১। মুহুর্ত ৩০ = দণ্ড ৬০ = পুং ২৪ গা যাগ্নে।

বার বেলা :— অযুক-নুংথিল চুপ্পদা লৈবা দণ্ড অপুম্বগী ৮ থোকপগী শরুক অমবু যামাদ্ধ কৌই। নোংমাইজিংনচিংবা সুমিৎ ৭ নিগী অযুক-নুংথিলগী ওইবা যামার্দ্ধ ৮ গী মন্নুংদা ফত্তবা যামার্দ্ধশিংবু বাব বেলা হায়না কৌই। খুদম ওইনা হাযরবদা নোংমাইজিংগী ৪সুবা যামার্দ্ধ, নিংথৌকাবাগা তবেৎসুবা লৈপাকপোকপগী অনিসুবা, য়ুমশকৈশগী মভাসুবা, শগোলশেনগী নিপালসুবা, ঈরাইগা অহুমসুবা অমসুং থাংজগী তরুকসুবা অযুক-নুংথিলগী যামাদ্ধবু বার বেলা কৌই। বার বেলাগী মতমদা থবক খুদিংমক তৌবা পাংদে।

কাল বেলা :— অযুক-নুংথলগী যামাদ্ধ চক্রদা হপ্তা অমা হায়বদি সুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা শনিনা পুবা যামার্দ্ধ খুদিংমকপু কাল বেলা কৌই। খুদম ওইনা নোংমাইজিংগী মভাসুবা, নিংথৌকাবগী অনিসুবা লৈপাকপোকপগী তরুকসুবা, য়ুমশকৈশগী অহুমসুবা, শগোল-শেনগী তবেৎসুবা, ঈরাইগী মরিসুবা অমসুং থাংজগী অহানবা অমসুং নিপালসুবা যামাদ্ধবু কাল বেলা কৌই।

কাল রাত্রি :— অহিংগী যামাদ্ধ নিপালগী মনুংদা হপ্তা অমদা শনিনা পুবা যামাদ্ধ খুদিংমকপু কালরাত্রি কৌই। খুদম ওইনা নোংমাইজিংগী তরুকসুবা যামাদ্ধ, নিংথৌকাবগী মরি, লৈপাকপোকপগী অনি, য়ুমশকৈশগী তরেৎ, শগোলশেনগী মভা, ঈরাইগী অহুম অমসুং থাংজগী অহানবা অমসুং নিপালসুবা যামাদ্ধবু কাল রাত্রি কৌই।

কাল বেলা অমসুং কালরাত্রিদা যাত্রা তৌরবদি শিবগা মানবা খুদোংথিবা নংই। লুহোংবদা বর অমসুং কন্যানা যাত্রা তৌরবদি কায়নৈ অমসুং খুদিংমক্তা অমাংবা, অরাবা নংই।

কুলিকবেলা :— অযুক-নুংথিল অমসুং অহিংগী ১৫-১৫ থোকপগী শরুক অমবু মুহুর্ত্ত কৌই। সুমিৎ খুদিংগী মুহুর্ত্ত থরগী মমিং কুলিকবেলা কৌই। খুদম ওইনা নোংমাইজিংগী মরিসুবা মুহুর্ত্ত অমসুং অহিংগীনা তরাহমথোইসুবা মুহুর্ত্তবু কুলিকবেলা কৌই। মতৌ অমুম্না নিংথৌ-কাবগী অযুক-নুংথিলগী ১২ সুবা, নুমিদাংগীনা ১১ সুবা; লৈপাকপোকপগী

১০ সুবা অমসুং অহিংগীনা ৯ সুবা ; য়ুমশকৈশগী ৮ সুবা, অহিংগীনা ৭ সুবা ; শগোলশেনগী ৬ সুবা অমসুং অহিংগীনা ৫ সুবা ; ঈরাইগীনা ৪ সুবা অমসুং অহিংগীনা ৩ সুবা ; থাংজগীনা অয়ুক-নুংথিলগীনা ৩সুবা অমসুং নুমিদাংগীনা অহানবা মুহুর্ত্তবু কুলিকবেলা কৌই। "মুহুর্ত্ত চিন্তামনি" লাইরিকী মতুং ইন্না কুলিকবেলাগী মতমদা অকবা থবক থক তৌরোই।

নুমিৎ অহুমুরিবা গ্রহনা পাঙ্গল কল্লবদি অমসুং পাঙ্গল লৈবা গ্রহনা বশ্ম-লগ্নদা লৈরবদি কুলিকবেলাগী মতমদা থবক পাংথোকপা য়াই।

অয়ুক-নুংথিলদা মুহুর্ত্ত ১৫ অমসুং অহিংদা মুহুর্ত্ত ১৫ পুন্না মুহুর্ত্ত ৩০ না নোংমা শাই। মুহুর্ত্ত থুদিংগী মপু নক্ষত্রনা ওই। থুদম ওইনা :- অয়ুক-নুংথিলগী মুহুর্ত্ত মপুনা—১ আর্দ্রা, ২ অশ্লেষা, ৩ অনুরাধা, ৪ সুবা মঘা, ৫ ধনিষ্ঠা, ৬ সুবা পুর্ব্বাষাঢ়া, ৭ সুবা উত্তরাষাঢ়া, ৮ অভিজিৎ, ৯ রোহিনী, ১০ বিশাখা, ১১ জেষ্ঠা, ১২ মৃগশিরা, ১৩ শতভিষা, ১৪ উত্তরফলগুনী অমসুং ১৫ সুবা মুহুর্ত্ত মপুনা পুর্ব্বফলগুনীনি।

অহিংগী মুহুর্ত্ত মপু :— ১ আর্দ্রা, ২ পুর্ব্বভাদ্রপদ, ৩ উত্তরভাদ্রপদ, ৪ রেবতী, ৫ অশ্বিনী, ৬ ভরনী, ৭ কৃত্তিকা, ৮ রোহিনী, ৯ মৃগশিরা, ১০ পুনর্ব্বসু, ১১ পুষ্যা, ১২ শ্রবনা, ১৩ হস্তা, ১৪ চিত্রা অমসুং ১৫ সুবা মুহুর্ত্তগী মপু স্বাতী নক্ষত্রনি।

বেলা—চক্র

সুমিৎ মমিং	বার বেলা যামার্দ্ধ মশিং	কাল বেলা যামার্দ্ধ মশিং	কাল রাত্রি যামার্দ্ধ মশিং	কুলিক বেলা মুহূর্ত্ত মশিং	কুলিক রাত্রি মুহূর্ত্ত মশিং
নোংমাইজিং	৪	৫	৬	১৪	১৩
নিংথৌকাবা	৭	২	৪	১২	১১
লৈপাকপোকপা	২	৬	২	১০	৯
য়ুমশকৈশ	৫	৩	৭	৮	৭
শগোলশেন	৮	৭	৫	৬	৫
ইরাই	৩	৪	৩	৪	৩
থাংজ	৬	১	৮	২	১

তিথি নৈনবা

থা অমগী মনুংদা থানিল অমসুং থাশি হায়না হথাই অনি লৈ। পানখৎলকপগী নোংমপানবদগী পুনিমা ফাওবা চন্দ্রবলা হায়বদি থাজনা নিল্লকপা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্কনা নুমিৎ ১৫ নিদা মপুং ফাই ; নুমিৎ ১৫ নি অসিবু শুক্লপক্ষ হায়বদি থানিলগী থথাই কৌই। পুনিমা মতুং নোংমা কোনবদগী অমাবশ্যা হায়বদি থাশি ফাওবা থাজগী শকফম অসি নোংম-নোংমগী তাথরকই ; মসিগী নুমিৎ ১৫ ন অসিবু থাশিগী থথাই কৌই।

তিথি মপু :— থানিল নোংমা পানবদগী পুনিমা ফাওবা অমসুং পুনিমা মতুং নোংমা কোনবদগী থাশি ফাওবগী তিথি মপু মথাদা উৎলি :— ১ অগ্নি, ২ প্রজাপতি, ৩ গৌরী, ৪ গনেশ, ৫ অহিং ৬ গুহ, ৭ রবি, ৮ শিব, ৯ দুর্গা, ১০ যম, ১১ বিশ্ব, ১২ হরি, ১৩ কাম, ১৪ হর, ১৫ (পুনিমা) না থাজ অমসুং থাশিগী লাই মপুনা পিতৃগননি।

তিথি বিভাগ চক্র

শুক্লপক্ষ				কৃষ্ণপক্ষ			
ফল :	অশুভ	মধ্যম	শুভ	ফল	শুভ	মধ্যম	অশুভ
নন্দা	১	৬	১১	নন্দা	১৬	২১	২৬
ভদ্রা	২	৭	১২	ভদ্রা	১৭	২২	২৭
জয়া	৩	৮	১৩	জয়া	১৮	২৩	২৮
রিক্তা	৪	৯	১৪	রিক্তা	১৯	২৪	২৯
পূর্ণা	৫	১০	১৫	পূর্ণা	২০	২৫	৩০

থা পানখৎলকপা নোংমা পানবদগী মডানি পানবা ফাওবগী তিথিশিং অসি পাংদে। পানখৎলকপা তরুকনি পানবদগী তথাম্নি পানবা তিথি (থাবান) শিং অসি য়াইমরূপ ওইনা কৈ, অমসুং

তরানি পানবদগী পুনিমা ফাওবনা খ্বাইদগী ফবা পানখৎলকপগী থাবানশিং (তিথি) নি।

কৃষ্ণপক্ষ হায়বদি পুর্নিমা মতুং নোংমা কোনবদগী মঙানি কোনবা ফাওবা থাশিগী খ্বাইদগী ফবা থাবান্নি। পুর্নিমা মতুং তরুকনি কোনবদগী তরানি কোনবা ফাওবা যাইনরণ কৈ অমসুং ১১ নি কোনবদগী থাশি ফাওবা পাংদে। চন্দ্রগী কলানা হেনগৎলকপা অমসুং তাথরকপনা মরম ওইদুনা চন্দ্রগী পাঙ্গল মতুং ইন্না তিথিশিংগী অফফত্ত লেপ্পী। পানখৎলকপা নোংমা পানবদগী থাশি ফাওবগী তিথি ৩০ অসি শরুক অহুম থোক্লা যেনথোক্নি। ময়াইগী মুমিৎ ১০ নি হায়বদি ১০ নি পানবদগী ২০ নি পানবা ফাওবগী তিথিশিং অসি থাজগী পাঙ্গল মপুং ফানা লৈবনা খ্বাইদগী ফবা তিথিশি নি। তিথি ১০ অসিগী মনুংদা ১৪ নি পানবা অমসুং ১৯ নি পানবা রিক্তা তিথি তাবা মরম্না পাংদে মরম অতুনা অফবা থবক অমত্তা পাংথোকপা পাংদে।

অবম অমসুং ত্রয়স্পর্শ :— অহিং নুংথিল নোংমগী পুংফম মনুংদা তিথি অনিগী অবোইবা শরুক শন্নবদ পুমং অহুবু অবমদিন কৌই। নোংমগী মনুংদা তিথি অন লোইরবদি অমসুং অহুমসুবা তিথি হৌগৎলক্রবদ মুমিৎ অদু ত্রয়স্পর্শ কৌই। অবম অমসুং ত্রয়স্পার্শ তাবা তিথিশিংদা যাত্রা তৌবা, লুহোংবনচিংবা অফবা থবক তৌবা য়াদে। অবমদিন পংনা থোক্কে, ত্রয়স্পর্শ থা খুদিংগী লৈ।

দগ্ধ তিথি :— কৃষ্ণপক্ষগী পুর্নিমা মতুং নিনি কোনবা হায়বদি ১৭ নি পানবা থবানদা রবি নত্রগা চন্দ্রনা মীন রাশিদা লৈরবদি মুমিৎ অদু "দগ্ধ তিথি" কৌই। মতৌ অমুন্না ধনু রাশিদনা পানখৎলকপগী ২ নি পানবা; বৃষ রাশিদনা ১৯ নি পানবা; কুম্ভ রাশিদনা মরিনি পানবা; মেষ রাশিদা রবি নত্রগা চন্দ্র লৈরগনা ৬নি পানবা; কর্কট রাশিদনা ২১ নি পানবা; কন্যা রাশিদনা ২৩ নি পানবা মিথুন রাশিদনা ৮ নি পানবা; বৃশ্চিক রাশিদনা ২৫ নি পানবা; সিংহ রাশিদনা ১০ নি পানবা; মকর রাশিদনা রবি নত্রগা চন্দ্র লৈরবা

অমসুং থবান্না ২৭ নি পান্নবদি "দগ্ধ তিথি" কৌই। তিথিশিং অচুদা রবি লৈরগনা "মাস দগ্ধা" কৌই অমসুং চন্দ্র লৈরগনা "চন্দ্র দগ্ধা" কৌই।

যোগ নৈনবা :— মুমিৎ, তিথি (থাবান), নক্ষত্র, করন অমসুং যোগ মখোই মভাগী অফ-ফত্ত মহৈ তাইনং মী খুদিংমক্না নোংমগী ফংলি। নক্ষত্র ২৭ কী মহৈ ফংবগুম্না যোগ ২৭ কী মহৈসু নোংমা নোংমগী ওইনা ফংলি। যোগ ২৭ গী মমিং :— ১) বিষ্কুম্ভ, ২) প্রীতি, ৩) আয়ুস্মান, ৪) সৌম্য ৫) সোভন, ৬) অতিগণ্ড, ৭) সুকর্মা, ৮) ধৃতি, ৯) শূল, ১০) গণ্ড, ১১) বৃদ্ধি, ১২) ধ্রুব, ১৩) ব্যাঘাত, ১৪) হর্ষণ, ১৫) বজ্র, ১৬) অসৃক, ১৭) ব্যতীপাত, ১৮) বরীয়ান, ১৯) পরিঘ, ২০) শিব, ২১) সিদ্ধ, ২২) সাধ্য, ২৩) শুভ ২৪) শুক্র ২৫) ব্রহ্ম, ২৬) ইন্দ্র অমসুং ২৭) বৈধৃতনি। যোগ ২৭ অসিগী মমিং "নিত্য যোগ" কৌই।

করন পুথোকপা :— মুমিৎ খুদংগী তিথিশিংনা হৌগৎলকপা অমসুং লোইরকপগী মতু ইন্না "করন" পুথোকই। খুদম ওইনা নোংমগী পান্নবা তিথি অচুদগী অমা খাইদোক্লগা ২ না পুথোক্লগা মশিং ৭ তগী হেল্লনদি ৭ না য়েন্নবা-অরেম্বা অচু মমংগী করন মশিংনি। লোইরকপা তিথি ওইরগনা তিথি মশিং অচু ২ না পুরিগা অচুগা অমা খাইদোকউ অরেম্বা অচু মতুংগী করণনি। ৭ তগী হেল্লবদি ৭ না য়েন্নবা অরেম্বা অচু করননি।

করন মশিং :— ১) বব, ২) বালব, ৩) কৌলব, ৪) তৈতিল, ৫) গরকবণ, ৬) বণিজ, ৭) বিষ্টি (বিষ্টি খনবা খুদম শূন্যনি) অসিনচি বা করন তরেৎনি। মসিগী মথক্তা করন মরি অমগা লৈরি :— শকুনিকরন, চতুষ্পাদ, নাগ অমসুং কিন্তুঘ্ন মরি অসিবু স্থিরকরন হায়না খনৈ।

কবন নির্ণয় চক্র

তিথি	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩
পূর্ব্বার্দ্ধ কিং		২	৪	৬	১	৩	৫	০	২	৪	৬	১	৩
পরার্দ্ধ	১	৩	৫	০	২	৭	৬	১	৩	৫	০	২	৪

তিথি	১৪	১৫	১৬	১৭	১৮	১৯	২০	২১	২২	২৩	২৪
পূর্ব্বার্দ্ধ কিং	৫	০	২	৭	৬	১	৩	৫	০	২	৪
পরার্দ্ধ	৬	১	৩	৭	০	২	৭	৬	১	৩	৫

তিথি	২৫	২৬	২৭	২৮	২৯	৩০
পূর্ব্বার্দ্ধ কিং	৬	.	৩	৫	০	চ
পরার্দ্ধ	০	২	৪	৬	৯	০।

হু-শিজিন্নবা, মা হাংপা-গ্না, ককপা, শা-লানা নমথব, শাগোল-শামু লাকপনচিংবদদি বষ্টি ভদ্র তিথিদা তৌবা মায পাকই, অতৈ থবক্তদ পাংদে। তৌই কুসং বিষ্টিবনগী অকানবগী দণ্ড ৩ দদি দোষ লৈতে তিথিগী হৌগৎনকপা শকল্দা বিষ্টীকরন লাবা অসি থা পানথৎলকপগী ৮ নি পানবা সমস্ত পূর্ণিমা মতুংদা। কৃষ্ণপক্ষ হাযবদি পুনিমা মতুংগীনা ২২ নি অমসুং ২৯ নি পানবা মুনিৎ বিষ্টি কবন তায। মথোইগী মমিং বাসবী বিষ্টী নত্রগা দিনভদ্রা কৌই থা পানথৎলকপা ৭ নি পানবা, ১১ নি পানবা অমসুং পুর্নিমা মতুংগী ১৮ নি পানবা তিথি শাবাইবদনি পোকপা বিষ্টী কবনগী মমিং নৈশিরী বিষ্টী নত্রগা বাত্রিভদ্রা হায়না খংনৈ। অযুক-নুংথিলদা বাত্রি-ভদ্রা তাবদা অযুক-নুংথিলদা শুভ কর্ম তৌবদা অকাযবা লৈতে। মখোই অসুমনা গহিদা দিনভদ্রা তাববসু নুমিদাং শুভকর্ম তৌবদা অকাযবা লৈতে।

নক্ষত্র-নৈনবা

নক্ষত্র ২৭ থাজগী নো মা-লোমগী পনথু যাদনি। নক্ষত্রশিংগী মমিং ১) অশ্বিনী ২) ভরনী, ৩) কৃত্তিকা, ৪) রোহিনী, ৫) মৃগশিরা, ৬) আর্দ্রা, ৭) পুনর্ব্বসু, ৮) পুষ্যা, ৯) অশ্লেষা, ১০) মঘা ১১)

১২) উত্তরফলগুনী, ১৩) হস্তা, ১৪) চিত্রা, ১৫) স্বাতী, ১৬) বিশাখা, ১৭) অনুরাধা ১৮) জ্যেষ্ঠা, ১৯) মূলা, ২০) পুর্ব্বাষাঢ়া, ২১) উত্তরা ষাঢ়া ২২) শ্রবনা, ২৩) ধনিষ্ঠা ২৪) শতভিষা, ২৫) পূর্ব্ব ভাদ্রপদ ২৬) উত্তর-ভাদ্রপদ অমসুং ২৭, রেবতী নক্ষত্রনি।

নক্ষত্র ২৭ কী মৈতৈ মমিং ঃ— ১) সজিক, ২) থবা, ৩) খোংজোংনুবী, ৪) অপকপা, ৫) শ'চুঙ-তেলহৈবা ৬) লিকলা শাফবা, ৭) চীঙচরোই, ৮) চুঙশেলনুপী ৯) নিংথৌনাগা ১০) নিংথৌতুরেল, ১১) নিংথৌ শামুং ১২) শামু পীচা, ১৩) উকোং ঙাত্তু, ১৪) মোকাং শঙ্কা, ১৫) লুরাং শঙ্কা ১৬) নালপ শঙ্কা, ১৭) ওকপুরোই, ১৮) তাউহুইরেং, ১৯) তোংচে নুপী, ২০) থাধাই, ২১) থাংতোন, ২২) নিংথৌ মনি-মচৌ, ২৩) হারৈমায়ে, ২৪) কোরৌনু, ২৫) থাবালিতেং, ২৬) সিল্লি লৈনিং অমসুং ২৭) রায়াখুরৌনি।

নক্ষত্র খুদিংমক পাদ ৪, ৪ থোক্না থাইদোকই। মতৌ অসুম্না ২৭×৪=১০৮ পুন্না পাদ মশিং ১০৮ নি। পাদ ১০৮ অসি রাশি ১২ দা য়েনবদা ১০৮÷১২=৯, রাশি অমদা পাদ ৯, ৯ থুংই। মতৌ অসুমনা অশ্বিনী নক্ষত্রগী পাদ ৪, ভরনী পাদ ৪ অমসুং কৃত্তিকাগী পাদ অমনা পুল্লগা মেষ রাশি ওই। বৃষ রাশিগীনা কৃত্তিকাগী লেমহৌবা পাদ ৩, রোহিনীগী পাদ ৪ অমসুং মৃগশিরাগী অহৌবা পাদ ২, মতৌ অসুমনা পাদ ৯,৯ না রাশি অমা ওই।

মথক্কী নক্ষত্র ২৭ অসিগী মনুংদা অভিজিৎ কৌবা নক্ষত্র অমা লৈ মহাক্না লৈরিবাদ উত্তর ষাঢ়াগী অরোইবা মরিসুবা পাদ অমসুং শ্রবনা নক্ষত্রগী দণ্ড ৪ না অভিজিৎ ওই। সপ্ত-শলাকা চক্রগী মতুং ইন্না অভিজিৎ অসি রোহিনী নক্ষত্রগা বেধ লৈমৈ হায়না কল্পন তৌই। অভিজিৎ নক্ষত্রদা পোকপা মী অয়াম্বা শাগৈগী অথোইব অচংবা মী ওইগনি। মথাদা রাশি ১২ গী ফটকী মতুং ইং নক্ষত্রশিংগী পাদ-চক্রসু উৎলি; লোইননা শতপদ চক্রসু উৎলি।

চন্দ্র স্ফুটকী মতুং ইন্না রাশি চক্র

রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদ গী মতুং ইন্না মিং	পাদমশিং	চন্দ্র স্ফুট	রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদচক্রী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট
মেষ রাশি	১	চু	১	০।৩।২০	বৃষ রাশি	•	ই	২	১।৩।২০
	,,	চে	২	০।৬।৪০		,,	উ	৩	১।৬।৪০
	,,	চো	৩	০।১০।০		,,	এ	৪	১।১০।০
	,,	ল	৪	০।১৩।২০		৪	ও	১	১।১৩।২০
	২	লি	১	০।১৬।৪০		,,	ব	২	১।১৬।৪০
	,,	লু	২	০।২০।০		,,	বি	৩	১।২০।০
	,,	লে	৩	০।২৩।২০		,,	বু	৪	১।২৩।২০
	,,	লো	৪	০।২৬।৪০		৫	বে	১	১।২৬।৪০
	৩	অ	১	১।০।০		,,	বো	২	২।০।০

চন্দ্র স্ফুট মতুং ইন্না রাশি চক্র

রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদগী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট	রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদগী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট
মিথুন রাশি	৫	ক	৩	২।৩।২০	কর্কট রাশি	৭	হি	৪	৩।৩।২০
	,,	কি	৪	২।৬।৪০		৮	হু	১	৩।৬।৪০
	৬	কু	১	২।১০।০		,,	হে	২	৩।১০।০
	,,	ঘ	২	২।১৩।২০		,,	হো	৩	৩।১৩।২০
	,,	ঙ	৩	২।১৬।৪০		,,	ড	৪	৩।১৬।৪০
	,,	ছ	৪	২।২০।০		৯	ডি	১	৩।২০।০
	৭	কে	১	২।২৩।২০		,,	ডু	২	৩।২৩।২০
	,,	কো	২	২।২৬।৪০		,,	ডে	৩	৩।২৬।৪০
	,,	হ	৩	৩।০।০		,,	ডো	৪	৪।০।০

চন্দ্র স্ফুট মতুং ইন্না রাশি চক্র

রাশি	নক্ষত্র নম্বর	শতপদচক্রী মতুং ইন্না নিং	পাদ নম্বর	চন্দ্র স্ফুট	রাশি	নক্ষত্র নম্বর	শতপদচক্রী মতুং ইন্না নিং	পাদ নম্বর	চন্দ্র স্ফুট
	১০	ম	১	৪ | ৩ | ২০		১২	টো	১	৫ | ৩ | ২০
	,,	মি	২	৪ | ৬ | ৪০		,,	প	৩	৫ | ৬ | ৪০
সিংহঃ	,,	মু	৩	৪ | ১০ | ০	[illegible]	,,	পি	৪	৫ | ১০ | ০
	,,	মে	৪	৪ | ১৩ | ২০		১৩	পু	১	৫ | ১৩ | ২০
	১১	মো	১	৪ | ১৬ | ৪০		,,	ষ	২	৫ | ১৬ | ৪০
[illegible]	,,	ট	২	৪ | ২০ | ০	[illegible]	,,	ণ	৩	৫ | ২০ | ০
	,,	টি	৩	৪ | ২৩ | ২০		,,	ঠ	৪	৫ | ২৩ | ২০
	,,	টু	৪	৪ | ২৬ | ৪০		১৪	পে	১	৫ | ২৬ | ৪০
	১২	টে	১	৫ | ০ | ০		,,	পো	২	৬ | ০ | ০

চন্দ্র স্ফুট মতুং ইন্না রাশি চক্র

রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদগী মতুংইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট	রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদগী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট
তুলা রাশি	১৪	র	৩	৬।৩।২০	বৃশ্চিক রাশি	,,	তো	৪	৭।৩।২০
	,,	রি	৪	৬।৬।৪০		১৭	ন	১	৭।৬।৪০
	১৫	রু	১	৬।১০।০		,,	নি	২	৭।১০।০
	,,	রে	২	৬।১৩।২০		,,	নু	৩	৭।১৩।২০
	,,	রো	৩	৬।১৬।৪০		,,	নে	৪	৭।১৬।৪০
	,,	ত	৪	৬।২০।০		১৮	নো	১	৭।২০।০
	১৬	তি	১	৬।২৩।২০		,,	য়	২	৭।২৩।২০
	,,	তু	২	৬।২৬।৪০		,,	য়ি	৩	৭।২৬।৪০
	,,	তে	৩	৭।০।০		,,	য়ু	৪	৮।০।০

চন্দ্র স্ফুট মতুং ইন্না রাশি চক্র

রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদকী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট	রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদকী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট
ধনু রাশি	১৯	যে	১	৮।৩।২০	মকর রাশি	২১	ভো	২	৯।৩।২০
	,,	যো	২	৮।৬।৪০		,,	জ	৩	৯।৬।৪০
	,,	ভ	৩	৮।১০।০		,,	জি	৪	৯।১০।০
	,,	ভি	৪	৮।১৩।২০		২২	খি	১	৯।১৩।২০
	২০	ভু	১	৮।১৬।৪০		,,	খু	২	৯।১৬।৪০
	,,	ধ	২	৮।২০।০		,,	খে	৩	৯।২০।০
	,,	ফ	৩	৮।২৩।২০		,,	খো	৪	৯।২৩।২০
	,,	ঢ	৪	৮।২৬।৪০		২৩	গ	১	৯।২৬।৪০
	২১	ভে	১	৯।০।০		,,	গি	২	১০।০।০

চন্দ্র স্ফুটকী মতুং ইন্না রাশি চক্র

রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদ গী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট	রাশি	নক্ষত্র মশিং	শতপদগী মতুং ইন্না মিং	পাদ মশিং	চন্দ্র স্ফুট
কুম্ভ রাশি	২৩	গু	৩	১০।৩।২০	মীন রাশি	২৫	দি	৪	১১।৩।২০
	,,	গে	৪	১০।৬।৪০		২৬	দু	১	১১।৬।৪০
	২৪	গো	১	১০।১০।০		,,	থ	২	১১।১০।০
	,,	শ	২	১০।১৩।২০		,,	ঝ	৩	১১।১৩।২০
	,,	শি	৩	১০।১৬।৪০		,,	ঞ	৪	১১।১৬।৪০
	,,	শু	৪	১০।২০।০		২৭	দে	১	১১।২০।০
	২৫	সে	১	১০।২৩।২০		,,	দো	২	১১।২৩।২০
	,,	সো	২	১০।২৬।৪০		,,	চ	৩	১১।২৬।৪০
	,,	দ	৩	১১।০।০		,,	চি	৪	১২।০।০

নক্ষত্রগী লাইমপু — ১) অশ্বিনী নক্ষত্রগী অশ্বিনীকুমার মচিন মনাও অনি, ২) ভরনীগী যম, ৩) কৃত্তিকাগী অগ্নি, ৪) রোহিনীগী ব্রহ্মা, ৫) মৃগশিব —চন্দ্র, ৬) আর্দ্রা—রুদ্র, ৭) পুনর্ব্বসু—অদিতি, ৮) পুষ্যা-বৃহস্পতি ৯) অশ্লেষা—সর্প, ১০) মঘা—পিতৃগন, ১১) পুর্বফলগুনী—ভগ, ১২) উত্তরফলগুনী-অর্যামা ১৩) হস্তা-ববি, ১৪) চিত্রা-বিশ্বকর্ম্ম, ১৫) স্বাতী-পবন, ১৬) বিশাখা,-শক্রগ্নি, ১৭) অনুরাধা-মিত্র, ১৮) জৈষ্ঠ্যা-ইন্দ্র, ১৯) মূলা-নির্ঋতি, ২০) পুর্বাষাঢ় -জল, ২১) উত্তরাষাঢা-বিশ্ব-অভিজিৎ, বিরিঞ্চি, ২২) শ্রবনা-কেশব, ২৩) ধনিষ্ঠা-বসু, ২৪) শতভিষা—বরুন, ২৫) পূর্ব্ব ভাদ্রপদ-অজপাদ, ২৬) উত্তরভাদ্রপদ-অহিব্রঘ্ন, ২৭) রেবতী-পূষা অসিনচিংবা অসি নক্ষত্র ২৭ কী অধিষ্ঠাতী দেবতাশিংনি।

অফবা থবক থুদিংমক হৌবদা চন্দ্র শুদ্ধি অমসুং তাবা শুদ্ধি লৈবগী মথৌ কন্না লৈ। অনিমক শেংলবদি তৌগদৌবিবা থবক অদু শোইদনা মায পাকনি, মঙ্গল ওইগনি। শুক্ল পক্ষ হাযবদি পানশংলকপা থাখাইদা চন্দ্রশুদ্ধিগী মথৌ তায অমসুং কৃষ্ণপক্ষ হাযবদি পুনিমা মতুংদগী থাশি ফাওবগীনা তারাশুদ্ধি লৈবগী মথৌ লৈ, অনিমক শেংবনা খ্বাইদগী ফে

চন্দ্র শুদ্ধি — মী মহাক্কী চন্দ্রনা লৈবা রাশিদগী থিগনি, চন্দ্রনা ৩, ৬, ৭, ১০ অমসুং মশাগী রাশিদা লৈববদি চন্দ্র শুদ্ধি ওই মথক্কী অসি শুক্ল কৃষ্ণপক্ষ অনিমক্তা অদুম চৎনগনি। থাহদোরা শুক্লপক্ষগী ২, ৫, ৯ নি পানবা থবান অফবনি অফবা কম্ম পাংথোকপা যাই। জন্ম নক্ষত্রদা লৈবা চন্দ্র থবক খুদিংমক পাংথোকপা যাই। অদুবু হিদাক চাবা, কোই—লু কোকপা, শমককপা, লুহোংবা, লংফে চৎপা যাদে।

তাবা শুদ্ধি — মী মহাক্কী তাবা শুদ্ধি হাযবদি থৱানমিচাক অশেং শেংদা খংনবা 'নব তারা বিভাগ' যেংবা তায়। নক্ষত্র ২৭ অসি শকক ৩ থোক্লা যেন্নবদি ৯ - ৯ থুংই "নব তারা বিভাগ" থিবদা মশাগী জন্ম নক্ষত্র হায়বদি মানা পোকপা মতমদা চন্দ্রনা লৈবা নক্ষত্রদগী থিবা হৌগনি খুদম ওইনা ১) জন্ম, ২) সম্পদ, ৩) বিপদ,

৪) ক্ষেম, ৫) প্রত্যারি, ৬) সাধক, ৭) বধ, ৮) মিত্র, ৯) অতি মিত্র। মথক্কী নব তারা অসি মশা মশাগী মিং মতুং ইন্না ফল পিগল্লি।

নারদ সংহিতাগী মতুং ইন্না জন্মতারা তাবা পাংদে। তৌইগুম্বসুং "সতকৃত্যমুক্তাবলী" গী মতুং ইন্না লুহোংবা, পিণ্ডদান শ্রাদ্ধনচিংবা শোনবা, হিদাক চাবা, শম ককপা, লংফৈ চৎপা নত্তনা অতৈ থবক খুদিংমক পাংথোকপা কায়দে। মখাদা নব তারা চক্র —মঘা নক্ষত্রগী উৎলি :—

জন্ম	সম্পদ	বিপদ	ক্ষেম	প্রত্যারি	সাধক	বধ	মিত্র	অতিমিত্র
১০	১১	১২	১৩	১৪	১৫	১৬	১৭	১৮
১৯	২০	২১	২২	২৩	২৪	২৫	২৬	২৭
১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯

ষণনাড়ী নক্ষত্র — মী খুদিংগী থোইদোকপা নক্ষত্র তরুক লৈ। মী খুদিংগী চন্দ্রনা লৈবা নক্ষত্রদগী থিবা হৌগনি। অহানবা জন্মনাড়ী, অনিসুবা জন্ম নক্ষত্রদগী তরাসুবা নক্ষত্র কর্মনাড়ী, অহুমসুবা জন্মনক্ষত্রদগী ১৬ সুবা নক্ষত্র সাংঘাতিক নাড়ী, মরিসুবা জন্মনক্ষত্রদগী ১৮ সুবা নক্ষত্র সমুদায় নাড়ী, মঙাসুবা জন্ম নক্ষত্রদগী ১৩ সুবা বিনাশ নাড়ী, তরুকসুবা জন্ম নক্ষত্রদগী ২৫ সুবা নক্ষত্র মানস নাড়ী কৌই। নিংথৌ, রাষ্ট্রপতি নত্রগা প্রধান মন্ত্রী, শিংলি মখল অহুম লৈ-স্বজাতি নাড়ী, দেশ নাড়ী অমসুং অভিষেক নত্রগা শপথগ্রহন নাড়ী।

কৃত্তিকা, পুষ্যা, রেবতী অমসুং পুনর্ব্বসু নক্ষত্র মরি অসি মথং মনাও ওইনা ব্রাহ্মন, ক্ষেত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শূদ্র জাতি মরিবু খংনৈ। নিংথৌ অমদি রাষ্ট্রপতি, প্রধান মন্ত্রীগী জাতি নক্ষত্র কৌই। অতুগুম্বা নক্ষত্রদা অভিষেক নত্রগা শপথগ্রহন হায়বদি রাশক লৌবা অতুবু শপথগ্রহন নাড়ী কৌই। দেশ খুদিংগী অহৌবা ময়েক্কা দেশনাড়ী নক্ষত্র "শতপদ চক্রগী" মতুং ইন্না লেপকনি।

নাড়ী নক্ষত্র ফল — গোচর দশাদা নাড়ী নক্ষত্রদা শুভগ্রহ লাবপা অফবা মহৈ ফংই অমদি পাপ গ্রহ লাক্লবদি অৱা অনানচিংবা খুদাং চাদবা ফল ফংই। জন্মনাড়ী নক্ষত্রদা পাপগ্রহ লাকঅবদি হকচাং স্লুংঙাইতে পুক্নিং বাগল্লি, শেনমাংই, তৌরুবা কান্নদে। কর্ম-নাড়ীদা পাপগ্রহ লাক্লবদি থবকতা অবাযবা লাকই, মানস নাড়ীদা পাপগ্রহ লাক্লগনা পুক্নিং ৱাই অকি-তুজুং ফংই, সাংঘাতিক নাড়ী পাঙ্গল ৱাই, অশোক অপন ফংই, লন মাংই, মরুপ কাযনৈ, সমুদায় নাড়ী সমাজদা খুাইগী মিৎযেং হন্থে, লন-থুম মাংই, বিনাশ নাড়ীদা লন, হকচাং, পাংঙ্গল, ইজ্জত শেন্নচিংবা অমাংবা নংই। নাড়ী নক্ষত্রশিং অসিদা শুভগ্রহ লাক্লবদি অফবা মহৈ ফংই। মবম অহুনা কোষ্ঠি যেংবা মতমদা নাড়ী নক্ষত্রদা গোচর দশা যেংগনি।

ঋক্ষ সন্ধি — ববাহনা লেংবা বৃহজ্জাতক অমসু ভট্টোত্তপলগী টীকাদা ঋক্ষ সন্ধি অমসুং রাশি সন্ধিগী মরমদা হায়রি মফম অমত্তদা পুংফম অমত্তদা নক্ষত্র অমসুং রাশিগী মতম লোইববদি মহুৱু ঋক্ষ সন্ধি কৌই। রাশি তৰাৰথোই অসিগী মন্নুংদা নক্ষত্র ২৭ কী ঋক্ষ সন্ধি মথম অহুম লৈ। অহানবা কৰ্কট রাশিগী অরোইবা নক্ষত্র অশ্লেষা নক্ষত্রগী অরোইবা নবাংশ। অনিসুবা বৃশ্চিক রাশিগী জ্যেষ্ঠা নক্ষত্রগী অরোইবা নবাংশ। অহুমসুবা মীন রাশিগী রেবতী নক্ষত্রগী অরোইবা নবাংশ। সন্ধিশিং অসিদা পোকপা অঙাং গণ্ডবিষ্টী ভাবনা পাংদে।

পুং ০ নক্ষত্র — হস্তা, মুলা, শ্রবনা, পুনর্ব্বসু, মৃগশিরা অমসুং পুষ্যা নক্ষত্র তরুক অসি নাবনি অহুনা নক্ষত্র ৬ অসি পুং গন কৌই। নক্ষত্র তরুক অসিনা পুবা মতমদা নুপা পোক্লবা, ধারা পান্নবা পুং সবন্নচিংবা পূজা তৌগনি। নুপা পাম্লবদি মিরোনবীনা থা ৩ হায়রক্লবদি পুংসবন সংস্কার কর্ম তৌহৌগনি।

নক্ষত্র গন তরেৎ উগ্রগন (ফিংবা) — পুর্ব ফলগুনী, পুর্বাষাঢ়া পুর্ব্বভাদ্রপদ, মঘা, ভরনী নক্ষত্র ৫ অসি উগ্রগন হায়বদি মিন্নুংশি

থংদবা নক্ষত্র কৌই। মথক্কী নক্ষত্রশিং অসিদা শা-লান, হাংপা-তুপ্পা, হুরানবগী থবক, মৈগী থবক, হুগী থবক, খুংলাইনচিংবা শিজিন্নবা মায় পাকই।

ধ্রুবগন — (লেংদবা) উত্তরফলগুনী, উত্তরাষাঢা, উত্তরভাদ্রপদ অমসুং রোহিনী নক্ষত্র ৫ অসি অমসুং নুমিৎনা—নোংমাইজিং ধ্রুবগন কৌই। মথক্কী নুমিৎ অমসুং নক্ষত্রশিং অসিদা শান্তিগী থবক, রাশক লৌবা, লৌ-ইংখোলদা মক তাবা, যুম-কৈ শাবা, যাত্রা হুনবা, বিদ্যা, তম্বা হৌবা, জগোই ঈশৈ তম্বা, শেমগৎ শাগৎপা অমদি লেংদবা থবক পুন্নমক পাংথোকপা মঙ্গল ওই।

চরগন — স্বাতী পুনর্বসু, শ্রবনা, শতভিষা, ধনিষ্ঠা অমসুং নিংথৌকাবদা বন কোইবা, লৈফৈ চৎপা, শগোল শামু-কাব-বস তোংবা, শিল্প কলা বিদ্যা, বিজ্ঞানগী থবক হৌবা, বিদ্যারম্ভ হৌবা, পোৎ লৈশিনবা ফৈ।

লঘুগন — পুষ্যা, অশ্বিনী, হস্ত, শগোলশেল নক্ষত্রদা বেদ তম্বা হৌব, জ্যোতিষ শাস্ত্র, অতিয়ালোন তম্বা, দর্শন শাস্ত্র নৈনবা অমসুং চবগনদা তৌবা থবক পুন্নমক পাংথোকপা যাই।

মৃদুগন — চিত্রা, অনুরধা, মৃগাশিরা, রেবতী অমসুং ইরাই নক্ষত্র অমসুং নুমিৎ অসিদা ঈশৈ, জগোই, যন্ত্র বিদ্যা তম্বা, লিলা ড্রামা, ফাগজোগাই, লাইযেবপা, বিজ্ঞান নৈনবা, সাহিত্য, কলা নৈনবা লোংবা, চান্নবা হৌবা, পুকচেল খোইজেল তিন্নবগী থবক থৌরম তৌবা ফৈ।

তীক্ষন গন — অশ্লেষা, আর্দ্রা, জেষ্ঠা, মুলা অমসুং থাংজ, লানগী খুজু-খুংলাই শিজিন্নবা, শা-লানগী থবক, আন্দোলন নমথবা, মীওৎ-মীনৈগী থবক অমসুং পাপকী থবক পুন্নমক তৌবা য়াই।

মিশ্রগন — কৃত্তিকা, বিশাখা অমসুং যুমশৈকশ। দান তৌবা কৎথোকপা, অঙ্ক অমসুং বিজ্ঞানগী মরমদা থিজিনবা অমসুং নৈনবা, অকে অমৌম্বা থবক, অমসুং উগ্রগনদা তৌবা থবক পুন্নমক পাংথোকপা য়াই।

অধো মুখাদি নক্ষত্র গন (লৈথাদা য়েংবা) অশ্লেষা, কৃত্তিকা, ভরনী, মঘা, বিশাখা, পুর্বফল্গুনী, পুর্বাষাঢ়া পুর্বভাদ্রপদ অমসুং শতভিষা লৈথাদা য়েংবা নক্ষত্রশিংনি। নক্ষত্রশিং অসিদা অঙ্কগী বিদ্যা, লাইব্রিক তম্বা হোৌবা, লৈমুংগী ধাতু থিবা, খোনি তৌবা, পেট্রোল থিবা-লৌথোকপা, রসায়ন শাস্ত্র নৈনবা, ভূগোলনচিংবা নৈনবা। মথক্কী নক্ষত্রশিং অসিদা পোকপা মীওইশিংদি ভূতত্ব পৃথ্বীগী লৈমুংগী মরম নিংথিজনা খংবা, কেমিস্ত্রীগী অখং-অহৈ ওইবা, খোনিগী অফাওবা অখং-অহৈ ওইবা ঙম্মী।

উর্দ্ধমুখ নক্ষত্র — (থক্তা য়েংবা নক্ষত্র) রোহিনী আদ্রা, পুষ্যা, মুলা, ধনিষ্ঠা, শ্রবনা, উত্তরফল্গুনী, উত্তরাষাঢ়া অমসুং উত্তরভাদ্রপদন-চিংবা নক্ষত্র ৯ অসি থক্তা য়েংবা নক্ষত্রনি। নক্ষত্রশিং অসিদা লাইয়েকপা, মুত্তিশাবা, এরোপ্লেন, রোকেট, কাপ্পবা-থুজ-থুলাইশাবা থোংশাবা, সাতহৈবা, য়ুমশাবা, ললোনফম শেম্বা, শানপুং শেম্বা, সহর শেমগৎপা, অতিয়ালোল থিজিনবা, রাশক লৌবা, জ্যোতির্বিজ্ঞান নৈনবা। মথক্কী নক্ষত্রশিংদা পোকপা মীওইদি ফিজিক্স, জ্যোতির্বিজ্ঞান, জলবায়ু খংবা অথোইবা মী ওইবা ঙম্মা, অঙ্ক অমসুং মঙাল মরেক্কী মরমদা মমুত্তানা খ'বা মী ওইবা ঙম্মী।

পার্শ্বমুখ নক্ষত্র — অনুরাধা, জেষ্ঠা, মৃগশিরা, হস্ত, অশ্বিনী, চিত্রা, স্বাতী, রেবতী অমসুং পুনর্ব্বসু নক্ষত্র ৯ অসি মীৎচিনা য়েংবা নক্ষত্র কৌই। ঘড়ী শাবা শেম্বা, গাড়ী মখল খুদিংমক অমসুং ইঞ্জিন মখল খুদিংমক শেম-শাবা হৈবা, য়ুম শঙ্গাবা, জহাজ শাবা হোৌবা, লৌদা মরুতাবা, হিংসানচিংবা নমথবা তৌবদা মায় পাকই। মথক্কা নক্ষত্রশিংদা পোকপদি অফাওবা যন্ত্র ইঞ্জিনগী অখং-অহৈ ওইবা ঙম্মী।

অশুভ নক্ষত্র — মঙাল লৈতবা নক্ষত্র হায়বদি নুমিৎনা লৈবা নক্ষত্র অমসুং নুমিৎকী নাক-য়েৎতা লৈবা নক্ষত্র পাংদে। শুভ অমসুং অশুভ গ্রহ লৈবা নক্ষত্র অমসুং থরালকিচাক মথি চেনবা নক্ষত্র

পাংদে। ঋষি থরনদি গ্রহনা লৈবা পাদ অচুতনি পাংদবা লেমহৌবা নক্ষত্রগী পাদ অহুম থোইনা অকাইবা লৈতে।

পুষ্যা নক্ষত্রগী মগুন — শুভ অশুভ গ্রহ লৈবা, প্রত্যারি নত্রগা মী মহাকী পাংদবা তারা লৈবা অমসুং বক্রী গ্রহ পাপ গ্রহ লৈরবসু বিবাহ নত্তবা অতৈ শুভ কর্ম্ম পাংথোকপদা অমাংবা ফল পিদে।

লিন্না চিকপা — মূলা, মঘা, আর্দ্রা, অশ্লেষা, ভরনী, বিশাখা অমসুং কৃত্তিকা নক্ষত্রশিং অসিগী মনুংদা নক্ষত্র অমনা পানবা পুং-ফমদা লিন্না চিক্রবদি শিগল্লি।

থখাইগী ওইবা ফৌ-চেংগী মমল — হস্তা, শতভিষা, পূর্ব্বফলগুনী পুর্ব্বাষাঢ়া, পুর্ব্বভাদ্রপদ, অমসুং রোহিনী নক্ষত্র থখাইগী হৌগৎলকপদা চেং গেল্লগী মমল ৱাংই। উত্তরফলগুনী, উত্তরাষাঢ়া, উত্তরভাদ্রপদ, কৃত্তিকা, মূলা অমসুং রেবতী নক্ষত্রশিংদনা ফৌ-চেংগী মমল চাং অমদা লৈ অমসুং লেমহৌরিবা নক্ষত্রশিংদনা মমল হোংই।

নুমিৎনা লৈবা নক্ষত্রগী মতুং ইন্না ফৌ চেংগী মমল — চিত্রা-অনুরাধা, মৃগশিরা, রেবতী, পুষ্যা, অশ্বিনী, মঘা, ধনিষ্ঠা, শ্রবনা, কৃত্তিকা, পুর্ব্বফলগুনী, পুর্ব্বাষাঢ়া, হস্তা, পুর্ব্বভাদ্রপদ, অমসুং মুলা নক্ষত্রদা লৈরবদি মমল চাং অমদা লৈ। উত্তরফলগুনী, উত্তরাষাঢ়া উত্তরভাদ্রপদ, রোহিনী বিশাখা অমসুং পুনর্ব্বসুদা লৈরবদি মমল হোংই। অশ্লেষা, শতভিষা, আর্দ্রা, স্বাতী, জেষ্ঠা অমসুং ভরনী নক্ষত্রদা রবিনা লৈরমদি ফৌ-চেংগী মমল তাংই।

চহিগী ফৌ-চেংগী মমল — পৌষ থাগী থাশি নুমিৎ নোংমাইজিং ওইরবদি ফৌ-চেংগী মমল শরুক অমা হেনগৎলি, থাংজ ওইরগা শরুক অনি হেনগৎলি; লৈপাকপোকপা ওইরগা শরুক অহুম হেনগৎলি। মতৌ অসুম্না পৌষগী থাশিগী অহিংদা জেষ্ঠা নক্ষত্র ওইরগা শরুক অমা; মূলা ওইরগা শরুক অনি; শতভিষা ওইরগা ফৌ-চেংগী মমল শরুক অহুম হেনগৎলি।

পোৎ খুদিংগী মমল — থা অমগী পোৎশিংগী মমল খংগে হায়বদি ববিনা লৈবা নক্ষত্রগী মশিং, থবান মশিং পোৎকী মমিংগী ময়েক মশিং তিনশিল্লগা অহুমনা যেন্না অমা লেমলগা মমল হোংই, অনি লেমলগা চাং অমদা লৈ অমসুং শূন্য লেম্লবদি পোৎকী মমল তাংই।

য়োনবা লৈবা শুভ নক্ষত্র — অগ্নি পুবানগী মতুং ইন্না ভরনী কৃত্তিকা, জেষ্ঠা, অশ্লেষা, বিশাখা, পুর্ব্বফলগুনী, পুবাষাঢ়া, পুবভাদ্রপদ নক্ষত্রশিং আসদা পোৎ যোনবা ফৈ, তৌহগুৎসুং য়োল্লিবা পোৎ অতুগী ওইনদ তাফবা ওইদে। রেবতী, অশ্বিনী, চিত্রা, শতাভিষা শ্রবনা অমসুং স্বাতী নক্ষত্র অনদ তারা শুদ্ধি চন্দ্র শুদ্ধ ওইবা মুমিত্তা পোৎ লৈবা খাইদগী ফৈ; য়োল্লবাদ অমাংবা নংই।

ললোনফম শেমশাবা — চিত্রা, অনুরাধা, মৃগশিরা, রেবতী, পুষ্যা, অশ্বিনী, রোহিনী, উত্তরফলগুনা, উত্তরাষাঢ়া, উত্তরভাদ্রপদ, অমসুং হস্তা নক্ষত্র ওইবা থবান্না চতুর্থী, নবমী অমসুং চতুর্দ্দশী নত্তবা অতৈ থাবানশিং অফবা ওই। থোইদোক্না কম্ম কনাগী চন্দ্র শুদ্ধি তারা শুদ্ধি ওইগদবনি।

মমিং তাংবা নক্ষত্র — মাংখিবা পোৎ ফংবা অমদি ফংদবা মখাগী অসুম্না যেংগনি। রোহিনী, পুষ্যা, উত্তরফলগুনী, বিশাখা, পূর্ব্বাষাঢ়া, ধনিষ্ঠা অমসুং রেবতী মমিৎ তারা নক্ষত্রনি। মৃগশিরা, অশ্লেষা হস্তা, অনুরাধা, উত্তরাষাঢ়া, শতাভিষা অমসুং অশ্বিনী নক্ষত্র তবেৎ অসি মযেকশেংনা উদে, আর্দ্রা, মঘা, চিত্রা জেষ্ঠা, অভিজিৎ, পুর্ব্বভাদ্রপদ, ভরনি মধ্য লোচনানি। পুনর্ব্বসু, পুর্ব্বাষাঢ়া, স্বাতি মূলা, শ্রবনা, উত্তরাষাঢ়া অমসুং কৃত্তিকা মমিৎ মনা শিংই।

মমিৎ তাংবা নক্ষত্রদা মাংখিবা পোৎ থুনা ফংই। মমিৎ উবা শেংকাত্তবা নক্ষত্রদা মাংখবা পোৎ কন্না তোৎনরবা থিবা ছুম্বা তৌরবদি অমুক হন্না ফংই। মধ্য লোচন্দা পাওদং ফংই। সুলোচন নক্ষত্রদা মাংবা পোৎ ওইরবদি ফংবগী রা লৈতে।

অনাবা পোকপা নক্ষত্র — অগ্নিপুরান অমসুং চরক সংহিতাগী মতুং ইন্না নারবদি মতম কয়া য়াম্না শাংনা নাগদগে হায়বনচিংবা তাকলি। জীবনা মকুহনবগী নক্ষত্র অমসুং পোকপদা চন্দ্রনা লৈবা নক্ষত্রদগী নাবা হৌরবদি অনাবা খর ৱানা খাংই পাক ফবা য়াদে। নাবা হৌগংলকপদা অনাবা মী মহাক্কী চন্দ্র শুদ্ধি অমসুং তাবা শুদ্ধি লৈবা লৈতবনা মরম ওইদুনা নুমিৎ মশিং হেনবা ৱাংলা য়াই। অমদি দশা মপুং অমসুং অন্তর্দশা ফরবদি হকচাং খর নুংঙাইতবগা তোকই অনাবা পিবা দশা অমদি মারকপতি হায়বদি অনিসুবা অমসুং তরেৎসুবা যুম্মু ওইরবদি অনাবা খুদোংখিনিংঙাই ওই।

নাবা হৌবা নক্ষত্র

নক্ষত্র মশিং	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০
নাবা নুমিৎ মশিং	১	শি	৯	৬	৫	শি	৭	৭	৯	৬০
নক্ষত্র মশিং	১১	১২	১৩	১৪	১৫	১৬	১৭	১৮	১৯	২০
নাবা নুমিৎ মশিং	৬০	১৫	৭	১৫	৬০	২০	১০	১৫	শি	১৫
নক্ষত্র মশিং	২১	২২	২৩	২৪	২৫	২৬	২৭			
নাবা নুমিৎ মশিং	২০	৬০	১৫	১০	শিবা	১৫	২০			

থোহইদোক্পা — নক্ষত্র খরদা "শিবা" থারিবদু মী মহাক্কী দশা মাবক্কী গ্রহগী ওইদবা তারবদি শিবগী ৱা য়াওদে ৱাবদি শিবগা মান্ননা ৱাগনি। মী মহাক্কী বধ, প্রত্যারি, বিপত্তারা ওইরবা চন্দ্র শুদ্ধি লৈতবা স্থূল দশাপতি অমসুং অন্তর্দশা পতিসু মারক গ্রহ ওইরবদি অমসুং লোইননা ত্রিপাপদশা তারবদি শিগল্লি।

অশ্লেষা, শতভিষা আর্দ্রা, স্বাতী, মূলা, পূর্ব্বফলগুনী, পূর্ব্বাষাঢ়া, পূর্ব্বভাদ্রপদ, জেষ্ঠা নক্ষত্রশিংগী মখুংদা নক্ষত্র অমা ওইবা, নুমিৎনা নোংমাইজিং, থাংজ, লৈপাকপোকপগী মনুংদা অমা ওইবা অমসুং থবান্না চতুর্থী, নবমী, কৃষ্ণা চতুর্থী নত্রগা কৃষ্ণা ষষ্ঠিগী মনুংদা অমা ওইবা মতমদা নাখরবদি অনসুং অনাবা মী মহাক্কী দশা পাংত্রবদি খুদোং-থিবা নংগল্লি।

জাতি খংনবা নক্ষত্র — কৃত্তিকা পূর্ব্বফলগুনী, পুর্ব্বাষাঢ়া অমসুং পুর্ব্বাভাদ্রপদ ব্রাহ্মণ খংনবা নক্ষত্রনি। পুষ্যা, উত্তরফলগুনী মঘা, উত্তরাষাঢ়া, উত্তরভাদ্রপদ ক্ষেত্রি জাতি নক্ষত্রনি। পুনর্ব্বসু, রেবতী, হস্তা, অভিজিৎ, অশ্বিনী বৈশ্যজাতি নক্ষত্রনি। মূলা, আর্দ্রা স্বাতী, শতভিষা উগ্রজাতি (ফিংগনবা) নক্ষত্রনি। মৃগশিরা, অনুরাধা, জেষ্ঠা, চিত্রা ধনিষ্ঠা শূদ্র জাতিনি। অশ্লেষা, বিশাখা, শ্রবনা, ভরনী চান্দাল জাতিনি। গ্রহনা লৈবা নক্ষত্র অদুগী জাতি পাংদে।

নক্ষত্রশিংনা গ্রহশিংদা মথৌ হুপ্পা

পরাশর সমহিতাদা নক্ষত্রশিংনা গ্রহশিংগী মতিক-ময়াই হেনগৎহনবগী মরমদা তাকলি। "জীবানাং কর্ম্মফলদো গ্রহরুপী জনার্দন।" ফল পিবগী শক্তি গ্রহশিংদদা লৈ, রাশি অমসুং নক্ষত্রদ গ্রহশিংদা মতিক মযাই হাপ্পতনি মরনাইগী ফল পিবা ঙমদে। অদুগুম্বা রাশিদা অমসুং অদুগুম্বা নক্ষত্রদা লৈবা গ্রহ অদুনা মানা লৈবা রাশি অমসুং নক্ষত্রগী মাফফত্ত মগুন, লমচৎ-শাজৎ পুন্নমক লৌশিল্লগা তাইবংমীদা মহুৎ মহৈ ফংহল্লি। মরম অদুনা রাশি অমসুং নক্ষত্রসু কুপ্পা নৈনগনি।

১। অশ্বিনীগী মথৌ — শা, যন শংগোল লোইবা, সেনাপতি ওইবা, ডাক্টর, ললোনবা, শেন্মী-শাবিবা ঙম্বা, সেবাগী থবক তৌবা, অরোনবা পাও লৌবা, মেছিন শেম-শাবা নুংশিংবী শাজৎ চৎপা, থৌদংমক্তা উৎপা ফোংদোকপা পাম্বা, মী য়োকপা-থাবগা ঙম্বা নক্ষত্র অসিগা বৃহস্পতিগা চ নৈ।

২। ভরনী — ফিভম চেৎনবা, দায়িত্ব লৈতবা, মিনুংশি খদবা, অফা-অপুনগী থবক তৌবা, হৌরকফম তোনবা, বিদ্যা তানবা লেপতবা লাইরিক লেংবা, পাঙ্গল শক্তি মথৌনা লৈবা, শাওগনবা, মৈগী থবক তৌবা, তোন হাওগী চক্রি লৈবা, মবৈ য়েৎপা পাম্বা, লানমী ওইবা থবক মঙ্গলনা পক্কবা হেল্লি।

৩। কৃত্তিকা — মৈগা মরি লৈনবা থবক, য়ুমশারোল হৈবা খংবা, ফিভম লেপ্পা, যন্ত্র-ইঞ্জিন মমুত্তানা খংবা, লোলগী অখং-অহৈ

ওইবা, থবকী লংলা-লংজিন ওইবা, ব্রাহ্মনগী থবক, জ্যোতিষ-বিজ্ঞান, অনৌবা রাখল লৌশিং পুথোকপা ঙম্বা, সংসারিক দোষ লৈবা, খুংলাইনা শোকপা যেংবা হৈবা, কুটনীতি হৈবা, লেনবা হৈবা, গুগী থবক অমম্বুং অখং অহৈ ওইবা তাং-পাং হৈবা বুধনা চান্নবা হেল্লি।

৪। রোহিনী — ধর্ম্ম লৈবা, পোৎ য়োনবা হৈবা মমল যাম্না পোৎ কয়াগী মপু ওইবা, ইনাক খুনবা মী অমা ওইবা ৷। যন মবাং কায়বা বুর্য শক্তি যাম্না লৈবা, ঈশিংদা লৈবা জীবশিংগী অখং অহৈ ওইবা, ঈশিং লাম্নীগী মকোক ওইবা, চীং অরাংবা কাবা পাম্বা অমম্বুং কাবা হৈশিংবা, লৌউ-শিংউ সংসারগী মপু ওইবা, পুকৈ লনগৈনা থন্নবা, যজবা পাম্বা কলা বিদ্যা পুম্নমক পাম্বা হৈবা, অপাম-নুংশি খোরাংগনবা, পোকপিবা পাম্বা, লেংদবা নুংগী মিৎযেং লৈবা। ৰবিনা চান্নবা হেল্লি

৫। মৃগশিরা — মনম নুংশিবা পোৎ, শাবণ, ডাযবী কার্ম, কি-বোলগী থবক, ঈশিং-মচাগী কাবাব তৌবা, লৈ, ডহৈ রাহৈগী থবক তৌবা, রত্ন, মণি, মুক্তা লানানবা অখং-অহৈ ওইবা, উচেক মা-ডাগী শাযোকশিংগী অখং-অহৈ ওইবা, ডাযবগী থবক, ইবাং কনবা থাৎ-নৌবা, অকে-অমৌ পাম্বা, থৌজাল লৈবা, অপাম-নুংশি সাংসারিক মাদোকপা ঙম্বা, তনবা থৌশাদবা, চেনাখোল যংবা মী, কলা বিদ্যা পুম্নমক মম্বুং হুজিন্না যংবা মী অমা ওইবা ঙম্মী। নক্ষত্র অসিগা শুক্রগা চান্নবা হেল্লি।

৬। আর্দ্রা — হাৎপা তুপ্পা, ওইদবা শাজৎ, পুকচেল থুপকনবা, বানবা, চক্রি কনবা, তোখাই তাবা, বুদ্ধি থোবা, নোম্বা কনবা, মনমী, য়ৈখাই-থিনগাইবা পাম্বা তনবা, খুৎলাই শিজিন্নবা, তোন-শিং চেনবা যাদু হৈবা, শনিগা চান্নে।

৭। পুনর্ব্বসু — অশেংবা, অচুম্বা, মপা-মপু কৈরাক থাবা, পুকচেল ওবা, শক-নু-হেন্না ফজবা, বুদ্ধি জ্ঞান লৈবা, মিংচৎ লৈবা, পুকৈ-লনগৈনবা, কারবারগী মী, সেবাদা পুক্নিং চংবা, খুৎ-শা হৈবা, ফৌগৈ

লৈবা, য়াংনা চংপা, মিংয়েং চাওবা, থোং-নৌবা, অনৌবা শেমগংপা অমুক হন্না ফংবা, মেছিন-ইঞ্জিন শেম শাবা হৈবা, অরোনবা পাও লৌবা, মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা, ধাতু-লোক চেনবা। চন্দ্রগা চান্নবা হেল্লি।

৮। পুষ্যা — ফো মখল, হন্নাই মখল, গেহু, চু, জঙ্গল, অওম্বা ফমনাইবা, মন্ত্রী, ঈশিং লানমী, অকে-অমোগী থবক্কা জীবিকা ওইবা, ডাললোনবা, সাধু, মপুং ফাবা, জ্ঞান লৈবা, ঙাংবা হৈবা, রাখল থনগনবা, ভক্তি লৈবা, নোলুকপা, পুরিং চপ য়ুংবা ঙম্বা, নুংশিকী শাজং চংপা। বৃহস্পতিনা পক্নবা হেল্লি।

৯। অশ্লেষা — লৈনুংগী পোৎলমশিং, উহৈ-রাহৈ, লিন-হু, ফো-চেং, ডাক্তর, মীগী মরল হাৎপা পাম্বা, কেমিষ্ট, হিদাক-লাংথক, অকম্বা পোৎথাংবা, কায়নবা, পাওপুবা দূত ওইবা, অরোনবা মী শাবা জুবার পাম্বা, লোম্না মী হাৎপা, লোকচেনবা, খোইনা ঙাংবা চংপা। শনিগা চান্নে।

১০। মঘা — ফোগৈ-লনগৈ থনবা, চীং জঙ্গল পাম্বা, মপানিংবা কাববার হৈবা, থৌবা, শা-ঙা চাবা পাম্বা, নুপীগা য়েরুবা, মিংচং মরুবা, ঈশ্বর ভক্তি লৈবা, মতিক-ময়াই লৈবা মী, থৌদাবা হৈবা যোকপা ওগগী শক্তি লৈবা, লাইরিক নৈনগনবা, মায়পাকনবা, হোৎনবা তনদবা, মরু পিবা ঙম্বা, মঙ্গলগা চান্নবা হেল্লি।

১১। পুর্ব্বফল্গুনী — জগোই-ঈশৈ হৈবা, ড্রামাদা হৈথোই শিংথোইবা, শক ফজগল্লি, খুৎ-শা হৈগল্লি। কলা বিদ্যা মমুত্তায়, কারবারগী পোৎ লৈবা হৈশিংবা, লবুক্তা নুংঙাইজবা, থুম, খোইহী, থাও পোৎথোক পুথোকপা, নোংম-নোংমগী চাওখৎপা থবক তৌবা, নীতি বিদ্যা হৈ-শিংবা, লো-কানুন খংবা, অনৌবা মোত পুথোকপা, মঙ্গলনা চান্নবা হেল্লি।

১২। উত্তরফল্গুনী — লমচং মেংবা, মীগী অরাবা য়েংবা ঙমদবা, নোল্লুকপা, লমচং শেংবা, পিনহৈবা, লাইরিক-লাইসুন্না লুপ্ত না লৈবা,

লনগৈ-পুকৈ থনবা, ইনাকথুনবা অথোইবা মী অমা ওইবা, ধর্ম্ম-কর্ম্মদা লুপ্পা, য়াথং পিবা, অচৌবা ফমনাইবা ওইবা, অমুক হন্না সমাজদা মিংচং-য়াইফবা ফংবা, লেংদবগী মপু ওইবা, কোকী অফাওবা ডাক্টর ওইবা। রবিগী চান্নবা হেল্লি।

১৩। হস্তা — ছুই নম্বর কারবার তৌবা, জীপ কারগী মপু ওইবা, খুং-শা হৈবা, কারবারগী মপু ওইবা, বুদ্ধি লৌশিং থোবা, য়াম্না তাবা হৈবা, চাওথংপা হোংলকপা, আলোচক হায়বদি নৈনবা হৈবা, থবক তৌবা ওম্নগী শক্তি লৈবা, লাইরিক লেংবা, হিদাক লাংথক থংগনবা, বৈজ্ঞানিক ওইবা, মেছিন থংবা, ভৌতিক বিজ্ঞান থংবা, থিবা নৈনবা হৈবা, পোৎ মশক থংবা, নুংশিংবী শাজং চংপা বৃহস্পতিনা হেল্লি।

১৪। চিত্রা — অকে-অমৌ মমুত্তানা থংবা, মনি-মুক্তাগী নুং মশক থংবা, মচুগী স্পেসলিষ্ট ওইবা, কলর শিজিন্নবদা হৈশিংবা, অফাওবা লাইয়েকপা হৈবা, অফাওবা শৈশকপা ওইবা, অঙ্ক হৈবা, লং-মশিং অমসুং মহুমগী স্পেসলিষ্ট ওইবা, খুংলাংনা শোকপগী ডাক্টর, লেনবা হৈবা, বৈজ্ঞানিক অনৌবা শক্তম পুথোকপা ওম্না, খুং-শা হৈবা, সাহিত্য লেংবা শুক্রনা চান্নবা হেল্লি।

১৫। স্বাতী — জঙ্গলগী শা উচেক, শগোল কারবার তৌবা, অচা-অথক, লাইনিং চেংপা, লৈবা য়োনবা হৈশিংবা, পুক্নিং রাখলনা জীবিকা ওইবা, য়াম্না য়াংবা, লৌউ-শিংউ পাম্বা, হৈশিংবা, থবক থুনা লোইশিনগনবা, লোক-নুংশিৎ চেনগনবা। চন্দ্রগা চান্নবা হেল্লি।

১৬। বিশাখা — উহৈ অভাংবা হৈ-লৈ, উ, থোর্ইদিং, মুগ, লাশিং, অচা-অথক, কুটনীতি হৈবা, কিহনবা থপ হৈবা, মী মথবাক চাকহনবা, হু, অউকপা পোকহনবা ওম্না, সাংসারিক দোষ চেনবা, ঈশ্বর জগোই পাম্বা, মতৌ মানবতা তৌবা, বুধনা চান্নবা হেল্লি।

১৭। অনুরাধা — থৌনা লৈবা, অকল-অথৌ ওইবা, মকোক ওইবা লুচিংবা, সাধু চানবা, গাড়ীদা ভাওবা, হৈনবী কম্না লৈবা,

অচুম্বদা লেপ্পা. শরদ ঋতু হাযবদি মেবা থাদা থোক্পা পোৎনা ইন্নাক খুনবা. জহাজগী থবক তৌবা. বাখল রংবা, লানমী অচৌবা, লানগী খুৎলাইগী অখং-অহৈ ওইবা, নাকনদা চৎকনবা, লাওথোকনবা, লোক-তোন চেনবা. শুক্রগা চানৈ।

৮। জ্যেষ্ঠা — যান্না থৌনা ফবা, ইনাক খুনবা, মিংচৎ লৈবা, মীগী মবল মৎকনবা. মায হেন্না পাকন্নিংবা, নোম্মা কনবা, মী অথোইবা, সেনাপতি, অচৌবা ফমনাইবা, মপু শাবা, রাজসিক-তামসিককী মীওই ওইবা, কুশি বাশি তৌগনবা, কলক-মিতৌ চাওবা, লালগী খুজা-খুলাই, ইঞ্জিন থং-হৈবা, জহাজদা হৈশিংবা. লোক-ন্যংশিং চেনগমবা। মঙ্গলনা চান্নবা হেল্লি।

১৯। মলা নক্ষত্র — হীদাক-লাংথক, ডাক্টর ওইবা, লুচিংবা ওইবা, উইহ-রাহৈ, মহৈ-মরোংগী মপু ওইবা, সাংসারিক সম্পত্তিগী মপু ওইবা, কুশি-রাশি তৌবা, পেনবা মাইদবা, কোইবা পাম্বা, লংফৈ চৎকনবা, হিংসা তৌবা, অন্নাবা খাংবা কনবা। মঙ্গলনা চান্নে।

২০। পূর্বাষাঢ়া — ঈশিং লম্বীদা চৎপা, অশেংবা-অচুম্বা চৎপা থোং শাবা, জহাজগী থবক তৌবা, ফি অচোৎপা শেৎকনবা, ঈশিংগী পোৎথোক মরাং কায়বা, হৈ-লৈ পাম্বা, ইন্দ্রী খুজুম চনবা ঙম্বা, মীয়াম য়োকপা ঙম্বা, লাইগী শক্তি চেনবা, তৌবা ঙম্বা, অচুম্বগী দমক নাপল কাজবা, থবক্তা মাইওনশিনবা, মথৌমশক থংবা, হাও-তোন চেনবা। মঙ্গলগা চান্নে।

২১। উত্তরাষাঢ়া — শগোল-শামু, জীগ-কান্ন, চীং, উ মপু ওইবা, ঈশ্বর নিংবা, অকল-অথৌ ওইবা, বুদ্ধি থৌবা, লম থুম চেনবা, হুণ্ডাইবা, মগুন লৈবা, পুকচেল চাওবা, মকপা লৈতবা, জ্ঞান লৈবা, ফোংদোকপা-ইথোকপগী শক্তি লৈবা, চাওখৎপা, ফমনাইবা, থবক অচৌবা পাইবা, তোন চেনবা, মপু শাবা হৈবা। রবিনা পান্নবা হেল্লি।

২২। শ্রবনা — তাং-পাং হৈবা, থবক খুঙ্গিংমক্তা হৈ-শিংবা, থৌনা লৈবা, ধর্ম্ম চেনবা, অচুম্বা চৎপা, পাওমী ওইবা, খিজিন-খোৎচিনবগী থবক তৌবা, হৈ-শিংবা, পোৎথোক-পুথোকপা, সাংসারিক ভোগ থৌ-রবা শাদবা, লংফৈ কোইবা, সন্যাসী ওইবা, লোক চেনবা। চন্দ্রনা চান্নে।

২৩। ধনিষ্ঠা — নাপল যাওদবা, নপুংসক ওইবা, অরেপ্পা মরুপ লৈতবা, মুপীগা য়েক্নবা, পিনহৈবা, ইনাকখুনবা, জ্ঞান লৈবা, মীনা ইকাই খুম্নবা, মায়াজাল থাদোকপা পাম্বা, কোযবা পাম্বা, সমাজগী মীওইবগী ফনবা তৌবা, চাং অমদা য়েংবা, থিজিনবা কনবা, অচুম্বা রাযেনবা, অফাওবা উবিলজ্ঞ ওইবা, অফাওবা আলোচক ওইবা। চন্দ্রনা চান্নে।

২৪। শতভিষা — শিকারী, ঈশিংগী পোৎথোক, ঈশিংদা লৈবা জীব, আত্মচিন্তন তৌবা, থাদোফপা, থৌজাল অমদি পিনহৈবা, খ্বাইগী ওজা ওইবা, আশ্রম, লাইফম, মীওইবগী য়াইফনবা তৌবা থবক, খ্বাইগী লাইয়েং শং, কুশি-রাশি তৌগনবা, সাধু ওইবা, লোক চেন-গনবা চন্দ্রনা চান্নে।

২৫। পুর্ব্বাষাঢ়া — চোর কারবার তৌবা, শা-ষন যোকপা, কলক মিহৌ চাওবা, মীনুংশি থংদবা, লোম্না মী হাৎপা, লৈথা তাবা, মল্লযুদ্ধ পাম্বা, হৈ-শিংবা, নিংঙাই চাওবা, ধর্ম্ম লৈতবা, তোনবা, থুগাই-খোৎকাইবা, পুক্নিং লেপ্তবা, রাখল মোৎপা, য়াইফবা পাম্বা, ঈশ্বর নিংবা, লানমী ওইবা, তোন চেনবা। মঙ্গলনা চান্নে।

২৬। উত্তরাষাঢ়া — দান তৌবা, লাইনিং চেৎপা, পুকৈলা থনবা, মী অথোইবা, মথং-মথং চাওথৎপা, লেংদনা মুংঙাইবা মীংচৎ ঙানথৎলকপা, জ্ঞান-লৌশিং অনৌবা পোকপা, কমনাইবা ওইবা, মৈগী থবক, ধাতু চেনবা। রবিনা পক্নৈ।

২৭। রেবতী — ঈশিংগী পোৎথোক, উহৈ-রাহৈ, থুম, মনি-মুক্তা, মোইরুং, মনম মুংশিবা পোৎশিং, কারবারগী মী ওইবা, নেজ্ঞিগী

থবক তৌবা, অকে-অমোগী থবক তৌবা, খোজাল হৈবা, কুচু ফজবা, মীখুংশি চাওবা, নোংমা-নোংমগী চাওখৎপা, মী উন্নবা হৈবা, লোক চেন্নবা। চন্দ্রনা পক্লবা হেল্লি।

গ্রহ লৈবা নক্ষত্রগী মরমদনা থন্নগনি, গ্রহ লৈতবা নক্ষত্রশিংদি থন্নরোই।

রাশিগী শক্তম অমসুং মপু নৈনবা

(যবনেশ্বর)

১। মেষ — থরালমিচাক চবুলগী শক্তম যাউ মানবা। মফম — চীং, মৈফম, মনি-মুক্তা অমসুং ধাতুগী কারখানা, হুরানবা মফম। মরম — মাংখিবা-গুখিবা পোৎ কদায়দা লৈগনি হায়না লেপ্পা; মেষ লগ্নগী পুংফমদা রাহং হংলবদি মথক্কী মফমশিং অতুদা মাংখিবা পোৎ ফংগনি।

২। বৃষ — থরালমিচাক চবুলগী শক্তম যনলাবা। জঙ্গল, চীংদোল, শঙ্গাবুং, লম্পাক, খুঙ্গং অমসুং লবুক-লমতাং।

৩। মিথুন — বীনা, গদা পাইবী মুপীগী শক্তম মানবা থরাল-মিচাক চবুল। চাকতাবা মফম — মুপীনা লৈবা মফম, ঈশৈ-জগোই তমফম শং, ড্রামা হোল, লাইব্রেরীফম, সনা শাফম, জুরার শান্নফম, গুক্তবা মফম।

৪। কর্কট — থরালমিচাক চবুলগী শক্তম রাইথু মানবা, চাক-তাফম — লবুক, ঈশিং মপাল, লৈতাই-লুংচাক পৈফম, লাইশং মন্দির, হৈকোল-লৈকোল, সমুদ্র তোর্বান কেন-নোইনফম।

৫। সিংহ — নোংশা মানবা থৱালমিচাক চবুল। জঙ্গল, চংবা খুদোংচাদবা মফম, চীংগী জঙ্গল, শাতানফম, মোংশোং, মৈফম।

৬। কৈন্যা — থৱালমিচাক চবুলগী শক্তম হিথক্কা ফন্বী মৈরাপাইবী কন্যাগী শক্তম। চ'ক চাফম— নাপী অমদি তিংথৌ হৌবা মফম, ন্নুপীনা লৈবা মফম অমদি কা, শানবুং, খুৎশা হৈবগী কোনশং।

৭। তুলা — ফলা পাইবা মীগী শক্তম মানমা থৱালমিচাক চবুল। ললোনফম, কৈথেল, তুকান, অশং-অমান হৌবা মফম, লখী-ইনাকখুনবা লৈবা মফম, অন্নাংবা লৈপুংনচিংবা মফম। ললোনবা মীগী মযুমনচিংবা।

৮। বৃশ্চিক — থৱালমিচাক চবুলগী শক্তম বৃশ্চিক তীল মানবা। চাকতাফম — চীং-মান- শুরুং, লৈখুল, অমোৎপা পৈবা মফম, অপুম অশা লৈবা মফম, লৈশোৌপুং, নাল্লা, উরু-ৱাখোংনচিংবা।

৯। ধনু রাশি - থৱালমিচাক চবুলগী শক্তম-মথাগী শরুক্কা শগোল মানবা, মথক্কী শকুক্কা লিরুং পাইবা মীগী শক্তম। চাক তাফম — লৈভেম মান্নবা লম, লংজাও-লম্পাক, উচেক লৈবা শগোলশং, অথৌবা লৈফম, খুজ-খুনাই থমফম, খুলাই পাইবা মী, লানমী, সিফাইনচিংবা।

১০। মকর — ঙা কোরিয়ালগী শক্তম মানবা থৱালমিচাক চবুল। চাকতাফম — তুরেল, জঙ্গল, পুখ্রী মপাল, লৈখুল, চোৎ-চোৎ লাওবা মফম।

১১। কুম্ভ — লেংবালদা চকু পুবা মীগী শক্তম মানবা থৱালমিচাক চবুল। চাকতাফম — ন্নুপী লৈবা মফম, জুৱার শান্নফম, লবুক, ফৌ কৈ- তুমফম কানচিংবা।

১২। মীন রাশিগী শক্তম — থৱালমিচাক নপৈগী শক্তম ঈশিং মথক্তা ঙা অনি লৈবা। চাকতাফম — লাইশং-মন্দির, ব্রাহ্মনগী য়ুম, তীর্থস্থান, তুরেল, থাঙ্গপাৎ, সমুদ্র, পুখ্রিনচিংবা।

রাশিশিংগী মগুণ অমসুং লমচৎ
তাজিক গ্রহগী মতুং ইন্না

মেষ — নুপা রাশি, চর খংনবা, মৈগী রাশি, ফিভম চেৎপা, মখোং মরি পানবা, কুচু ঙাংবা, লমচৎ শারি-শাবিবা, অশিনবা, কাগনবা, খোন-রা চাওবা, চীংমাল-জঙ্গল হৈনবা, মীনুংশি খংদবা অযুক-নুংথিলদা পাঙ্গল লৈবা, নোংপোক মাইগৈগী মপু ওইবা, বিষমোদয ওইবা, নুপী তোযনা তিন্নদবা, মচা যামদবা, কুচু থোক্কবা, ক্ষেত্রি জাতি, ফিভম চাং অমদা ফজবা, বিষম রাশি, ওজ হাযনস্থ খংনবা।

বৃষ — নুপী রাশি, স্থির খংনবা, ভুমি রাশি, লমচৎ ইংবা-ভপ্পা, কুচু থোক্কবা, মখোং মরি পানবা, কুচু ঙৌবা, রাহৈ খোনফম চাওবা, বিষমোদয, ধারা যাইমরপ ওইবা, য়ামরপ ওইনা নুপী তিন্নবা, ইংবা, বৈশ্য জাতি, খর থরেক্কবা, যুগ্ম অমসুং সম রাশি কৌই।

মিথুন — নুপা রাশি, দ্বাত্মক খংনবা হায়র্বাদি হৌগৎলকপদনা স্থিরশারিদোনা লেংদবা, লোইরকপদনা চরদোনা থুনফম চেৎত্তবা। নোংচুপ মাইগৈগী মপুনি। মুংশিৎকী রাশিনি; অবংবা রাশিনি। মখোং অন পাল্লি, বিষমোদয ওই, বাখল শাই, ধারা য়াইমরপ, নুপী উনবা যাইমরপ, জঙ্গল হৈনবা, অতোনবা শূদ্র জাতি, রাহৈ খোনফম চাওই, কুচু নাল্লি নাংই, লমচৎ নাল্লি, অধুক-নুংথিলদা পাঙ্গল লৈ। হকচাং শেংই সমধাতু ওই, ওকচাং থোৎলি-নৌই। ওজ অমসুং বিষম রাশিনি।

কর্কট — নুপী রাশি, চর খংনবা, ধারা য়ামই, নুপী থাবা য়াদে। মখোং য়ামই। কুচু ঙৌনা ঙাংতক তায়, তুমিন্না লৈগল্লি, ইংষ্ট-চপ্পী লোকচেল্লি, নাল্লি, ঈশিং রাশিনি, ঈশিংদা চাকতাই, সমোদয় ওই,

ব্রাহ্মন জাতিনি। অহিংদা পাঙ্গল লৈ; অরাং মাইগৈগী মপুনি থরেক্লে। যুগ্ম অমসুং সমরাশি কৌই।

সিংহ রাশি — নুপা রাশি, স্থির থংনবা, মৈ-রাশি, অযুক-নুংথিলদা পাঙ্গল লৈবা, কচ্ নাপু চংবা, কুচু থোক্তবা, অশিনবা কাগনবা, শারি-শারিবা লমচং, নোংপোক মাইগৈগী মপু, ফিভম চেংলি, মখোং মরি পাল্লি, সমোদয় ওই, খোল-ম্রা চাওই, নুপী তিন্নবা ম্রাংলি, ধারা য়ামদে, চীং জঙ্গল হৈনৈ, মীয়ংশি য়াওদে ক্ষেত্রি জাতিনি, কুচু ম্রাওই, ওজ অমসুং বিষম রাশিনি।

কন্যা রাশি — নুপী রাশি, লমচং অনি থোক্কা চংলি, কুচু-নাপু কাই, খোং অনি পাল্লি, মখা মাইগৈগী মপুনি, অহিংদা পাঙ্গল লৈ, নুংশিংকী শাজং চংলি, লমচং ঈংই-তপ্পী, সমোদযনি, ভূমি রাশিনি, মখোল-মর্রা য়াইমরপনি, য়াইফবী, তম্পাক, সহরদা হৈনবী, বৈশ্য জাতিনি, কচ্ থোক্তে নুপী তিন্নবা ম্রাংলি ধারা য়ামদে সৌম্য রাশিনি, যুগ্ম অমসুং সম রাশিনি।

তুলা রাশি — নুপা রাশি, চর থংনবা, মচ কয়না লৈত্তেংবা পাম্বা, সমোদয় ওইবা, লমচং অশাংবনি, নোংচুপ মাইগৈগী মপুনি, বায়ু রাশিনি, মশা নাল্লি-কুচু লংই, খুঙ্গং-সহরদা হৈনবা, নুপী তিন্নবা ম্রাংলি, প্রজা য়ামদে, কুচু ম্রাওই, মীনুংশি থংদে, অযুক-নুংথিলদা পাঙ্গল লৈ, মখোং অনি পাল্লি, সমধাতুনি খোংলি নৌই। ক্ষেত্রি জাতিনি ওজ অমসুং বিষম রাশিনি।

বৃশ্চিক রাশি — নুপী রাশিনি স্থির হায়বদি লেংদবা থংনবা রাশিনি কুচু লংই ঈশিং রাশিনি অহিংদা পাঙ্গল লৈ অরাং মাইগৈগী মপুনি মখোল থোক্তে, মখোং য়ামই, লোক চেল্লি সমোদয়নি, ঈশিংদা হৈনবনি, নুপী য়াম্না উনৈ, ধারা য়ামই, ইংই লেমই তপ্পী নাল্লি, ব্রাহ্মন জাতিনি, থরেবনৈ যুগ্ম অমসুং সম রাশিনি।

ধনু রাশি — নুপা রাশিনি, দ্বাত্মকনি, কুচ্ সনা মান্না লংই, চীংদা হৈনৈ, সমোদয়নি ম্রাহৈ খোনফম চাওই, অযুক-নুংথিলদা পাঙ্গল

ৈল, নোংপোক মাইগেগী মপুনি ; যিভম চেৎলি, ফিংই, কুচু নাপু কাই, ক্ষেত্রি জাতিনি, তোন, অশিনবা কাবা, নুপী তিন্নবা রাৎপা, ধারা য়ামনবা, লমচৎ-রাঙাং অনি থোকপা, হৌগৎলকপদা মখোং আন পাল্লি, লোইরকপগী তংখাইনা মখোং মরি পাল্লি, মৈ রাশিনি, মীনুংশি খংদে, ওজ অমসুং সম রাশিনি।

মকর রাশি — নুপী রাশিনি, চর খংনৈ, তম্পাক্তা হৈনবা রাশিনি, মখোল কয়া থোক্তে, মথা মাইগেগী মপুনি। কুচু নাপু কায়, ইংই লেশ্মী, নুপী তিন্নবা রাৎলি, ধারা য়ামদে, নুংশিৎকী শাজৎনি, অহিংদা পাঙ্গল লৈ, হৌগৎলকপা তংখাইনা মখোং মরি পাল্লি, লেমহৌবা তংখাইনা ভানি-মখোং পানদে, বিষমোদয়নি, বৈশ্য জাতিনি, থরেরৈ, যুগ্ম অমসুং সম রাশিনি।

কুম্ভ রাশি — মখোং পান্দে, স্থির (লেংদবা) রাশিনি, নুপা রাশিনি, বায়ুক-নুংথিলদা পঙ্গল লৈ, জঙ্গলদা হৈনৈ, উমং-রামং পামই, য়াইমরপ ওইনা নুপী লোইনৈ, ধারা য়াইমরপ ওইনা য়ামই। নুংশিৎ রাশিনি কুচু ফজেংনাল্লি, বাখল শাই, য়াইমরপ ওইনা খোন-রা চাওই। সমধাতু নং, শুদ্রবর্ননি, নোংচুপ মাইগেগা মপুনি বিষমোদয় ওই মীনুংশি খংদে ওজ অমসুং বিষম রাশিনি।

মীন রাশি — নুপী রাশিনি, লমচং অনি সুই, ফম্মে নুংগুম্মি, চংলে নুংশিৎকুম্মী, দ্বন্থক রাশিনি, মখোং পানদে, লোক-চেল্লি, ঈশিং রাশিনি, অহিংদা পাঙ্গল লৈ। মখোল থোক্তে, কুচু নাপু কাই, ঈশিং মথক্তা জীবিকা ওই, হকচাং থোৎ নৌই, নুপী তোয়না উন্নে, মচা য়ামই, ব্রাহ্মন জাতিনি, খুদিংমক্তা য়াইফগল্লি, অরাং মাইগেগা মপুনি, বিষমোদয় ওই, থরেরৈ, যুগ্ম অমসুং সম রাশিনি।

"হায়ন রত্ন", লাইরিকী মতুং ইন্না অহানবা য়ুম-লগ্ন হায়বদি কোক ; অনিসুবা য়ুম মায় ; অহুমসুবা পাম্বোম অনি অমসুং খোরি ; মরিসুবা-থবাক ; মঙাসুবা পুক ; তরুকসুবা-খ্বাং ; তরেৎসুব-চনিং ; নিপালসুবা-অমাংথোং ; মাপলসুবা-ফৈ অনি ; তরাসুবা-খুউ অনি ;

১১ সুবা খুবোম অনি ; ১২ সুবা খোং অনি। মতৌ অসুমনা লগ্ন রাশিগী মরমদা য়াম্না কুপ্পা মরিক চুমনা নৈনৈ। মী অমনা পোকপা মতমদা লগ্ন রাশিগী মতুং ইন্না অহুগুম্বা হকচাং কায়াংতা পাপ গ্রহ অমসুং ফত্তবা য়ুমগী য়ুম্বু লৈরবদি অহুগুম্বা পাপ গ্রহ অমসুং ফত্তবা য়ুম্বু অহুগী দশা মতাংদা কায়াংশিং অহুদা অনাবা পোকপা অমসুং অশোক-অপন নংই। রাশিগী চাও-শাংবা অমসুং পিকপা-তেনবগী মতুং-ইন্না অমসুং মহুদা লৈবা গ্রহগী অতেন-অশাংগী মতুং ইন্না হকচাং কায়াংশিং অহু তেনবা নত্রগা শাংগনি হায়না কল্পনা তৌগনি।

রাশি তরানিথোইগী ফিংবা, শাওবা, ইংবা-তপ্পা, নুপা-নুপী, ওজ-যুগ্ম, যম-বিষম, চর-দ্বাত্মাক, স্থির, মৈ, নুংশিৎ, ঈশিং, অমসুং পৃথ্বী রাশিনচিংবা কুপ্পা খাইদোক্লনা নৈনখরে। শাওগনবা অমসুং ইংবা তপ্পাগী মতুং ইন্না মী মহাক্কী পুকচেল-লমচৎ রাশিগী মতুং ইল্লি। চর রাশি লগ্ন চন্দ্র ওইবা পুকচেল লেপতে। লগ্ন অমসুং চন্দ্রনা লৈবা রাশি স্থির রাশি ওইরবদি ঝাখল, পুকচেল লেপ্পী, য়ানিংত্রবদি সুং অতেকপনি অমসুং দ্বাত্মক লগ্ন অমসুং রাশিদা পোকপা মীনা মরমচৎ অমসুং পুকচেল অনি লোংগল্লি। কনাগুম্বা নুপী অমগী জন্ম লগ্ন অমসুং জন্ম রাশি বিষম রাশি ওইরবদি মীনুংশি খংদে, খোং-নৌজদে, থোনা ফবী ওই, নাপল চাওই, নুপাগী শাজং-লাকচৎ অমা চংই। যম রাশিদা পোকপা নুপী ওইরগনা লমচৎ মেংই-খোংলি, ইকাইগল্লি, মীওমদে, নুপী ওইবীগী হৌনবী রাংতে।

নুপা রাশি — মেষ, মিথুন, সিংহ, তুলা, ধনু অমসুং কুম্ভ রাশিনি। ক্রুর, ওজ অমসুং বিষম রাশি হায়নসু খংনৈ।

নুপী রাশি — বৃষ, কর্কট, কন্যা, বৃশ্চিক, মকর অমসুং মীন রাশি সৌম্য, যুগ্ম অমসুং সম রাশি হায়নসু খংনৈ।

চরনচিংবা রাশিশিং — চর রাশি মরিনি — মেষ, কর্কট, তুলা অমসুং মকর। দ্বাত্মক রাশিসু মরিনি — মিথুন, কন্যা, ধনু অমসুং মীন। স্থির রাশি মরিনি — বৃষ, সিংহ, বৃশ্চিক অমসুং কুম্ভ।

মৈনচিংবা রাশি — মৈরাশি — ধনু, সিংহ, মেষ। হুংশিং রাশি — মিথুন, তুলা, কুম্ভ। ঈশিং রাশি — কর্কট, মীন, বৃশ্চিক। লৈকং রাশি — বৃষ, মকর, কন্যা। অসুমা থাইদোকপগী মরম মীশমী মহাক্কী নিপাল্লুবা য়ুম মৈ, ঈশিং, হুংশিং ওইরবাদ চেকশিনগনি অয়াম্বনা শিবগী মরম মথক্কী অসিনা ওইগনি।

মখোং অনি, মরি পানবা রাশি — মিথুন, তুলা, কুম্ভ, কন্যা অমসুং ধনু রাশিগী অহানবা রাশি তংখাই মখোং অনি পানবা রাশিনি। মকরগী অহানবা রাশি তংখাই, ধনুগী অরোইবা রাশি তংখাই, বৃষ, মেষ, অমসুং সিংহ রাশি মখোং মরি পানবা রাশি-শিংনি। কর্কট, বৃশ্চিক, মীন, অমসুং মকরগী অরোইবা রাশি তংখাই তীল রাশিনি। মীন অমসুং মকর মখোং পানদবা রাশি হায়নসু খংনৈ।

মখোল তৌবা-হৌদবা রাশি — মকর, কুম্ভ, কন্যা রাষ্টমবপ ওইনা মখোল খোকপা নিলবা রাশিনি। তুলা, বৃশ্চিক, কর্কট অমসুং মীন মখোল থোক্লবা রাশিনি মেষ, বৃষ, মিথুন সিংহ অমসুং ধনু নরা মখোল য়াম্লা চাওবা রাশিনি। লগ্ন রাশিগী মতুং ইন্না মী-মীগী শাজৎ ওইগনি।

ধারা য়াম্বা য়ামদবা — কর্কট, বৃশ্চিক, মীন, তীল রাশি ওইরনা মী মহাক্কীসু মচা মফম মডাহুবা য়ুম তীল রাশি ওইবা অমসুং হুপীগী মচা মফম তীল রাশি ওইরবদি মচা য়ামই। বৃষ, মিথুন, কুম্ভ, মযাই ওইনা মচা যামই। সিংহ, কন্যা, মকর, মেষ, তুলা অমসুং ধনু মচা যামদে। মী-মী লগ্নগী মডাসুবা য়ুমগী মতুং ইন্না অঙাং মশিং লেপকনি।

বিষম সমোদয় রাশি — মকরদগী মিথুন ফাওবগী কালমান অসি তেলি মরম অতুনা রাশিশিং অসি বিষমোদয় রাশি হায়না খংনৈ অমসুং কর্কটতগী ধনু ফাওবগী কালমান (মতমগী চাং) অসি শাংই মরম অতুনা রাশিশিং অসিবু সমোদয় রাশি কৌই।

দিবা-রাত্রিবলী — সিংহ, তুলা, কন্যা, বৃশ্চিক, কুম্ভ অয়ুক-নুংথিলদা পাঙ্গল লৈ। বৃষ, মেষ, ধনু, কর্কট, মিথুন, মকর নুমিদাং অহিংদা পাঙ্গল লৈ। মীন রাশি অহিং-নুংথিল চপ মান্ননা পাঙ্গল লৈ।

খুঙ্গং অমসুং জঙ্গল — মেষ, বৃষ, মিথুন, তুলা, কন্যা, ধনু অমসুং কুম্ভ সগর অমসুং খুঙ্গংদা লৈবা রাশিনি। অয়ুক-নুংথিলদা মেষ অমসুং বৃষ জঙ্গলগী রাশিনি। মকরগী অহানবা রাশি তংখাই অমসুং সিংহ রাশি জঙ্গলদা হৈনবা রাশিনি।

রাশিশিংগী পাঙ্গল — মেষনচিংবা রাশি ১২ রাশি মপু গ্রহনা মশাগী রাশিদা লৈরবা, মিত্র-গ্রহ লৈরবা অফবা যুম্নগী গ্রহ লৈরবা, অদু-ফত্তু উচ্চ গ্রহ লৈরবা অমদি দৃষ্টি তৌরবদি পাঙ্গল লৈবা রাশি কৌগনি। গ্রহনা লৈবা অমদ পূর্ণদৃষ্টিনা য়েংবা রাশিনা য়াইমরপ ওইনা পাঙ্গল লৈ। য়েন্নবা গ্রহনা য়েংবা অমদি লৈবা পাঙ্গল থরদং লৈ। গ্রহ অমত্তনা লৈতবা অমদি য়েংদবা রাশি হায়বদি খুম অতু খ্বাইদগী শোল্লি।

রাশিশিংগী কালবল — মিথুন, কন্যা, তুলা, কুম্ভ অমসুং ধনু রাশিগী অহানবা রাশি তংখাই অয়ুক-নুংথিলদা পাঙ্গল থোকপা ঙম্মী। ধনুগী অরোইবা রাশি তংখাই, মেষ, বৃষ, সিংহনচিংবা অহিংদা পাঙ্গল পুথোকপা ঙম্বা রাশিশিংনি। মকরগী অরোইবা রাশি তংখাই, কর্কট, বৃশ্চিক, মীন-তীল রাশিশিং অসি সনধ্যা অমদি নোংঙাল্লন-দাইগী মতমদা পাঙ্গল ফুদোকপা ঙম্মী। জন্মলগ্ন রাশি অমসুং জন্ম রাশি কালবলগী মতুং ইন্না হায়বিবা মতম অতুদা মী মহাক্কী হকচাংগী পাঙ্গল অমসুং পুক্নিং পাঙ্গল মপুং ফানা লৈবা মতমনি। মী-মীগী মতাং অতুদা থবক পাংথোক্লবদি শোয়দনা মায় পাকনি।

রাশিশিংগী মফমগী মতুং ইন্না পাঙ্গল — গর্গাচার্য মুনিনা হায়বা মতুং ইন্না কেন্দ্রদা লৈবা রাশিশিং মী মহাক্কীদমক্তদি মপুং ফানা পাঙ্গল লৈ। পনফরদা লৈবা রাশিনা য়াইনরপ ওইনা পাঙ্গল লৈ, আপোক্লিমদা লৈবা রাশি (য়ুম) না পাঙ্গল য়াওদে।

রাশিগী মাইগৈ পাঙ্গল — মিথুন, তুলা, কুম্ভ, কন্যা অমসুং ধনুগী অহানবা রাশি তংখাই নোংপোক মাইগৈদা পাঙ্গল লৈ। কর্কট, মীন, মকরগী অরোইবা রাশি তংখাই মথা মাইগৈদা পাঙ্গল লৈ। বৃশ্চিক রাশি-নোংচুপতা পাঙ্গল লৈ। ধনু রাশিগী অরোইবা রাশি তংখাই, মেষ, বৃষ, সিংহ, মথোং মরি পানবা রাশিশিংগী পাঙ্গলনা অরাং মাইগৈদা লৈ। বরাহচার্যগী মতুং ইন্না লগ্নপতি, বৃহস্পতি নত্রগা বুধনা লৈবা নত্রগা য়েংলবদি মহুবু পাঙ্গল লৈবা লগ্ন কৌই। পাঙ্গল লৈবা লগ্ন-রাশিদনা মাইগৈগী কান্নবা ফংগনি।

রাশিনা জ্ঞান মাংবা মতম — মেষ, বৃষ, সিংহ নোংয়াইচবুক্তা, জ্ঞান য়াওদে; কর্কট, মিথুন, কন্যা নুমিৎ চপ যুংবা মতমদা ভ্রম চংই। তুলা অমসুং বৃশ্চিকনা অযুক্তা; ধনু, মকরনা নুংথিলদা; কুম্ভ অমসুং মীন রাশিনা নুমিদাংৱাইবম অমসুং নোংডাল্লমদাযদা জ্ঞান মাংই।

রাশিগী পুন্যনচিংবা মি, — মেষ, কর্কট, তুলা, অমসুং মকর চর রাশি মরি অসি পুন্য হায়বদি য়াইফবগী শক্তমনি। বৃষ, সিংহ, বৃশ্চক অমসুং কুম্ভ স্থির রাশি পুত্রি (পুরুষ) গী শক্তমনি। মিথুন, কন্যা, ধনু অমসুং মীন রাশি দ্বাত্মক রাশি মরি অসিবু আধান (মরু হুনবা) শক্তমনি।

মেষনচিংবা চর রাশি মরি অসি পুন্য থংনবনি: অশেংবা, অফবা থবক তৌবা, অফবা মিংচৎ ফংবা, হোৎনবা চৎপা, তনদবা পাপ লৈতবা অমসুং ধর্ম্ম লৈবা মীওই ওইগনি। অসিগুম্বা মীভানা দেশ অমসুং সামাজগী কান্নবা থবক তৌবা ঙম্মী। স্থির রাশিদা পোকপা মীওইনা য়োকপী-থাকপীবা, মপুং ফাহনবা ঙম্মী। দ্বাত্মক রাশিনা লৌশিনবা, তানশিনবা অমসুং পুবা ঙম্বগী শক্তি লৈ।

রাশি পোৎ মপু — মেষ—মখল খুদিংগী ফি, বৃষ—ফৌ-গেহু হরাই চান্নবা পোৎশিং; মিথুন—উহৈ-রাহৈ জঙ্গলদা থোকপা চানবা পোৎ; কর্কট—লফোই, য়ুবী, ফৌনচিংবা; সিংহ—দারুচিনী, উরি-রারি, উকু, শিং-উ অমসুং অতৈ জঙ্গলগী পোৎথোক; কন্যা—থোইদিং, মুগ, শগোল-হরায়, অনৌ-অপেন মনা-মশিং, তুলা—চুপান্বী; বৃশ্চিক—রক্তচন্দন,

ক্ষি, মোরোক, যেংনচিংবা ধাতু মথল, অগুরুচন্দন, রক্তচন্দন ; ধনু— লানগী খুজ্জ খুলাই, খোনিন্দা থোকপা ধাতু; মকর — সমানচিংবা খোনিগী পোংথোক মীন রাশি — ঈশিংদগী যংবা চানবা পোংথোকশিং।

রাশিগী পাঙ্গলগী মতুং ইন্না রাশিনা পিরিবা পোৎশিং ললোনবগী মরমদা খনগনি। লগ্নর শিগী তরেৎসুবা রাশি, মী খুদিংগী ললোনথমান। মহাক্কী পাঙ্গলগী মতুং ইন্না ললোনবদা তাকলিবা পোৎশিং অদুগী মরমদা নৈনগনি।

রাশি খুতুম চন্নবা — সিংহ রাশি নক্তনা লেমহৌরিবা রাশি পুন্নমক দ্বিপদ বা শিংনা খুতুম চল্লি। তৌল রাশি অমসুং মীন রাশি নক্তনা লেমহৌরিবা রাশি পুন্নমক সিংহ রাশিনা ওম্মী লুহোংবা মতমদা মব বন্যা। অনিগী খুতুম চন্নগী মরমদা নৈনগনি।

রাশি অশাং-অাংেন — মীন, বৃষ, মেষ অমসুং কুম্ভ তেনবা শংনবা রাশিনি। মিথুন, ধনু, কর্কট, মকর য়াইমরপ চাওবা শংনবনি। কন্যা বৃশ্চিক, সিংহ অমসুং তুলা অশাংবা খনবা রাশিশিংনি। মী মহাক্কী চাওবা শাংবা লগ্ন রাশি, লগ্নপাত গ্রহ, লগ্নদা লৈবা গ্রহগী মতুং ইল্লি।

রাশিগী মচু — মেষ—অঙাংব, বৃষ—অংগোবা, মিথুন—নপী মচু, কর্কট—মুনা তাংবা, সিংহ—অংগৌবদা নাপু চংবা, কন্যা—অবাংবা, তুলা—অমুবা, বৃশ্চিক সনা মচু, ধনু—নাপু, মকর—অঙৌবদা অঙাংবা চংবা, কুম্ভ—নাপু অবাঙবা, মীন— লৈপাক মচু ; বরাহাচার্যনা হায়বনা মচু ঙৌনা তরুংবা ফাবা।

মাগৈ মপু রাশি — মেষ, সিংহ, ধনু নোংপোক্কী মপু, মিথুন, তুলা কুম্ভ নোংচুপক্কী মপু, বৃষ, কন্যা, মকর মথা মা-ইগী মপু, কর্কট, বৃশ্চিক, মীন অবাংগী মপুনি। রাশিশিংগী মাইগৈ মপুগী মতুং ইন্না মী মহাক্কী লগ্নরাশিনা তাকপা মাইগৈ অদু খুদংমজ্জা য়াইফবা ওইহল্লি।

রাশিগী জাতি — কর্কট, বৃশ্চিক, মীন, ব্রাহ্মন জাতি, সিংহ, তুলা, ধনু ; ক্ষেত্রি। মেষ, মিথুন, কুম্ভ, বৈশ্য জাতিনি। বৃষ, মকর, কন্যা শূদ্র জাতি খংনবা রাশিনি।

রাশি মপু — মেষ বৃশ্চিক-মঙ্গল। বৃষ-তুলা-শুক্র, মিথুন-কন্যা বুধ, কর্কট-চন্দ্র, সিংহ-রাশিগী মপুনা রবিনি। ধনু-মীন-বৃহস্পতিনা মপুনি, মকর কুম্ভনা শনিনা মপুনি।

রাশি মিত্র-য়েক্লবা — পৃথ্বী রাশিগা জলরাশিগা মরুপ ওই। মৈ রাশিগা ন্নুংশিৎ রাশিগা মরুপ ওইনৈ। য়েক্লবা রাশিনা — পৃথ্বী রাশিগা মৈ রাশিগা; ঈশিং রাশিগা মৈ রাশিগা অমস্থং ঈশিং রাশিগা ন্নুংশিৎ রাশিগা য়েংথিনৈ। মপা-মচা, মতৈ-মনাও ছাত্রগা ওজাগা অমস্থং মচিন-মনাও লগ্ন রাশি মিত্র ওইরবদি ন্নুংশিনৈ। য়েক্লবা ওইরগনা য়েংথিনৈ।

রাশিগী মশাগী শক্তি অমস্থং শাজৎ

মেষগী লমচৎ — অযাকপা অশাবা পিবা, অশাওবা, ঈরাং কনবা য়ৈথাই-থিনগাইবা, থৌনা, শক্তি, নাপল, অপাইবা থবক থুনা লোই-শিনগনবা, মরোমদোম লেপচবা পাম্বা, রজোগুনীনি।

বৃষগী লমচৎ — ঈশ্বরগী মরমদা থনবা, মীওই মপোক্কী মরমদা থনবা, ফিভম চেৎপা, ইন্দ্রী খুদুম চনবা, ময়াইকাজবা, ঈরাং কনবা, মনম ন্নুংশিবা পাম্বা, রাখলদা তাওবা, লাই-গুরু নিংবা, খৎনগনবা, রজোগুনীনি, থবক লেপতবা, খ্বাইগী ভাংনফম ওইবা, খোনথি তাবা।

মিথুন — অনৌবা পোকপিবা ঙম্বা শক্তি, ইচম চম্বা, থবক্তা মায়ওনশিনবা, বৈজ্ঞানিক ওইবা, কলা নৈনবা পাম্বা, য়োকপা ঙম্বা, মচি পিবা ঙম্বা, অঙ্ক-বিজ্ঞানগী অখং-অহৈ ওইবা, শান্নবা পাম্বা, লিলা ড্রামা পাম্বা, অতোংগী শাজৎ থাদোকপা ঙমদবা, য়াংবা-কাপ্পা, খ্বাইগী ন্নুংঙাইনবা তৌবা, তমোগুনীনি।

কর্কটকী শাজৎ — সমুদ্র, মচি-পিবা, নিংশিংবা ঙম্বা, পুবা ঙম্বা, নবুক-ইংখোল, ফমনাইবা মিশক নাইবা, চিন্তা রাখল, খোৎপা নৌবা, কাইনবা-য়েংথিনবা, পুকচেল চাওথোকপা নোকলুকপা, হৈ-শিংবা, সত্বগুনীনি।

সিংহ শাজৎ — মথনতা লেপচবা ঙম্বা, মপা থোকপা উৎপা, য়াংবা, অনৌবা রাখল শক্তি পুথোকপা, জ্ঞান হেনগৎপা, অথোইবা মীওইবা, মৈগা মরি লৈনবা থবক, লেংদবা, চপয়ুংবা, চীং-লেম্বা, নাপল চাওবা সত্বগুনী ওইবা।

কৈজ্যাগী লমচৎ — ফোংদোকপা ঙম্বা, পাইরক্কী লৌশিং থোকপা, হৈশিংবা, নিংশিংবগী শক্তি লৈবা, তাৎ-পাৎ হৈবা, অনৌবা রাখল পুথোকপা, অঙ্ক হৈবা, খুৎ-শা হৈবা, কলাবিদ্যা হৈবা, জ্ঞান লৈবা, থবক হৈশিংবা শান্নবা পাম্বা হৈবা অমস্তুং রজোগুনীনি।

তুলা — বৈজ্ঞানিক, মতিক ময়াই ফোংদোকপা ঙম্বা, কলাবিদ্যা চিত্রকলাগী অফাওবা ওইবা, সাংসারিক চাওখৎপা, অনৌ অনৌবা পুথোকপা, ইন্দ্রী পেম্নবা তৌবা, ডাক্টর, ললোনবা হৈবা, নাপল, শুনবা নাইবা, রজোগুনীনি।

বৃশ্চিক — পুক্নি থুপকনবা, অশাওবা উত্তবা, নাপল চাওবা, তাৎ তৌবা, য়েথাই-থিনগাইবা, পুকচেল পিকপা, খুতুম চনবা, থবক তনবা, অমস্তুং থেংথনা তৌবা, খৎনবা পাম্বা, শকলোৎপা হৈবা, রাখল থনগনবা সত্বগুনীনি।

ধনু — ইজ্জৎ, হিংবগী শক্তি, জজ, জ্ঞান লৈবা মী, আধ্যাত্ম শক্তি লৈবা ফমনাইবা, সমাজদা ইকাই থুম্নবা, লাইপক যবা, থবক চনাইবা হৈবা, লাইনা পিবা শক্তি লৈবা, তুংগী শাংনা উবা ঙম্বা, অশেংবা নুং-ঙাইবা, জ্ঞান-লৌশিং লৈবা, রাখল শাবা, অচুম্বদা লেপ্পা সত্বগুনীনি।

মকর — কলক-মীহৌ চাওবা, অতোনবা থবক তৌবা, লেম-জদবা, মিনাই শাজৎ চৎপা, য়াম্না তোনথজবা, পংবা, তনবা, রাবা, কুশি রাশি তৌবা, অরাবা খাংবা হৈবা, থাদোকপা ঙম্বা, চক্রি চাওবা, হৈশিংবা, আত্মশক্ত খংবা, তমোগুনী ওইবা।

কুম্ভ — অম্বাংবা ফম পাইবা, সন্যাসী ওইবা, লম্বোইবা, থাদোকপা কুশি-রাশি তৌবা, মঙ্গল পাম্বা, ঈরাং কনবা, ইনাক খুনবা, লমচৎ য়াঙ-দবা তমোগুনীনি।

মীন — বুপ্পা আত্ম জ্ঞান খংবা, মপুং ফাবা লাইপকঙবা, ইন্দ্রী খুদুম চনবা, দার্শনিক ওইবা, থাজগনবা, য়োকপা ঙম্বা ঈশ্বর শক্তি লৈবা সম্বগুনীনি। রাশিশিংগী অক-ফত্ত গুন মশাদা গ্রহ লৈরগদা ফোংদোকপা ঙম্মি, গদ লৈতরবদি ফোংদোকপা ঙমদে


জ্যোতিষ শাস্ত্রদা পৃথ্বী অমসুং সুর্য

জ্যোতিষ শাস্ত্রদা পৃথ্বীনা সৌরজগতবী ময়াই ওইরি। পৃথ্বী অমসুং পৃথ্বীদা লৈবিবা লোংই পাল্লিবাশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনবনচিংবা তৌই। মসদগী হেন্দোক্লনা মী-মীগী জন্ম কোষ্ঠী শেমজুনা, হায়বদি মীওক্স অদুনা পোকপগী মিৎকুপ অদু বিশ্বজগৎকী সেণ্টর ওইরগা মী মহাকী মাফ-ফত্তনচিংবা বপ্পা শন্দোক্পা খম্ন নৈনৈ। মরমদি গ্রহশিংগী শক্তিগী মশম অমসুং গ্রহশিংবু মথৌ শংলিবা নক্ষত্র অমসুং রাশিশিংগী ইথিনগী শক্তি পৃথ্বী অমসুং পৃথ্বীদা লৈরিবা জীবশিংদা মতৌ করম্না মমি হাবগে অমসুং করম্বা মওংদা মটং ফংবগে হায়বা অসি জ্যোতিষ শাস্ত্রনা নৈনবান

গ্রহশিংগী আকর্ষন-প্রত্যাকর্ষনা মরম ওইদুনা মঙালগী, করেণ্টকী শাজৎ-লমচৎকী অথুপ্পা মওং অমসুং চন্দ্রগী লিচিংনা মরম ওইদুনা পৃথ্বীদা যৌবকলিবা মঙাল, গ্রহশিংগী আকর্ষন শক্তি, করেণ্ট, মেগণেটকী অকনবা নোংলৈগী শক্তিগী মমি মীওইবদা তকনা তায় তারকলিবা মমি অমসুং শক্তিশিং অসিগী ফল মী অমগা মী অমগা মান্নদে; মরমদি মীওইবা অমসুং জীবশিংগীসু মশা-মশাগী তোঙাল-তোঙালবা হাওল শাজৎ লৈজনা ফলসু তোঙাল তোঙালনা মমি তায় হায়রুবদি

ফল অতু মী অমদনা অযবা ওই, অমদনা যতুবা ফল ওই। নবগ্রহগী দশাগী অথুপ্পা মবমদি অসিনি। মবম অতুনা পৃথ্বীনা হাযবদি নৈগ-দাবিবা মী মহাক অতুনা বিশ্ব জগৎকী কেন্দ্র ওইবগা নৈনবা তাবনি।

পৃথ্বীগী শাজৎ অনি লৈ। শাজৎ অমনা পৃথ্বীনা কোন ৬৬ই লুকথতুনা মশাগী ওবিট্ তা সেকেণ্ডমদা মাইল ১৮ কাপ্তুনা পাই। ওবিটকী ১২ থোকপগী অমা হাযবদি রাশি অমা মাইল, ৪,৬৬,৫৬,০০০ লানবদা থা অমা মতম চংই। মতৌ অসুন্না রাশি ১২ অমুক কোইবদা হাযবদি পৃথ্বীনা মশাগী ওবিট মাইল ৫৬৭৯০৭২০০ অমুক কোইবদা চহি অমা মতম চংই। মতু ওকক, থা তবানিথোই অমসুং নুমিৎ ৩৬৫ পৃথ্বীগী চহি অমগী শজংগী পুথোকপনি। মসিবু ওস্তোক্লগা জ্যোতিষ শাস্ত্রদা পৃথ্বীনা নুমিৎকী মহুৎ শিন্দুনা সৌরজগৎকী মযাইদা লৈহল্লগা নুমিৎনা পৃথ্বীগী ওবিটতা পাইহন্নবনি। অঙ্কদসু থেন্নবা লৈতে যল চপ মনৈ।



পৃথ্বীনা চাওবা অক্ষ এখ্যা বেথাদা কোনবা মাইল ২৪৮৬০ নি। পৃথ্বীগী দেশান্তর (Longitude) ডিগ্রী ৩৬০° থোক্লা থাইদোকই।

পৃথীনা মশাবু ডিগ্রী ১° উংবদা মিনট ৪ চংই. অস্থুন্না কাশি অমা উ বদা পুং ২ চংই, অমসুং মশাবু অমুক উংবদা হায়বদি ডিগ্রী ৩৬০° উংবদা পুং ২৪ মতম চংই। মসিবু পৃথীগী নোংমগী শাজক কৌই।

পৃথীগী অক্ষাংশ রেখা (Latitude) ডিগ্রী মশিং ১৮০° নি অরা থংবা গোলার্দ্ধদা অক্ষাংশ ডিগ্রী ৯০° নি, খা থংবা গোলার্দ্ধদা অক্ষাংশ ডিগ্রী ৯০° নি পুন্না ১৮০° ডিগ্রীনি।

অক্ষাংশগী মতুং ইন্না অহিং-নুংথিল শাংবা

অক্ষাংশ ডিগ্রী (Latitude)	অশাংবা নুমিৎ পুং	মিনট	শংনবা নুমিৎ পুং	মিনট
০°	১২	০	১২	০
৫°	১২	১৭	১১	৪৩
১০°	১২	৩৫	১১	২৫
১৫°	১২	৫৩	১১	৭
২০°	১৩	১৩	১০	৪৭
২৫°	১৩	৩৪	১০	২৬
৩০°	১৩	৫৬	১০	৪
৩৫°	১৪	২২	৯	৩৮
৪০°	১৪	৫১	৯	৯
৪৫°	১৫	২৬	৮	৩৪
৫০°	১৬	৯	৭	৫১
৫৫°	১৭	৭	৬	৫১
৬০°	১৮	৩০	৫	৩০
৬৫°	২১	৯	২	৫১
৬৬°৩৩	২৪	০	০	০

পৃথীগী মধ্য রেখাদা পৃথীমা ডিগ্রী ১° হায়বদি মাইল ২৭৬ উংবদা মিনট ৪ চংই। অদুম্না মাইল ৬৯ উংবদা মিনট অমা মতম চংই।

গ্রহশিংনা মুমিৎ অমদি পৃথিবীবু অমুক কোইবদা চংবা মতম

পৃথীন সেন্টর ওইবা		মুমিংনা সেন্টর ওইবা		থেন্নবা মশা
গ্রহ মমিং	মুমিৎ মশিং	গ্রহ মমিং	মুমিৎ মশিং	
বুধ	২১৬	বুধ	৮৮	১২৮
শুক্র	৩৩৬	শুক্র	২২৫	১১১
মুমিৎ	৩৬৫ পুং ৬	পৃথী	৩৬৫ পুং ৬	০
মঙ্গল	৫৪০	মঙ্গল	৬৮৭	১৪৭
বৃহস্পতি	৪৮৩	বৃহস্পতি	৪৩৩২	৫১
শনি	১০৭৬৬	শনি	১০৭৫৯	৭
রাহু	৬৫৭০	রাহু	৬৫৭০	০
কেতু	৬৫৭০	কেতু	৬৫৭০	০

চন্দ্রনা পৃথীবু অমুক কোইবদা মুমিৎ ২৭ পুং ৭ মিনিট ৪৩ সেকেণ্ড ১৪ চংই। পৃথী অমসুং পৃথীদা লৈবা মীওইবগী মরমদা লৈনবা মরম্না জ্যোতিষ শাস্ত্রদা বিশ্বজগৎকী কেন্দ্র পৃথী অমদি মী-মীগী ওইনা লৈনবগী নিয়মদা চংথৈ। মুমিংনা রাশি অমা চৎপদা থা অমা চংই। চন্দ্রনা রাশি অমা লানবদা মুমিৎ ২ মিগা পুং ৬ মতম চংই। পৃথীনা কেন্দ্র ওইবদা মঙ্গলনা রাশি অমা লানবদা মুমিৎ ৪৫ নি চংই। বুধনা রাশি অমা চৎপদা মুমিৎ ১৮ নি চংই। বৃহস্পতিনা রাশি অমা চৎপদা চহি ১ চংই। শনিনা রাশি অমা লানবদা চহি ২ থা ৬ মতম চংই। রাহু কেতুনা রাশি অমা চৎপদা চহি ১ থা ৬ মতম চংই।

মতৌ অসুম তৌনা মুমিত্তা নত্তনা গ্রহ পুম্নমক্কী বিচার-মীমাংসা পৃথীনা কেন্দ্র ওইরগা থম্নগনি।

হৌজিক্কী মহারোলশিংনা ভাব তাদনা অমদি রাখল থন্দনা পৃথীনা সেন্টর ওইরগা থম্নবা অসি লাম্লি হায়দুনা জ্যোতিষ শাস্ত্রবু পাওথোকই। চুম্মী সৌরজগৎকী সেন্টর মুমিংনি। জ্যোতিষ শাস্ত্রদা

খন্নরিবা বিন্দু হায়বদি পোইন্টতি পৃথ্বীদা লৈবা পোকপা মী অমগী মরমদা খন্ন-নৈনবনি মরম অদুনা মী মহাক অদুনা বিশ্ব জগতকী সেণ্টর ওইরগা খন্নগদবনি ।

থাজ

থাজ অসি পৃথ্বীদা লৈবিবা মীওই জাতিগীদমক পুক্লিংগী যুমফম ওইবা মরম্না য়াম্না মক ওইখরে । মরমদি মহাক্না স্নাইদগী নকবা পৃথ্বীগা যুমলোন্নবা ওইবা মরম্না মাগী গুরুত্বাবর্ষন শক্তি (Gravitation) না স্নাইদগী হেন্না পৃথ্বীবু চিংখৎলি । পৃথ্বীগী অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ অয়াম্বা মাগী মখা পোল্লি । মীওইবগী পুক্লিং, ঈ, হকচাংগী জ্ঞানগী করেণ্ট পুরিবা জ্ঞান তন্তুশিংদা চন্দ্র-শক্তিগী মাম তাবা উরি । কনাগুম্বা মীওই অমগী কোথিদা চতুর্থপতি অমদি চন্দ্রনা ৬, ৮, ১২ সুবা য়ুমশিংগী মথং দা যুম অমদা লৈরবদি রাখল চোই, তরং চৎলি থাশি-থানৌ হোৌগল্লি । পৃথ্বীগা উপগ্রহ অমা ওইনা চন্দ্র অসি লৈরমদ্রবাদ তাইবংমীবু লাইপোক ওইহল্লিবা "পুক্লিং" মপুং ফারোই; রাখল খনবগী শক্তি লৈরোই অমসুং জ্ঞান-লৌশিং-রাখল তুংশিনবা ঙমলোই । শাস্ত্রনস্তু হায়রি — মন : সর্বেন্দ্রিয় প্রবর্ত্তক অন্তরেন্দ্রিয় মন : সর্ব্বময় কর্ত্ত ।।" পুক্লিং-ইন্দ্রী পুম্নমকী হোৌরকফম্নি, নুংগী ইন্দ্রী পুম্নমকী থোৌবুম্ব মহাক্লি লোইননা থাজ অসি পৃথ্বীগী ইশিং-নুংশিৎ (climate) কী লংলা লংজিন্নি ।

মীওইবদা চন্দ্র শক্তিগী মমি ভাবিবসি থম্মাই অমসুং পুক্কিংদনি। মবমদি নুমিৎ থা অমসুং গ্রহশিংগী মেগনেটপু চিংশিল্লিবা হকচাংগী যোং পুন্নমক ঈদা লৈ; ঈগী কেন্দ্র বিন্দুদি থমোইনি। মবম অসিনা চন্দ্রগী আকর্ষন শক্তিগী মমি থম্মাই অমসুং হকচাংগী বৈদ্যুতিক জ্ঞানতন্তুশিং (Nerves) গী থোবু পুরিংদা মমি তায়। মবম অসিনা মীওইবগী হকচাংগী মিতুল চন্দ্র তালগী মতুং ইন্না হুল্লি; চৎনবিবা ঘড়ীদগা খব যাংবা হুল্লি। মতৌ অসুম্না পৃথ্বীদা চৎনবিবা দশা মথল ৪২ অসি থাজগী খেংচ ংগী পুথোববপনি।

থাজনা পৃথ্বীবু অমুক কোইবগা অমসুং থাভনা মশাবু হমুক উংবগা মতম চপ মান্নবা নুমৎ ২৭ নি পুং ৭ মিঃ ৪৩ সেঃ ১৪ চংই। থোইদোক্না থাজগী গুরুত্বাকর্ষন্না মবম ওইহুনা সমুদ্রদা জনার ভাটা কায় যান্না লাপথিনা মবম্না নুমিৎকী গুরুত্বাকর্ষন শক্তি থাজগী শক্তিগী শরুক মথিনি অমত্তা। যান্না পিবগা উপগ্রহ অমা ওইজৎবতু চন্দ্রগী গুরুত্বাকর্ষন (Gravitation) শক্তি পৃথ্বীগা যাম্না নকপা মবম্না নুমৎগী শরুক ত হেল্লি মবন অসিদগী থাজনা মীওইবগী পুরিং বাথল হুমহুনা পুবা ওমী। ভাইবংমীনা মশা মশাগী পুরিংগী অপাম্বা মতুং ইনা কর্ম তৌই; মতুগী মতুং ইন্না অফ-ফত্ত ফল যংই। ঋষি পবাশবনসু হায়বি "যা দৃশেন শশাঙ্কেন সঙ্গতে নাং! তা দৃশং ফলামাপ্নোতি শুভম বা অশুভম।" চন্দ্রগী খেৎচৎ মতুং ইন্না গ্রহশিংনা অফ-ফত্ত ফল পিবনি।

থাজগা পৃথ্বীগা খাইদগী নক্লবা মতমদা মাইল ২,২১,৬১৪ লাপ্পে অমসুং খাইদগী লাপ্পবা মতমদা মাইল ২,৫২,৯৭২ লাপ্পে। থাজগী চাওবগী ব্যাস অসি মাইল ২২০০ খবতনি।

নুমিৎ, থা অমসুং পৃথিবীগা মরি লৈনবা শসি থোংবা যোৎচাগীনা মরি লৈনবগুম্বনি। নুমিৎনা লেংই পাক্লিবা পুন্নমক্কী থন্নাইনি। পৃথিবীনা অচৎ-চৎত থন্নাই পানবা পুন্নমকী হকচাং শাগৎপদা চৎবা পোৎলমনি। পৃথ্বীবু য়োমহুনা লৈরিবা থাক গুরুত্বাকর্ষন (Gravitation) না পানগী অতৈ শক্তিশিং হায়বদি নুমিৎকী মণ্ডল, গ্রহশিংগা

আকর্ষন-প্রত্যাকর্ষন শক্তিশিং হায়বদি পানগী পৃথিবীদা লাকপা শক্তি পুম্নমক চন্দ্রনা ওপরেট (Operate) তৌই। জীব পুম্নমক মশা-মশাগী য়াওল লৈজে। পৃথিবী মশাগী তক্ষং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং থরাই পানবা অচৎ-চৎত পুম্নমক্কী লমজিং খোংচৎকী ইথিল চন্দ্রনা শত্রুনা পিরি। মীওইবদা চন্দ্রগী য়ুক্ষম ওইরিবা পুক্লিংনা তাইবংমী পুম্নমক মশাবু লমজিংজরি। মরম অদুনা তাইবংমীগী কর্ম-কর্ত্তাদি পুক্লিংনি।

মঙ্গল-গ্রহনচিংবা নৈনবা

মঙ্গল অমসুং শুক্র গ্রহ অমি অসি পৃথিবীগা হেক য়ুংলোননবা গ্রহ ওইবা মরম্না মখোইগী শক্তিগী মমিশিং নিংথিজনা উবা ফংই। পৃথিবীগী নুংগী গ্রহনা শুক্রনি, পানগী গ্রহনা মঙ্গলনি। তাইবংমীগী নুংগী শক্তি (positive) স্ত্রী-শক্তিনা শুক্রনি, পানগী শক্তি (Negative) পুরুষ শক্তিনা মঙ্গলনি। জ্যোতিষ শাস্ত্রদা মরেকলানা নুপী ওইবগী শক্তিগা শুক্রগা মরি লৈনবা অমসুং মঙ্গলনা পুরুষ শক্তিগা মরি লৈনবা খুদম অমদি প্রমান কয়া ফংবিগনি।

সৌরমণ্ডলদা শুক্রগী মথংদা পৃথ্বীগা নক্কবা অসি মঙ্গলগ্রহনি। করি-করিগুম্বা মতমদা মঙ্গলনা পৃথ্বীগা নকশিন্নবা লাকপা য়াওই; মতম অদুদা পৃথ্বীগা মঙ্গলগা লাপ্পবা মাইল ৩০,৬০০,০০০ লাপনৈ। মঙ্গলগী ব্যাস ৪২৬০ থক্কনি, পৃথ্বীনা লুম্বা শরুক ১০ হেল্লি। মঙ্গলগী থা অনি লৈ—ফোবোস (phobos) অমসুং ডেভোস (Devos), অনিমক য়াম্না পিকই মখোইগী চাওবগী ব্যাস মাইল ৩০ ফাদে। উপগ্রহ অনিমক মঙ্গলবু য়াম্না নক্না কোই, ধ্রুবদগী য়েংবদা উবা ফংদে। মঙ্গলনা নুমিৎপু অমুক কোইবদা নুমিৎ ৬৮৭ চংই, অমসুং পৃথ্বীবু অমুক কোইবদা নুমিৎ ৫৪০ চংই। মঙ্গলগ্রহগী বায়ুমণ্ডলদা ৯০% কার্বনডাইঅক্সাইড, ১০% অমসুং নাইট্রোজেন আর্গন ফংই।

জ্যোতিষ শাস্ত্রগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমগী কোষ্টীদা মঙ্গলনা অহানবা য়ুম, মরিস্থবা য়ুম, তরেৎস্থবা য়ুম অমস্থং ১২ স্থবা য়ুমদা লৈরবদি পানগী শক্তি (Negative power) হেনবা মরম্না ইরাং কল্লি, মতু শিগল্লি, মুপী ওইরগা মরা শিগল্লি।

মঙ্গলগী অথুপ্পা শক্তি খরা মখাদা উৎচরি। কনাগুম্বা মমা-মপা অমগী কোষ্টি (জন্ম পত্রিকা) দা লগ্নদগী থিবকপদা তরামাথোইস্থবা য়ুমদা মঙ্গল লৈরবদি, অয়াম্বা মতমদা মচা অহনগী তরেৎস্থবা য়ুম হায়বদি মুপী মফমদা মঙ্গল লৈগল্লি। মসি পাথ্রা নত্রগা লুপ্রা যোগ তাবা কৌই। অম্বন্না তরেৎস্থবা হায়বদি মতু নত্রগা মরা লৈবা মফমদা মঙ্গলগী দোষ অসিবু থিংবা ওদ্না নত্রগা ককথৎপা ওদ্না যোগ তামা তাদ্রবদি মী মহাক অতু মতম চাদনা মুপা ওইরগা পাথ্রা, মুপী ওইরগা লুথ্রা তাগল্লি নত্রগা থাইনগল্লি। মসিগী মরমদি তরামাথোই স্থবা য়ম-ইচামফম হায়বদি ৫ স্থবা য়ুম ইচা মফমদগী থিরকপদা তরেৎস্থবা য়ুম তায—মরা নত্রগা মতু মফমনি। মরম অসিনা তরামাথোইস্থবা য়ুমদা মঙ্গল লৈরবদি মচা মুপা নত্রগা মচামুপী, মতু নত্রগা মরা কায়নগল্লি। ভৌমদোষকী মরমদা মখাদা ঋষিবচন উৎচরি :—

লগ্নে ব্যয়ে চ পতালে যামিত্রে চাষ্টমে কুজে।
কন্যা হরতি ভর্ত্তারম ভর্ত্তা ভার্য্যাং হনিষ্যতি॥

কনাগুম্বা মুপী নত্রগা মুপাগী লগ্ন হায়বদি অহানবা য়ুম, মরিস্থবা য়ুম, তরেৎস্থবা য়ুম, নিপালস্থবা য়ুম, তরানিথোইস্থবা য়ুমদা মঙ্গল লৈরবদি মুপা ওইরগা মতুগী, মুপী ওইরগা মরাগী অমাংবা থোকহল্লি।

মগুন লৈবা মঙ্গল ওইরবদি অমাংবা থোকহন্দে : —
এবম্বিধে কুজেসংস্থে বিবাহো ন কদাচন।
কার্যো ন গুণবাহুল্যে কুজে বা তাদৃশো দ্বয়ো॥

মগুন লৈবা মঙ্গল ওইরবদি হায়বদি শুভ বর্গ, উচ্চ, মূলত্রিকোন, মশাগী য়ুম, মরুপকী য়ুমদা লৈবা, শুভগ্রহনা য়েংবা, শুভস্থান্দা লৈবা,

কেন্দ্র-কোণপতি ওইবা মঙ্গলদা মিত্রগ্রহ অমসুং শুভগ্রহগী দৃষ্টি লৈবা মঙ্গলনা অসুম্না মগুণ লৈরবদি শুভফল ফংই। কারনবা অমাদ খুদোংথিবা থোকপগী রাফম লৈতে।

যোগনা ভৌম দোষ কোকপা

লগ্নে চতুর্থেচ বাযাষ্টমে নগে বাহঃ শনির্বাপি যদি স্থিতঃ স্যাত। তথা কুজে নৈব কারোতি দোষং বিবাহ কালে প্রবদন্তি গর্গাঃ॥

অহানবা যুম, মরিসুবা যুম, তরেৎসুবা যুম, নিপানসুবা যুম অমসুং ১২সুবা যুমদা শনি নত্রগা রাহু লৈরবদি ভৌমদোষ কোকই, লৌন-লৈনবা য়াই। অমাং-অতা থোকপগী রাফম লৈতে। ভৌম দোষ অসি চন্দ্রনা লৈবা রাশিগী মতুং ইন্না যেংলোই—লগ্ন-রাশিগী মতুং ইন্না য়েংগনি।

বুধগ্রহ

বুধনা মশাগী ওবিতা কুমিৎপু কোইবা অসি চহৈ গ্রহশিংদগী যাম্না হেন্না কুমিৎকা লাপথোক-লাপশিন তৌই। কারিগুম্বা মতমদা কুমিৎকা যাম্না নকনা মাইল ২,৮৫,৮৮০০০ অমসুং খ্বাইদগী লাপ-থোক্লবনা মাইল ৪,৩৩,৬০০০ ফাওবানি। পৃথীগা খ্বাইদগী নক্লবনা ৪,৮০,০০,০০০ লাপনবনা ১৩,৭০,০০,০০০ নি। বুধগ্রহগী চাওবগী ব্যাসনা মাইল লিশিং অহুম্; থাদগী চাওবা খরদানি হেনবা। বুধনা সেকেণ্ড অমদা মাইল ২৯ কাপ্নুনা মশাগী ওবিতো নুমাং ৮৮ দা কুমিৎপু অমুক কোই। জ্যোতিষ তন্ত্রদা বুধগী মমি তাবা অসি মীওই পুক্লিংদা লৌশিংগী নোংথাং ওইনা হেক-হেক থেংনৈ। বনাগুম্না মীওই অমগী জন্ম কুণ্ডলিদা বুধনা কেন্দ্র-কোন্দা লৈরবদি পাইরক লৌশিং অমসুং অঙ্ক ফবা মীওই ওইগনি।

বৃহস্পতি গ্রহ

বৃহস্পতিগী নুমিৎকা লাপ্পবা অসি মাইল করোড় ৪৮ গী লাখ ৩০ নি। নুমিৎপু অমুক কোইবদা নুমিৎ মশিং ৪৩৩২ চংই, অমস্তুং বৃহস্পতিনা পৃথীবু অমুক কোইবদা নুমিৎ মশিং ৪৩৮৩ চংই। বৃহস্পতিনা চাওরবা মশাবু অমুক উংবদা পুং ৯ মিঃ ৫৫ তমক চংই। বৃহস্পতিগী চাওবগী ব্যাস অসি মাইল ৯০২৫৪ নি। পৃথীগুম্বা ১৩০০ গী চাওবা মান্নরবস্তু লুপ্নদি পৃথী ৩১৭ লোমদা লুমই। মসিনা তাকপদি বৃহস্পতি অসি অযাংবা পোৎ (Eliment) শিংনা ওইবনি, ধাতুনচিংবা অরুম্বা পোৎ বযা য়াওদে। বৃহস্পতিগী উপগ্রহ ৯ লৈ। খ্বাইদগী চাওবা উপগ্রহ গেনিমীড (Ganymede) কী ব্যাস ৩৫৫০ নি; বৃহস্পতি গ্রহদগী মাইল ১৫ তমক লাপনা মশাগী ওবিরা কোইবি।

বৃহস্পতি অমস্তুং শনি গ্রহ অনি অসি পানগী গ্রহ (outer planet) হায়বগনি হংনৈ, উরানস, নেপচুন, প্লুটোনচিংবস্তু হংনৈ। অকোনবগী গ্রহ অক্তম অসিগী মমি (প্রভাব) গী মবমদা জ্যোতিষ শাস্ত্রদা নৈনবা যাওদবনা থন্নবরোই। বৃহস্পতি অমস্তুং শনিগ্রহ অনি অসি মশাগী গ্রহপ্রনালী (Planelary system) লৈজবা নুমিৎনা ফাবা থরান মিচাক মচাশিংনি বৃহস্পতিগী বায়ুমণ্ডলদা হায়-ড্রোজেন ৮২% অমস্তুং হীলিয়ম ১৭% চাংদা ফংই। মরম অদুনা তাইবংমীগী প্রাণতম্বনা মপুং ওইবা গ্রহ ওইবনা শুভ গ্রহনি। জ্ঞানগী মঙাল, নুংঙাইবা অমস্তুং শান্তিগী হৌরকফম ওইনা জ্যোতিষ শাস্ত্রনা লৌই।

শুক্র গ্রহ

শুক্র গ্রহ অসি পৃথিবীগী নুং লোমদা লৈবা থাজগী হেক উমথদা খ্বাইদগী নক্কবা যুমলোন্নবনি। শুক্রগা পৃথিবীগা খ্বাইদগী নক্কবা মতমদা মাইল ২,৫৭,০০,০০০ লাপনৈ। নুমিৎকা শুক্রগা লাপ্পবনা মাইল করোড় ৬৮ লোম লাপনৈ। শুক্রগী ব্যাসনা মাইল ৭৬০০ চাওই।

নুমিৎপু অমুক কোইবদা নুমিৎ মশিং ২২৫ চংই অমসুং পৃথীবু অমুক কোইবদা নুমিৎ ৩৬৫ চংই। শুক্রগী বায়ুমণ্ডলদা ৯৭% চাদা কার্বনডায়অক্সাইড লৈ। শুক্র অসি পৃথীগা য়াম্না নক্না তাং ৮-৬-২০০৪ ইংদা নুমিৎকা পৃথীগী মরক্তা লাক্কনি। পৃথীগা মাইল করোড় ২২ রোমদা নকনা লাক্কনি. অদুবু পৃথীগা নুমিৎবা অনিগী কারক্তা লাক্কদবা মরম্না—নুমিৎকী মঙালনা মরম ওইদুনা থোইদোক্না শুক্রগী মরমদা থংবা ঙমলোই।

নুপী ওইবীদা শুক্রনা পিবা মহৈদি বীর্যগী মাওয়োম রজ শক্তিনি। মরম অদুনা নুপী ওইবীগী রজবু শুক্রাণু হায়না থনৈ। নুপা ওইবগী বীর্য শক্তিনা মঙ্গলনা পিবনি। শুক্র গ্রহ অসি নুপী ওইবীগী জন্ম পত্রিকাদা কেন্দ্র-কোন্দা শুভ গৃহপতি ওইনা লৈরবদি থোইদোক-হেন্দোকপী, শক ফজবী নুপী য়াইফবা ওইগনি। ষষ্ঠ, অষ্টম, দ্বাদশতা লৈবা নত্রগা মপু ওইনা, মরি লৈনরবদি ফিভৌগী অনাবনা নাগল্লি। শুক্রনা পাঙ্গল শোক্লবদি মঙম চাদনা অঙাংথাও বেরা লাকপদগী লৌথোক্কল্লি। ঈগী মপু চন্দ্রগা অশুভ শুক্রগা লোইনরবদি অমুক হেন্না খুদোংথিহল্লি।

ফজবা, অরুবা, অহেনবা, থোং-নৌবা, কলা বিদ্যা পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইবা শুক্র গ্রহনি। সংসারিক মায়া শক্তিনি। জগতপু পোকপিবা-য়োকপিবা স্ত্রী শক্তিনি। অকুপ্পা জ্ঞান-বিজ্ঞানগী লংলা লংজিনসু শুক্র মহাক্নি।

শনি গ্রহ

বৃহস্পতিগী হেক ঙমথংদা শনিগী ওর্বিট লৈ জ্যোতিষ শাস্ত্রদা ফল পিবা ভন্না খুইদগী লাপ্পা অরোইবা গ্রহ অসি শনিনি। শনিনা নুমিৎপু অমুক কোইবদা নুমিৎ ১০,৭৫৯ চংই হায়রবদি চহি ৩০ চংই। চাওবসু বৃহস্পতিগী মথংদা শনি গ্রহনা। শনিগী অকোইংবদা অপাকপা খুজি (ring) অমা লৈ মাইল ৫০ রোম থায়

অমসুং শনি মশাগী ব্যাস অনিমুক চাওই। সুমিৎ কা শনিগা মাইল ক্রোড় ৮৮ লাখ ৬২ লাপনৈ। বৃহস্পতিদগী শনিনা অমুক হেন্না য়াংবা হেল্লি। শনিগ্রহ পৃথ্বীগী ব্যাসতগী শরুক ৯ হেন্না চাওই; পৃথ্বী ৭১৯গা চাওবা মায়গনি। মশা অমুক উংবদা পুং ১০ মিঃ ৫৫ চংই। মশাগী উপগ্রহ ১০ লৈ। বৃহস্পতিগুম্না শনিসু অয়াংবা (Eliment) পোৎশিংনা ওইবনি। শনিগী ডেনশিটি (Density) ঈশংদগী হেন্না পাই। মশাগী বলয় তরেৎ হায়বাদ করেন্টকী কুয়োম ৭ লৈ।

জ্যোতিষ তত্ত্বদা শনিগ্রহগী মিওইবদা তাবা মমি অসি— অমঙ্গল অন্নাবা-অনাবা পীবা গ্রহ ওইনা তৌই। শনি ষষ্ঠ-অষ্টম-দ্বাদশপতি ওইরগা চন্দ্রদা দৃষ্টি তৌরবদি মীওই অদু Low B. P. লৈগল্লি অমদি তুংদা শাথগাল্লি। শনিনা ৭ সুবা ১০ সুবা য়ুমদা লৈরবদি থৌ-রা শাগন্দে বৃশ্চি-রাশি তৌগল্লি। শনিগী দশা লাকপদা মতু মচাদনা হেন্না তাইনগাল্ল।

নবগ্রহগী মখো নৈনবা

"জীবানাংকর্ম্ম ফলদো গ্রহরূপী জনার্দ্দন" ইতি পরাপব। রবি, চন্দ্র, মঙ্গল, বুধ, বৃহস্পতি, শুক্র অমসুং শনি মিৎনা উবা গ্রহশিংনি; রাহু অমসুং কেতু মিৎনা উদবা পৃথ্বীগী থক-থাদা লৈবা বিজুলীগী বললম্বুনি। সাধারন ওইনা চন্দ্রগ্রহনদা উরিবা থাদা তাবা পৃথ্বীগী মমিবু রাহু হায়না থংনৈ অমসুং সূর্য্যগ্রহনদা সুমিৎকা পৃথ্বীগী মরক্তা থানা লাক্তুনা সুমিৎপু খুমজিন্দুনা মমবা অদুবু কেতু হায়না থংনৈ। ফল পিবগী শক্তি গ্রহ মাপলদদা লৈ, রাশি, য়ুম, নক্ষত্র-চিংবশিং অসি গ্রহশিংদা মখোই হাপ্পথক্তনি।

বর্ণাধিপ গ্রহ : শুক্র বৃহস্পতি ব্রাহ্মন; মঙ্গল রবি ক্ষেত্রিয়; চন্দ্র-বুধ; বৈশ্য; শনি-শূদ্র, রাহু-যবন, কেতু ম্লেচ্ছ জাতিবু থংনৈ।

পোৎ মাংবা মতাংদা প্রশ্ন-লগ্নপতি অমসুং বলী গ্রহগী মতুং ইন্না তুন্নানবা মী করম্বা জাতিনো হায়বা লেপকনি ।

গ্রহনা পিবা কুচু ঃ রবি-ঈ থাংনা মুবা, চন্দ্র-তায়না ভৌবা, মঙ্গল ঃ ঙাংনা ভৌবা, বুধ-শংনাং-ইংনা মুবা, বৃহস্পতি নাপুশানা ভৌবা, শুক্র-কুচু শেংনা মুদং তাবা, শনি-বাংচ কুচ মুবা, কেতু-মুনা বাওবা । মপাঙ্গল লৈনা লগ্নদা লৈবা গ্রহ, লগ্নবু য়েংবা গ্রহ, নত্রগা চন্দ্রনা লৈবা নবাংশপতিগী মতুং ইন্না কুচ লৌই ।

মহাও মপু গ্রহ ঃ রবি অশাবা, চন্দ—অয়াকপা, মঙ্গল অমসুং রাহু অথাবা, বুধ-মযান তুনান, বৃহস্পতি অথুম্বা, শুক্র-ওইনবা, শনি-রাহু কেতু অফকপা—অথাবগী মপুনি । লগ্নদা লৈবা পাঙ্গল লৈবা গ্রহ, লগ্নবু য়েংবা গ্রহ, অনিশুবা যুম, মরিস্নবা যুমদা লৈবা গ্রহশিংগী মতুং ইন্না মী-মীগী মহাও-পাম্বা লেপকনি শনি, মঙ্গল, রাহু গ্রহ অহুম অাসগী মতুংদা গ্রহ অমা লগ্নদা লৈনা, অনিশুবা যুম অমসুং মরিস্নবা যুমদসু পাপ গ্রহ লৈবর্দি মু, অাফংগা, ংঙ্গা, চরসনচিংবা নিশা পামগাল্লি ।

হকচাংদা লৈবা ধাতু মপু ঃ রবি-শরু, চন্দ্র-ঈ, মঙ্গল-মজ্জা (শরু মনুংদা যাওবা থাউ) বুধ উনশা, বৃহস্পতি শদোং-মহাও, শুক্র—শুক্রসার (মহীরেন) শনি-শিংলগী মপুনি । থোইদোক্লা পোকপা মতমদা ৬, ৮ সুবা য়ুমদা লৈবা গ্রহ অমদি ৬, ৮ সুবা যুমবুগী মতুং ইন্না মীওই খুদংদা চক্রি লৈগল্লি ।

গ্রহশিংনা পিবা মফম ঃ রবি-লাইফম, চন্দ্র-ইশিং মপাল, ইশিং; মঙ্গল-খুৎলাই থমফ-শাফম অমসুং মৈফম; বুধ—শান্নবুং, শান্নবগী ওফিস, বৃহস্পতি লনগৈ, বেঙ্ক; শুক্র তুফম কা-ফমুং; ইমুং-মন্নুংগী কোচিন-কায়া; কেতু-রেনখা লুখা । দশাগী মতুং ইন্না অমদ পাঙ্গল লৈবা গ্রহগী মতুং ইন্না অঙাং উন্নফম অমদি মাংখিবা পোৎকী লৈফম লেপকনি ।

নুপা-নুপী তাকপা গ্রহ ঃ রবি-মঙ্গল বৃহস্পতি নুপা থংনবা; চন্দ্র-শুক্র-নুপী থংনবা, বুধ অমসুং শনি নপুংসক থংনবা গ্রহনি । হিরম ঃ কোষ্ঠিগী লগ্নদগী থিবদা মঙাস্নবা যুমদা নুপা থংনবা গ্রহনা

য়েংবা নত্রগা লৈরগনা মুপানা হেন্না পোকই। প্রশ্ন লগ্নগী দ্রেক্কান মপুগী মতুং ইন্না হুরানবা মশক ন্নপা নত্রগা মুপী লেপকনি।

মচুমপু গ্রহ ঃ রবি কোরি মচু, চন্দ্র-অঙৌবা, বুধ নাপী মচু বৃহস্পতি নাপু অয়াকপী, শুক্র-তায়না ঙৌবা, মঙ্গল-ঈ মচু অয়াকপী শনি-রাহু-অমুবা, কেতু-মৈখু মচু, প্রশ্ন লগ্নদা লৈবা পাঙ্গল হেনবা গ্রহগী মতুং ইন্না মাংখিবা পোৎকী মচু লেপকনি।

গ্রহনা তাকপা চহি মতাং ঃ বুধ অপাং, মঙ্গল-পাথং, চন্দ্র শুক্র মযাই চনব মীওই, রবি বৃহস্পতি, শনি, রাহু-হন্নবা খংনবা গ্রহশিংনি। হিরম ঃ হুরানবগী হংবদা প্রশ্ন-লগ্নপতিগী মতু ইন্না চহি মতাং লেপকনি।

ধাতু মপু গ্রহ ঃ রবি-কোরি; চন্দ্র-লুপা; মঙ্গল-সনা; বুধ পিথাই সেঙ্গেং; বৃহস্পতি-সনা অমসুং লুপা; শুক্র লুপা মুক্তা, শনি য়োৎ, রাহু মিংশেল লাকল, কেতু নীলমনি। হিরম ঃ পোৎ মাংবগী প্রশ্ন-লগ খন্নবদা উপচয়দা লৈবা পাঙ্গলবা গ্রহগী দশা মতাং ওইরবদ মাংখিবা পোৎ ফংই। মথক্তা হায়রবা মতুং ইন্না ধাতু মশক পোৎ মশক লেপকনি। বনাওম্বা মীওইগী ললোন মপুগী কারক গ্রহ অমসুং ললোনমপু হাশবদি ৭ সুবা য়ুমবুনা উপচয়স্থান্দা পাঙ্গল কন্না লৈরবদি গ্রহগা মরি লৈনবা ধাতু অমদি পোৎ ললোনবদা শেন ফংই। অনুপচয়দা লৈবা মপাঙ্গল শোনবা গ্রহগী দশা মতাংদা ললোনবা পোৎ অমদি শেন মাংই।

মাইগৈ মপু গ্রহ ঃ রবি-নোংপোক, শুক্র-মৈরম, মঙ্গল-মখা মাইগৈ, রাহু ঃ মোইরাং লাহাঞ্জ, শনি-নোংচুপ, চন্দ্র ঃ কৌব্রুলাইহি, বৃহস্পতি অরাং, বুধ চিংথৈ মাইগৈ মপুনি। হিরম ঃ প্রশ্ন লগ্নগী ১২ সুবা য়ুমবু অমসুং ৭ সুবা য়ুমবু গ্রহগী মতুং ইন্না লংফৈ অরাপ্পা চৎপা অমসুং লাপতক তৌবা চৎপগী মাইগৈগী মরমদা লৈনগনি অমসুং তৃতীয়পতিনা অনকপা চৎপদা খন্নগনি। জন্ম লগ্নগী ধনস্থান, ধনস্থান্দা লৈবা হায়রবদ অনিসুবা য়ুমদা লৈবা, ধনপতি অমসুং কর্মপতি গ্রহগী মতু ইন্না শেন তানবা অমসুং থবক ফংবগী মাইগৈ লেপকনি।

প্লব সংজ্ঞা ঃ রাশি খুদিংগী মনুং গ্রহগী মতুং ইন্না তাকপা মাইগৈ অতুবু রাশি অদুগী প্লবসংজ্ঞা মাইগৈ কৌই। **হিরমদি ঃ** পোৎ মাংখিবা হংবা মতমদা প্রশ্ন-লগ্নগী মতুং ইন্না মাইগৈ কদোমদা হুরানবা চৎখি হানবা লেপকনি। মকর অমসুং কুম্ভলগ্নদা পোকপা মীওইগীদি নোংচুপ মাইগৈ বরাবর ফৈ।

অসুব-ফবা গ্রহ ঃ চন্দ্র, বুধ, শুক্র অমসুং বৃহস্পতি অফবা গ্রহ কৌই। মঙাল লৈনবা চন্দ্র, পাপগ্রহগা লোমিন্নবা বুধ রবি, মঙ্গল, শনি, রাহু অমসুং কেতু পাপগ্রহ কৌই। পোকপা মতমদা শুভ গ্রহশিংনা পাঙ্গল লৈনা কেন্দ্র কোন্দা লৈরবদি অদুগুম্বা মীওই অদু অফবা, নুংঙাই য়াইফবা, শাইনা য়াবা মী অমা ওইগনি। পাপগ্রহশিংনা পাঙ্গল কল্লবদি মরুওইনা পাপকী থবক্তা ওনশিন্গ মপুক্সিদা শান্তি তাই।

গ্রহশিংনা হৈনবা মফম ঃ চন্দ্র-শুক্র ইশিংগা মরি লৈনবা থবক বৃহস্পতি অমসুং বুধ শিক্ষাগা অমসুং সহরগা মরি লৈনবা থবক, রবি-চাংগ নংঙ্গলগা মরি লৈনবা, মঙ্গল ঃ থুনগং অমসুং লৌউ শিংউগী থবক, শনি, রাহু অমসুং কেতু খোনিনচিংবা, তরুবা থাংবা অমসুং জুগোৎ চাদবা মফমদা থবক তৌগনি। পোকপা মতমদা চন্দ্র অমসুং শুক্রনা পাঙ্গল লৈনা মফম চানা লৈরবদি অমসুং শেক্সপিও অমসুং কারবার পিবা গ্রহ ওইরবদি মুক্তা, মোইবুং, ডা, হৈবক অমদি ইশিংদগী যংব পোৎ খুদিংমক কারবার তৌবদা শেন পাইবা মী অমা ওইবা ঙম্মী। বুধ অমসুং বৃহস্পতি গ্রহ তান চান্নরবদি সহরদা থোকপা পোৎথোক ফংলোনবদা কান্নবা যংই। মঙ্গল গ্রহনা ফরবদি অমসুং লন অমদি কারবার পিবা গ্রহ ওইরবদি খুঙ্গংদা থোকপা পোৎথোক লৌউ শিংউগী পোৎথোক কারবার তৌবা পক্লে। রবিনা জঙ্গলগী পোৎথোক, শনি, রাহু, কেতুনা ফরবদি খোনিংগী পোৎথোক তৌরগা শেন পাইবা মী অমা ওইবা ঙমগনি।

গ্রহদোষ কেʼকুবা হুংপবপʼ : রবি-মানিক, চন্দ্র-মুক্তা, মঙ্গল-প্রবাল, বুধ পন্না, বৃহষ্পতি-পুষ্পরাগমনি, শুক্র-হীরা, শনি-ইন্দ্রনীলমনি, রাহু-গোমেদ (মাপী চাবা শক্তীমচু) কেতু-বৈদুর্য মনি, (অমুবদা নাপু চংবা মচু)।

ফিনপু গ্রহ : রবি-লং অাপৈবনা শাবা ফি ; চন্দ্র ফি অঙৌবা অনানবা ; মঙ্গল-ঈমচুগী ফি, বুধ-ফি অচোংবা, বৃহষ্পতি-মতম থল্লা শিঙ্গিয়ক্কবা ফি, শুক্র ফি অফবা-অবনবা, শনি-ফি অমনবা, রাহু-ফিশেংগাইবা অফোংবা, কেতু কান্থগী মপুনি। কুবানবা মীনা শেংপা ফি অমসুং দগুমপু গ্রহগী মতুং-ইন চাবোবপীনা শেংপা ফি মথল লেপবনি।

বোক-নগন্না থোকপা গ্রহ : রবি মঙ্গল রাহু অমসুং শনি নংগন্না থোকই মরম অাসিদগী নংগন থোকপা গ্রহ হায়না খʼনৈ। চন্দ্র-শুক্র বুধ কোকালান্না থোকই। অদুনা বোক্কা থোকপা গ্রহ হায়না খʼনৈ। বৃহষ্পতি গ্রহদি নংগনসু বোকনসু থোকনিংবতা থোকই। মরম কবিগুনা খবক অমা হৌদদা হৌবগী পুংফম লগ্ন অদুদা অমসুং কেন্দ্র ফʼন্দা বোক্কা থোকপা গ্রহশিং লৈরবদি লোগদোরিবা খবক অদু শাইদনা মাঘ পাকই। অনিমক থোকপা গ্রহ গুরু ওইবগনা য়াম্নবা মহৈ ফংই অমসুং নংগন্না থোকপা গ্রহ ওইবগনা অরেংদা মাই।

মবেক যাওদবা অকংবা গ্রহ : রবি, মঙ্গল, শনি অকংবা গ্রহ কৌই। চন্দ্র-শুক্র অচোংপা গ্রহ কৌই। বুধ অমসুং বৃহষ্পতিনা ইশিংগী রাশিদা লৈরবদি অচোংপা গ্রহ কৌই। অকংবা গ্রহগী দশাদা রাং কই অমসুং অচোংপা গ্রহগী দশাদনা হৃবচাং নোহই পেল্লি।

মতম মপু গ্রহ : সুমিং-থা ৬, থাজ- মিংকুপ অমা, লৈপাক-পোকপা-নোংমা, বুধ ঋতু অমা হাযবদি থা ২, শগোনশেন থা অমা, ঈবাই-থাবাই অমা, থাংজ-চহি অমা, শাকোক-থা ৮ শামৈ থা ওগী

মপুনি। থবক ফবা, থবক মাংপাকপা মরমদা প্রশ্নলগ্নগী নবাংশপতি গ্রহ প্রশ্ন লগ্ন অতুগী অহানবা নবাংশতগী মশিং থিবদা প্রশ্নলগ্নগী নবাংশপতিনা লৈবা অতুগী মনাদা লৈবা গ্রহশিংগী মতম অতু পুম্না তিনশিলগা মতম লেপকনি। মী মশাগী দশা মপুং অমসুং অন্তর্দশাপতিনা ফবর্দ নবাংশপতিনা পিবা মতমগী মতুংইন্না থবক মাযপাক্কনি।

আম্মা কাবকনচিংবা গ্রহ: রবি-থরাই-হকচাং; চন্দ্র: পুক্কিং; মঙ্গল: সুপা থোকপা, বীজ, তশাওবা; শনি তনবা, শাংবা মাবল খাবা; বুধ-রাহৈ-রাহা, বুদ্ধি-লৌশিং; বৃহস্পতি-জ্ঞান অমসুং সুংডাইবা পেনবা; শুক্র ইরাং, নুপী ওইবীগী শক্তি সংসারগী নুংঙাইবা: শনি:- অবাবা, পোংলুম পুবা, থাদোকপা-বৎথোকপা, রারোইদবা; রাত-নাপল, মতিব-ময়াই উংপা, মাইথো, খোইদো অমসুং খোংখা; কেতু কোক্কী শম।

নিংথৌ-মন্ত্রী-গ্রহ: সূমিৎ, থাজ নিংথৌ; লৈপাকপোকপা সেনাপতি, থুমশরেশ: যুবরাজ শাগোলশেন অমসুং ইরাই-মন্ত্রী শনি-মিনাই, রাহু কেতু-খোংমী-লানমী। মরম পোকপা মতমদা কোরৌনা অফবা ফিভমদা লৈববদি থরাই-হকচাং মপুং ফাই। সরকার অমসুং অচৌ অশাংনা মরম ওইতুনা থবক মায পাক্কনি। থাজনা ফিভম ফাবদি অমসুং অফবা যুমদা লৈরবদি পুক্কং মপাঙ্গল লৈ অফবা থবক্তা মাই ওনশিল্লি, অচৌবনা চংল্লি। লগ্নদগী থিরকপা য়ুম ১২গী মনুদা চন্দ্রনা লৈব, যুমগী ৭ সুবদা চন্দ্রগী পুর্ণদৃষ্টি লৈবা মরম্না যুম অতুগী মচৈগী মরমদা মপুকনিংদা করাবর চিন্তা তৌই। শনিগীদি তোপ তোঙ্গী-হাযবদ অন্নপাচদা লৈরবদি মিনাই ওই অমসুং উপ-চযস্থা দা লৈবনা মিনাই ওইবা কোকই।

গ্রহশিংগী শক্তম অমসুং পাঙ্গল

(জ্যোতির্বিদগী মতুং ইন্না)

সূমিৎনা পিবা শক্তম: চুং ফিরাল চাই, মিৎ নাপু থরকাই, মিৎতা ফকৈ পাঙ্গল কল্লি, লমচৎ হোংগনদে, কুচু জাংনা

মুই, শম খোইগল্লি, শকনাইবা ওইগল্লি, ইতোন চেনগনলি, শরু চাওই, চীং-লেম্মী, ফিভম চেৎলি, হকচাং-কায়াৎ ফজ্জে, লৈ-মচুগী ফিরোল পামগল্লি। তুমিন্না লৈবা হৈতে।

খাজগী শক্তম: ইংই-তন্নী, মিৎ ইংনা ফজ্জে, য়া লিক্কা ভাংই, কুচু ভৌই, হকচাং পাই, কুইনা মথোক কাহ্নুনা লৈ, শমলাং লংনা মুনা ফজ্জে, জ্ঞান লৈ, লমচৎ—থোৎলি; অফবা অশেংবা রাখল থল্লি, শন্দম ইংনা ফজ্জে, লোক চেনগল্লি, নুপীগা লোইনহুনতা লৈনিংই, থৌজাল হৈ, ঈ চেল্লি, মরুপনা চাল্লি, চৎকল্লি, ফিভৌ শেৎপা পাম্মী।

লৈপাকপোকপগী শক্তম: নংগন পোনগল্লি, মিৎ নাপু খর কাই, ফিভম চেৎলি, কুচু লংই, ক্ষবাং কল্লি, শরু মনুংগী থাও মরাং কাইগল্লি, ফিভাং শেৎপা পাম্মী, হৈ-শিংই, পাঙ্গল কল্লি, হিংসা পামই, রাভাং নাথৈ শেংগনদে, শম খোইগল্লি, কুইনা নহা ওইগল্লি, ইতোন চেল্লি, পুকচেল ফত্তে-পিকই, শাওগল্লি, থৌনা লৈ, য়েরুবা লারুগল্লি, কুচু ভাংনা ভৌই।

য়ুমবৈশগী শক্তম: রাহৈ মেংই, কুচু শংনা মুনা ইংই, উনশা থোৎ নৌই, পুকচেল চাওই, রাহৈ রাতা নাথৈ শেংই, নোইগল্লি, তোল-লোক চেনগল্লি, হরাওগল্লি, য়াইমরপ ওইনা শক ফজগল্লি, পাইরক লৌশিং য়াম্না লৈ, হৈশিংই, ফিভম চেৎলি, মতৌ তম্বা য়াম্না হৈগল্লি, মিৎনৈ ভাংগল্লি, অনৌ অনৌবা শেৎপা-ইনবা অকে-অশৌ পামই, ফি অশংবানচিংবা পামগল্লি

শগোনশেনগী শক্তম: মিৎমৈ নাপু কাগল্লি, তাবা য়াম্না হৈ, রাহৈ-খোনফম চীং-লেম্মী, অথম্বা মী অমা ওই, লমচৎ-লেংদে, অফবা-অচুম্বা গুণ চেল্লি, তরু তনাল্লি, কুচু ভৌই, থবাক পাকই, চাওই, ধর্ম্ম, অফবা রাখল চেল্লি, নো-লুকই, হৈশিংই, রাখল, হনুই অরাংবদা লৈবা পাম্মী, ভাকপীহৈ, ফি নাপু পামগল্লি, তোন-লোক চেনগল্লি।

ঈরাই শক্তম : নিংথিজৈ ফজৈ, পান্থোম শাংই, খুবোম ফজৈ, মাইথোং ফজৈ, ফঙ্গী মরাং কায নংগী ওইরগনা ইরাং কল্লি, ভাকপী হৈ, মতিক-ময়াই য়াম্না লৈ, কুচ মুনা ফজৈ, শমদা ফজৈ, যোগী গী পুকচেল চেল্লি, শক য়াম্না ফজগল্লি, মমল যাম্বা ফিরোল শেং- কল্লি। রজোগুন চেল্লি, ইরাং কল্লি, শান্নবা, ঈশৈ-জগোই হৈ শিংই, বুদ্ধি-লৌশিং কৈ, নোই-পেল্লি, মিৎতা ফজৈ, বিজ্ঞান অমসুং কলাবিদ্যাদা হৈ শিংই। তে'ন-লোক নংশিং চে'ল্লি।

শনিগী শক্তম : খাং কংনা রাংই, কুচ মুই, মিৎ অরংবা কাই, শিংলি চাওই, তনগল্লি, নংশিৎ য়াম্না চেনগল্লি, নমথাক- লৌনম তৌগল্লি, কলক-মিহো চাওই, পংই, শনি অশোনবা ওইরগা শিংলিদা অনাবা লৈ, খুজিন চাওই, পাকই, য়া চোই, অমাং- অশেং নাইদে, মিমুংশি খ দে, রাশক চেৎলি, কুচু মকই, পুকচেল পাংদে শাগল্লি, ফি অমুবা পান্মী, হন্নবগী রাখল চেল্লি।

রাহু কেতুগী শক্তম : কুচু শংনা মুই; হকচাং চাওগল্লি। চীং- মাল জঙ্গলদা হৈনগল্লি, শক্তম অকিবগী মশক ওই, নুংশিৎ চেনগল্লি, অরেংঅথিন তৌগল্লি।

শক্তম অমদি কুচু লেপ্পা : লগ্নগী নবাংশপতি গ্রহ নত্রগা পোকপা মতমদা থাইদগী পাঙ্গল লৈবা গ্রহ নত্রগা লগ্ন রাশিগী শক্তম লৌগল্লি। পোকপা মতমদা থাজনা অতুগুম্বা গ্রহগী নবাংশতা লৈ-নবাংশপতি গহ অতুগী মতুংইন্না মী মহাক্কী শক্তম লৌই। অয়াম্বা মতমদা লগ্নপতি, লগ্ন-রাশি অমসুং লগ্ন-নবাংশপতি গ্রহগী শক্তম লৌগল্লি। থাজ মুমিৎ, শগোনশেন সত্বগুণ চেল্লি, যুমশকৈশ, ইরাই রজোগুন চেল্লি, লৈপাকপোকপা, থাংজ তমোগুন চেল্লি। মুমিংনা লৈবা ত্রিশাংশ গ্রহগী মতুং ইন্না মী মহাক্কা গুন চেল্লি।

গ্রহশিংগী দৃষ্টি : গ্রহ পুম্নমক মানা মানা লৈবা রাশিদগী অক্তম, তরা, শনি গ্রহ নত্তনা পাদ অমগী দৃষ্টী য়েংই; শগোলশেন নত্তনা গ্রহ পুম্নমক মাপলম্বা য়ুমদা পাদ অনি গী দৃষ্টি তৌই;

লৈপাকশোকপা নত্তনা গ্রহ পুন্নমক ম'না-মানা লৈবা য়ুমদগী মরি-স্থবা য়ুমদা পাদ অহুম য়েংই। শগোনশেন্না মপুংফাবা মিৎয়েংদা মঙা, তরেৎ অমস্থং মাপলস্থবা য়ুমদা য়েংই। লৈপাকপোকপনা মানা লৈবা য়ুমদগী মরি, তরেৎ অমস্থং নিপালস্থবা য়ুমদা মপুংফাবা মিৎয়েংনা য়েংই। শনিনা মানা লৈবা য়ুমদগী অহুম, তরেৎ অমস্থং তরাস্থবা য়ুমদা মপুংফানা য়েংই। রাহুনা মানা লৈবা য়ুমদগী মঙা, তরেৎ, মাপল ১২ স্থবা য়ুমদা মপুংফানা য়েংই। গ্রহশিংগী দৃষ্টীগী ফলগী মরমদা ত্রিপাদনচিংবা দৃষ্টিগী মহৈ খোইনা ফংবা উদে, মরম অতুনা পুর্নদৃষ্টিদা লৌখৎলগা নৈনগনি।

গ্রহশিংগী হৈনবী মিৎয়েং: সুমিৎ চমনা য়েংগল্লি; লৈপাকপোকপা—সুপা ওইরগনা ইরাংকনবগী মিৎয়েং য়েংই; সুপী ওইরগনা চমনা য়েংই; ঈরাই: মিৎচিনা য়েংগল্লি সুপী ওইরগনা ইরাংনা থনবা মিৎচিনা য়েং। য়ুমশকৈশ—মিৎচিনা য়েংই। থাংজ অমস্থং শগোনশেন—মরৌলৈন ফৈজৈ য়েংই। শনি অমস্থং রাহু—লুরাক্না য়েংই। গ্রহগী মতুং ইন্না মী মহাক-মহাক্কী মিৎয়েং লেপকনি।

মপাঙ্গল মাংবা গ্রহ: পাপ গ্রহনা যেংবা, পাপগ্রহ অনিনা চপ্পা গ্রহ অমস্থং পাপগ্রহগা লৈমিন্নবা গ্রহ মপাঙ্গল মাংবা গ্রহ কৌই। সুমিৎ অমস্থং থাজ বাহগা লৈমিন্নরবদি পাঙ্গল লৈতবা গ্রহ কৌই। মঙাল লৈতবা গ্রহবুস্থ অমাংবা গ্রহ কৌই। গ্রহলান্দা মাইথিবা গ্রহবু অমাংবা গ্রহ কৌই। সুমিৎকী মঙালনা কুপ্পা গ্রহবু অমমবা গ্রহ কৌই। পাপ গ্রহগা লোইননা নবাংশ অমদা লৈমিন্নবা গ্রহবু পাপনা লাক্লবা (ক্রূরাক্রান্ত) গ্রহ কৌই। হায়রিবা গ্রহশিং অসিগী ফল অয়াম্বা মতবদা ফত্তবা ফল পিগল্লি।

গ্রহশিংগী শক্তিগী পনখৎ

সুমিৎ	মাংদা ডিগ্রি $7\frac{1}{2}°$	+	তুংদা ডিগ্রি $7\frac{1}{2}°$	$= 15°$
থাজ	মাংদা ডিগ্রি $6°$	+	তুংদা ডিগ্রি $6°$	$= 12°$

লৈপাকপোকপা	মাংদা	ডিগ্রি	4°	+	তুংদা	ডিগ্রি	$4^{\circ}...8^{\circ}$
য়ুমশকৈশ	,,	,,	$3\frac{1}{2}^{\circ}$	+	,,	,,	$3\frac{1}{2}^{\circ}...7^{\circ}$
শগোনশেন	,,	,,	$4\frac{1}{2}^{\circ}$	+	,,	,,	$4\frac{1}{2}^{\circ}...9^{\circ}$
ঈরাই	,,	,,	$3\frac{1}{2}^{\circ}$	+	,,	,,	$3\frac{1}{2}^{\circ}$ 7°
থাংজ	,,	,,	$4\frac{1}{2}^{\circ}$	+	,,	,,	$4\frac{1}{2}^{\circ}...9^{\circ}$

গ্রহশিংগী ফিভম লেপ্পা : মিৎ-না শিংনা লৈবা গ্রহ—বিষম রাশিগী অহানবা দ্রেক্কান দা লৈবা গ্রহবু জাগ্রত অবস্থাদা লৈবা গ্রহ কৌই ; অনিস্থুবা দ্রেক্কান-দা লৈবনা স্বপ্নাবস্থা কৌই অমসুং অহুমস্থুবা দ্রেক্কান্দা লৈবনা সুষুপ্তাবস্থা কৌই ।

সম রাশিগী অহানবা দ্রেকান্দা লৈবা গ্রহনা সুষুপ্তাবস্থা, অনিস্থুবা দ্রেকান্দা লৈবনা স্বপ্নাবস্থা অমসুং অহুমস্থুবা দ্রেকান্দা লৈবনা জাগ্রতাবস্থা কৌই ।

ফল : জাগ্রতাবস্থা দ লৈবা গ্রহগী ফলদি—থবক মায় পাকই, মঙ্গল ওইহল্লি । স্বপ্নাবস্থাদা লৈবা গ্রহগী ফলনা য়াইমরপ ওইনা অফবা মহৈ পিগল্লি । সুষুপ্তাবস্থাদা লৈবা গ্রহগী ফলদি মহৈ মাংহল্লি ।

চহি মতাং মঙা : করিগুম্বা রাশি অমগী ডিগ্রী ১° দগী ডিগ্রী ৬° ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রহবু "অঙাং" কৌই । ৭° তগী ১২° ফাওবদা লৈবা গ্রহবু কুমার কৌই । ডিগ্রী° (অংশ) ১৩° দগী ডিগ্রী ১৮° (অংশ) ফাওবদা লৈবা গ্রহবু "পাথং" কৌই । কৌই । ডিগ্রী ১৯° দগী ২৪° ফাওবা লৈবা গ্রহবু "হনুবা" কৌই । ডিগ্রী ২৫ দগী ডিগ্রী ৩০° ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রহবু "অশিবা" কৌই ।

ফল : অঙাং : অফবা থরা ফংহল্লি । কুমার : মহৈ তংখাই অমা ফংহল্লি । "পাথং"—অফবা ফল মপুং ফানা ফংহল্লি । "হনুবা"—অফ-ফত্তবা মহৈ পিগল্লি । "অশিবা" গ্রহনা অৱা-অনা পিগল্লি ।

গ্রহশিংগী ফিভম তরুক : ইকাইথিবা, নাপল চাওবা, অরাম্বা, খৌরাংবা, হরাওবা, অশাওবানচিংবা গ্রহশিংগী ফিভম তরুক লৈ ।

১। লগ্নদগী থিবদা মঙাস্নুবা যুমদা পাপ গ্রহগা লোইননা লৈবা গ্রহবু "ইকাইথিবা" গ্রহ কৌই।

২। নাপলচাওবা : মূলত্রিকোন অমসুং উচ্চস্থান্দা লৈবা গ্রহবু "নাপলচাওবা" গ্রহ কৌই।

৩। অরাম্বা: য়েক্লবগী যুমদা লৈবা গ্রহ, য়েক্লবনা য়েংবা গ্রহ অমসুং শনিগা লৈমিন্নবা গ্রহবু "অরাম্বা গ্রহ" কৌই।

৪। খোৱাংবা : অফবা গ্রহনা যেংদবা, য়েক্লবা গ্রহনা যেংবা ইশিংগী রাশিদা লৈবা গ্রহবু "খোৱাংবা" গ্রহ কৌই।

৫। হৱাওবা : মরুপকী যুমদা লৈবা গ্রহ, মরুপ ওইবা গ্রহগা লৈমিন্নবা অমদি য়েংলকপা অমসুং বৃহস্পতিনা য়েংবা গ্রহবু "হৱাওবা" গ্রহ কৌই।

৬। অশাওবা : নুমিৎবা লৈমিন্নবা, পাপ গ্রহনা য়েংবা, অমসুং যেক্লবা গ্রহনা য়েংববু "অশাওবা" গ্রহ কৌই।

মহৈ : অতুগুম্বা যুম অতুদা "অরাম্বা" 'অশাওবা' গ্রহ লৈব-বদি যুম অতুগী অফবা মহৈপুম্বা মাংহল্লি। থবক মফম হায়বদি ভবাম্নবা যুমদা 'ইকাইথিবা' 'অরাম্বা' 'খোৱাংবা' 'অশাওবা' অসি-নচিংবগী মনুংদা গ্রহ অমা লৈরবদি 'থবক' মাংহল্লি, অৱাবা অমসুং মিৱা তাগল্লি। ইচা মফম হায়বদি মঙাস্নুবা যুমদা 'ইকাইথিবা' গ্রহ লৈরবদি অঙাং অমদগী হেন্না হিংগদে। তরেৎস্নুবা নুপী মফম-দা 'খোৱাংবা' 'অশাওবা' লৈরবদি নুপী থাইনগল্লি নত্রগা শিগল্লি অমদি ইরাং কল্লি।

অরংবা মঙাল লৈবা গ্রহ : উচ্চদা লৈবা গ্রহ অরংবা, মসাগী যুমদা লৈবা গ্রহ মশাফবা, য়াম্না চাম্নবা মরুপকী যুমদা লৈবা গ্রহ মোন্দা নুংঙাইবা, মকপকী যুমদা লৈবা গ্রহ অংংবা-অতপ্পা, নীচ-স্থান্দা লৈবা গ্রহ—অতোনবা, যেক্লবগী যুমদা লৈবা গ্রহ যান্না ৱাবা, পাপ গ্রহগা লোইনবা গ্রহ—চাকপা-লাংঙকনবা, অফশাবা গ্রহগী যুমদা লৈবনা—নমথাক অমসুং নুমিৎকা লৈমিন্নবা গ্রহনা অশাওবা গ্রহকৌই।

[illegible] ... অমান [illegible] ... ৮, ১২ [illegible] ...

[illegible] ... মঙ্গল [illegible] ...

মিত্র ও শত্রু [illegible] রবি, চন্দ্র, [illegible] শনি [illegible] বুধ [illegible] মঙ্গল, [illegible] বৃহস্পতি [illegible] রবি, চন্দ্র, [illegible] শনি, [illegible] বুধ, শুক্র [illegible] শুক্র [illegible] বুধ, [illegible] মঙ্গল, [illegible] বৃহস্পতি [illegible] রবি, চন্দ্র, [illegible] বুধ, শুক্র [illegible] বৃহস্পতি, যেরূপ [illegible] রবি, চন্দ্র, মঙ্গল [illegible] শুক্র, শনি, [illegible] বুধ, বৃহস্পতি [illegible]; যেরূপ [illegible] —

রবি, চন্দ্র, মঙ্গল [illegible] — রবি, চন্দ্র, মঙ্গল : সম [illegible] বুধ, বৃহস্পতি [illegible] শুক্র [illegible] শনি [illegible] গ্রহ — [illegible] রাশি [illegible] হুংডাইলরা মথানা চক্র উত্তরিল :—

[illegible] চক্র

	রবি	চন্দ্র	মঙ্গল	বুধ	বৃহ	শুক্র	শনি	রাহু	কেতু
[illegible]	চ [illegible] বৃ	বু [illegible]	[illegible] চ বৃ	[illegible]	[illegible]	বু [illegible]	বু শ	শু [illegible]	[illegible]
[illegible] ([illegible])	বৃ	[illegible]	শু [illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	বৃ [illegible]	বৃ [illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	চ	[illegible]	[illegible] চ	[illegible] চ [illegible]	[illegible] চ [illegible]	শু [illegible]

[illegible] গ্রহ [illegible] প্রত্যেক [illegible] [illegible] হুংডাই [illegible] [illegible] ৬ – ৮ [illegible]

[illegible] ১২ [illegible] গ্রহ [illegible] [illegible] গ্রহশি [illegible] রবি, চন্দ্র, [illegible] গ্রহশিং [illegible] যেকনে।

যাম্না চাংবা : গ্রহশিং মহৌশাগী মতম ওইবগা লোয়ননা খুদক-খুদক্কী মরুপশু ওইরবদি যাম্না হেন্না চাম্বা মরুপ ওই। মহৌ-শাগী ওইনা পাঙ্গল মান্নবা হুৎরবদি মরবশু শংবা, অমাংবশু পিদবা গনু ওইবনা খুদক্কী মতম অদুদি চাংবা মরুপ ওই। মহৌশাগী ওইনা হেন্নবা গনু ওইবগা খুদক্কী মতম ওইবগাদি মাম্নবা গনু ওই-অক্লবা পিদে-ফগৎহনদবা পিদে অক্তাংনবা, মঙাম্নবা, লুককন্নবা, লেবেং-[illegible], নিপাললবা, মাপলম্নবা খুংনিদা লৈ। মহৌশাগী ওইনা [illegible] গ্রহ ওইবরদি—শাথিনা হেন্না ওই [illegible] মহৌশাগী ওইনা মাংনবা গনুনা হেন্না [illegible] চাংবা [illegible] মাম্লবা গনু ওই। মহৌ অদুম্না মহৌশাগী ওইনা মতম ওইনা গ্রহনা খুদক্কী মরুপ ওইরবদি হাংবা চাংবা মরুপ ওই; [illegible] ওইবগা চাংবা মরুপ ওই, হেন্না ওইবগা খুদক্কী মরুপ ওইবরদি মাংনবা [illegible]

গ্রহশিংগী মহৌশাগী ওইবা লমচৎ

রবি : [illegible] ফংনহনবা ওইবা ঙম্মী। [illegible] অকাবা [illegible] ঙম্মী। [illegible] মী ওই [illegible] মশাগী [illegible] মথৌ [illegible]।

চন্দ্র : [illegible] চন্দ্রহৈবশু ঙম্মী মী [illegible] ঙম্মী। [illegible] নাইবা [illegible] ঙম্মী [illegible] ওইবগা [illegible] লৌমী ওইনা [illegible] মশাগী ওইনা [illegible] থোং লোবা কৈদৌম্নদ [illegible]।

মঙ্গল : অদুনা [illegible] লমলাইবা সিফই ওইবা ঙম্মী [illegible] মথৌ মশক থব, অচুম্বা [illegible] মী অম ওইনা ঙম্মী। অশেংবা মঙ্গল ওইরগা [illegible] কারবার

তৌবা—ব্রেক চেনবা, মিথংশি থাদবা নিশাদা লুপ্পা মীওই ওইগনি ; তৌইগুম্বগুং মশাগী নাপল কৈদৌঙ্গদা থাদোক্কে ।

বুধ : ডাক্টর-মাষ্টর, লাল্লোনবা, অঙ্কদা হৈ-শিংবা, কুটনিতি হৈবা, কলাকার, মিনমশোরবা, ফাগী হৈবা, পাইরক লৌশিং লৈবা মীওই ওইবা ঙম্মী তৌইগুম্বগুং মশাগী বুদ্ধি লৌশিং কৈদৌঙ্গদা মাংহন্দে

বৃহস্পতি : জ্ঞান লৈব, তুংডাইবা, লাইনিংবা, অনিবা অমদা লুপ্পা পাওজাকপিবা, ধর্মগী থবক তৌবা, ওজা ওইবা, আশন-অরাং ওইব, ডাইরেক্টর ওইবা, আইন-লোনদা লৌশিংবা জজ্-উকিল ওইবা, হিরম খুদিংদা লৈনবা হৈবা মীওইনি । অমোননা গুরু ওইরগনা মশাগী ওইজরবগা পানবা, খুপী অতাংদ, লুপ্পা, মুনবানা-লোনদা ঙাওব, মীওই ওইরগদ মশাগী জ্ঞানতংদা লুপ্পাদ পৈদোকপা থাদোক্কে ।

শুক্র : অচৌবা-অমাংবা যোগী ওইনা ঙম্মী, ব্রহ্মচারী ওইবা ঙম্মী, কবি, বৈজ্ঞানিক, কলাকার ওইবা ঙম্মী, ঈশৈ-জগোইদা ফাওবা অমদি থংহৈনা ওইনা ঙম্মী । অমোননা শুক্র ওইরগা নিশা যোনবা থকপা অমদি হৈরাংদ। লৈখা তাবা মী ওই, তৌইগুম্বগুং লেপাখবা তাংখিবা বাদা লেপকনি ।

শনি : অনিবা অমদ, চাংদা পুকচেল কনবা সন্যাসী ওইনা ঙমই । য়েংকী মরমদা অখং-অহৈ ওইনা ঙম্মী । থাতুনচংবদী থোনি তৌবনাচংবদা থোইদোক্না অখং-অহৈ ওই । মতুংবা শনি ওইরগা মীগী মিনায় ওইবা, জুয়ারদা মাংনা, নিশাদা লুপ্পা, লমচং হাওদবা মী ওই । তৌইগুম্বগুং মাগী মতৌশাগী ওইনা লমচং থোশাদবা কৈদৌঙ্গদা থাদোকপা ঙমদে

রাহু : খনৌদনা হৈনাকথুনবা ঙম্মী । অপাম-খুদিংশা সাংসারিক কয়া থাথোকপা ঙম্মী । বাদার, লম্বোইবা, সন্যাসী ওইবা ঙম্মী । অমরোমদা মোম্বাই চানা, দমালী চানা কুইলমগী কাবরায় তৌবা,

[illegible] ইবাইরা [illegible] [illegible] ওইব [illegible] রাবণী চিন্ন [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible] নীচ [illegible]

[illegible] ডিগ্রী [illegible] ১৮° [illegible] ডিগ্রী [illegible] ১৮° [illegible] ডিগ্রী [illegible] নীচ [illegible] ডিগ্রী ১৫ [illegible] উচ্চ [illegible] বাশি [illegible] ১৫° [illegible] ডিগ্রী [illegible] নীচ [illegible] বাশি [illegible] ডিগ্রী ১° [illegible]

ডিগ্রী ৫° ফাওবা বৃহস্পতিগী উচ্চ মফমনি, ৫° স্থবা ডিগ্রী খুাইদগী উচ্চ ওইবা মফমনি। মকরগী ডিগ্রী ১° দগী ৫° স্থবা ডিগ্রী ফাওবা মঙ্গলগী নীচ মফমনি, ৫° স্থবা ডিগ্রী খুাইদগী নীচ মফমনি। মীন রাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ডিগ্রী ২৭ ফাওবা শুক্রগী উচ্চ মফমনি। ২৭° স্থবা ডিগ্রী খুাইদগী উচ্চ ওইবা মফমনি। কন্যা রাশিগী ১° দগী ২৭° ফাওবা শুক্রগী নীচ ক্ষেত্রনি। ২৭° স্থবা ডিগ্রী খুাইদগী নীচ ওইবা মফমনি। শনিগী উচ্চ মফম তুলা রাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ২০° ফাওবানি, ২০° স্থবা ডিগ্রী খুাইদগী উচ্চ ওইবা মফমনি, মেষ রাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ২০° ফাওবা নীচ মফমনি। ২০° স্থবা ডিগ্রী খুাইদগী নীচ ওইবা মফমনি। রাহুগী উচ্চ মফমদি মিথুন রাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ২০° ফাওবানি। কেতুগী উচ্চ মফমদি ধনুরাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ডিগ্রী ৩° ফাওবনি।

রবি, মঙ্গল অমসুং [illegible] উচ্চ ওইবা উপচয়স্থানদা লৈরবদি— [illegible] খুদিংমক মঙ্গল ওইনা [illegible] ওইনা। [illegible] ফাওবা [illegible] ওইরো ওইবু [illegible] চানদা লৈরবদি [illegible] মপাঙ্গল [illegible] খুদিংমক্তা অমাংবা থোকহল্লি।

কেন্দ্র-কোণদা গ্রহ [illegible] উচ্চ ওইনা লৈরবদি [illegible] ওইবা [illegible] নীচ [illegible] অমসুং [illegible] মপাং খুমদা লৈবা গ্রহশিংনা পাঙ্গল কনবা তৌই, পরাশরনা হায়বনা উচ্চনা অমসুং মশাগী খুমদা লৈবদগী বর্গবলনা কনবা হেল্লি।

মূলত্রিকোণস্থান : রবিগী মূলত্রিকোণ মফমদি সিংহ রাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ২০° ফাওবানি। চন্দ্রগীনা বৃষ রাশিগী ৪° দগী ডিগ্রী ৩০° ফাওবনি। মঙ্গলগীনা মেষগী ১° দগী ডিগ্রী ২০ ফাওবনি।

কন্যা রাশিগী ডিগ্রী ১৬° তগী ডিগ্রী ২৫° ফাওবা বুধগী মূলত্রিকোনস্থাননি। বৃহস্পতিগী ধনুগী ডিগ্রী ১° দগী ১০° ফাওবনি। শুক্রগীনা তুলাগী ডিগ্রী ১° দগী ১৫° ফাওবনি। শনিগী মূলত্রিকোনস্থান্না কুম্ভ রাশিগী ডিগ্রী ১° দগী ২০° ফাওবনি। রাহুগী মূলত্রিকোনস্থান্না কুম্ভনি, ময়ুম্না কন্যা রাশিনি। কেতুগী মূলত্রিকোনস্থান্না সিংহ রাশিনি, ময়ুম্না মীন রাশিনি।

মূলত্রিকোনস্থানদা লৈবা গ্রহশিংগী পাঙ্গল কলা ৪৫ নি। মখোইদগী উচ্চ ওইবনা কলা ৬০ নি। মরম অসিনা পাঙ্গল কনবা হরাওবা গ্রহ ওই। অসিগুম্বা গ্রহগী দশা মতামদা খুঙোই য়াইফবা ফল ফংই।

গ্রহশিংগী বর্গ লৈনবা

গ্রহশিংগী রাশি খুদিংদা মশাগী ওইবা ডিগ্রী থর লৈ মদুদা লৈবা গ্রহশিংনা মশাগী শক্তি উৎলি মতুং নগৈবল কৌই। ক্ষেত্র, হোর, দ্রেক্কান, নবাংশ, দ্বাদশাংশ, ত্রিংশাংশ অসিনচিনা অসিবু ষড়্‌বর্গ হায়রাদ বর্গ তরক কৌই। গ্রহ খুদিংমক বর্গ তরুক্কী মনুংদা মশাগী ওইবা বর্গ অহুম ফংলগা কেন্দ্র কোন্দা লৈরবদি অমসুং বর্গবল ফবা গ্রহ অহু কেন্দ্রকোনপতিশু ওইরবদি মহৈ অফবা নিংথিজনা ফংই। কোষ্ঠী অমা লৈনবদা বর্গবলগী মরমদা শোইদনা লৈনগদবনি।

গ্রহশিংগী মশাগী য়ুম: নুমিৎকী য়ুম সিংহ রাশি, থাজগী য়ুম কর্কট রাশি, লৈপাকপোকপগী য়ুম মেষ অমসুং বৃশ্চিক রাশি, য়ুমশাকৈশগী য়ুম মিথুন অমসুং কন্যা রাশি, শকোলশেনগী য়ুম ধনু অমসুং মীন রাশি, ইরাইগী য়ুম বৃষ অমসুং তুলা রাশি, থংজগী য়ুম মকর অমসুং কুম্ভ রাশি নশা মশাগী য়ুমনি। মশাগী য়ুমদা লৈবা গ্রহ পাঙ্গল কল্লি অমসুং অফবা মহৈ পিনৈ।

